
পুন্সোলী তমজশিংবা

মোংকম থক্তা য়াহিপথ্রবী
থমন্নুং শবা তান অমং থরৈ কুম
নুংঙাই য়াইফ কোনজা পোম্লগা
নুংশি মাগী মংঙংলাং
খংহৌদনা অবা মৈরক্তা
পোম্না লৈমন চনথ.বি
মপোকথোবি নুজা সুসিলাগী মফমদা
প্রেম ———————— মহাক্কী
কাইনরবা
"রাজ"



কংলৈখোকচরি

স্না শোরোক য়াংবা থক্তা
নিংবা কায়রুনা, পলেপফম
থঙজদ্রবা কঙাওনরিবা
অর্মাদ
কঙাওনরিবীশিংদা ঐগী থুদোল

"নুজা চাককৌবা"

তায়জাব

ভমালক্লয় তিনজত্রিবা নবা খোমনম কোক্তিদৈ
মপু যাগী শিল্লাবা হাপখিবনা —
ইগদবা য়াহৈদি ইদ, ইরোইদবনা পোলোইমরবা
য়াওখ্রবস্থ কম্নিগুম্বদা মাপ তৌবিগনি ॥

নোক্ক হৈহরবা সমাজনি। অশোইবতা ভাইবদা
মশাংগী কাম্নবা থাদোকপা চিংবদবনি।
কপ্রিক্তুম্না সুজাগী চাকৌবনা পেমবীত্রবস্থ
লোম্নবগী বাহৈনা পাখং কয়া চাকৌজখি ॥

চংকৌবা পুন্তিং কয়াদা মমা মপা এরুম হৈত্রবা
ইংখে ইচল কয়াগী পিরাং শিল্পবিত্তৈ খেংনরবদি
লম্বৈযু খরা মংগী য়াকেম্না অমদি তামোচানা
লাপ্পা পাও ১ থারকলী, মতুদি
কপলগপু খোক্লো — নংবুম্ব চাকৌরগনি ॥

রাজ কান্তগী

কোংলগনি "বিদাইগী থুদোল" ১৯৬৯ ইংদা

মিৎকুপ থুদিং অরাবা মুংঙাইবা কয়াদা নিংশিংলগদবা মহাক্নী রাহে !

"লভ মি লিভ মি নোট"

মুজা মহাকতো করিগুমবা খেংমরবদি হংবীরন্দ্র খরা

"মুংঙাইরিত্রা মহাকপু"

ও মহাক্তো ঐগীদমক্তা থন্দুনা মপাম লমদম থাদোক্লুনা সমাজগী মিনোকপু ভাদনা শিন্নরমবনিকো মহাক্নী পুন্সি মমল য়াওদনা। ইস ঙমন্দ্রু ঙমলোইদবদা ঐনা করিগা "মংচৎ থৌ"রি ওক্তবী তাহল্লুরিবা ? অদুগা —

কদাইদা চৎখে মহাক্তী ?

অঃ মুংশি হৈতেদা পলেম-পঙ্গো ! নংগী চৈরাক মথা পোনথিবনা হন্দক মপোক্তা ওইরেদকো পিথমলবা ঐগী পুন্সি

হনথি মহাক্তি মপাম লমদমদা ঐগী অরোইবা বাহৈ ১ পুত্রনা পিরম্লি করমবা কান্দা অমুক ঐগী প ওপুম

"LOVED ME LEAVED ME NOT"

থম্মোইগী শান্তি মহাকপু বারোগনুকো হন্দক মপোক্তা বাহৈগী বাংমা লান্না কমক মাংদা পুরমদরে। পুন্নমক ঐগী ইরানি — কো ॥

This story the god of Love for A country girl !

"LOVE ME .... NOT"

অনিগুবা রাইটরগী খুদোল

"নুজা চাক্কোবা"

* রাজ কান্ত সিংহ।

১৯৬৯ ইং।

অকোণবা সম্পাদক —
জুলাই তাং ৩, ১৯৬৯ ইং।

কপি ১,০০০   মমল লুপা ৩ ভনি।

লাইরিক কংকম - মণিপুরগী লাইরিক য়োনবা ষ্টোরশিং।

ছাপা মমফম - গোয়ে 'প্রিন্টিং ৱাকস ককচিং বাজার'
চেথুমগী মমাই - সম্পাদকীয়।

"নুজা চাকৌবা"

মংলোন

নুংশিবা !

নচাংঙী নকয়দা করম্বা মশিক চংবা য়াইহেনা হংবস্রকপা হায়ংগী পাওখুম ওইনা কোংদোক্লদগে খংজাদ্রে য়ারেগল্লাকো। নুজা বাখল থেনবিদি, পাইমা লৌশিং থেনাবিনি, য়াহৈ কাবক ম' ওয়রম্ব লাল্লি খংনা জাকপীয়ু।

শকখংদবা নংকপু — কবম্বা প্রেমগী য়াইহেন নংগী ভিক্ষা হাপ্সিগে খংজদে ঐহাক্তি। হাপচরি থম্মোই লেংনা চংঙী ভিক্ষা, লংনবীগনু প্রেমগী অঞ্জলীসে লৈইবক লৈরবী নুজা কোন্না পোংবী ঐহাকপু ভোগ্নি খংনা অরাবা ঈপাংক্তা লংথবীরমগদ্ধুকো নুংশিখোইরবা। নচাকী প্রেমভনা বুপথে জাইহংঙী হিংলিবা পুন্সিসে ঐনতা থম্বা নংনদি থবরীরমগ্রবদি নংগী লৈনম বাখলজনা অরোইবা পুন্সি ওইগনি। য়েকথবা প্রেমগী মুক্তিদি মুৎপা লৈয়রোই কৈদৌনুং কাওথোকপী-গদ্রুকো পাম্মুবা !

নচম্মা য়াহৈ য়াংম্বা কোংদোকচনীংই অদুবু লৈহেং থংপা থোকখিদ্রে। চন্নব য়াহৈ থমসিনা পেনবীগনি থৈজে।

অমোইবদা নিজরী, সুংশিদনা সুংশি শারম্ব: পামদনা অপাম শাদুনা লৌনমবা ওইরম্লবদি নিংডোল হাৎপা পাপ পুবিয়ু !

কাইনরসি

থম্মোইগী মরুপ নহাক্কী প্রেম

সুসিলা দেবী।

চিঠি অসি পাবা লোইরদুনা তপ্পা তপ্পা হান্নগী চেথুপ অদু তানা থুপচিল্লে সুংঙাইবনা থল্লবা ঐহাক্কী ঊমায় চোল্লবা থম্মোইদি লৌকপদগী সুংশিবা হায়বদো থোইদোক্না মশক খনমদবদি অদুবু ভনিদ পুনশিনা মপুং ফাহল্লবসিদা কনাগুম্বী সুক্না অংথক্না ঐগী থুৎ পাইদুনা লমজিংলমে সুংশি লৈকোন্দা।

সুমিদাং পুং ১০ রোম তাবে, খংহৌদনা ঐগী হকচাং অসি অমুক হন্না সুংঙাইবা মপুং ফাহল্লগদবগী শিন্দ্র দেবী শন্নাং ইকা ফারদুনা ঐগী থুক্তেং পাইরদুনা কন্থুং তম্না পুশিনবীরক্লে

★ মগী সংসারদি ★

★ চহি ১২গী মমাংদা ★

ঐগা সুসিলাগা য়াম্না ফজরবা লম্পাককুম্বা অনদা য়াম্না লাংঙা চৎনুবদগী বারদুনা মফম অদুদা ভাইহাক কম্মিদ্রবা। মতম অদু অমুক্তা পুং ৯ রোম তানক্লনা মতুংদি শাবান্নবা অতিয়াদা মথং মথা শম্ব ট্রংইবাগী না বাংনা বাংনা পাইবৎতুনা শাম্নরিবতু থেংনদুনা ট্রেনা সুসিলাগী লোকুনদা পাম্মরদুনা হায়রম্মী।

"য়েংউ সুসিলা ঐগী বেলুন য়ামনা পাইরে বাংপ্রা ?"

'হৈ! নথক্তুগী নংগু, য়ামনা বা 'লৎসে ঐগীদি ঐগীনা হেম্না বাংলি"

মহাক্কা মথুং থিল্লদুনা থুমলকই ।

"হেন্দে হেন্দে, ঐগীনা হেল্লি ।" ঐনা হায়থি ।

"এ ! মুংঙাইবেহে বাংবনা ঐনা হেল্লগা ঙক্কু !"

মোমোন নোকপা মায়থোংনা তথক তথক য়েংলদুনা হায়রকখি ।

ঐগীনা হেবি, মাগীনা হাংদি হায়দুনা য়েৎনরিবৈঙেদা উমাইবীশিং অদুদি লাপ্না পাইখিদুনা মিৎয়েংগী বাংমা লানখিরমলে । ও চেক্লাশিং অদুদি ঐখোয়গুম নীংথা তম্লিবা মীশা পোক্লবা জীব নত্তে মীৎকুপ খর মুংঙাইরবসু মিকুপ খরদি মচা মশুগী থাখমা মুংঙাইখোকপা ঙমদ্রবনি । উমাইবীশিং অদুনা মশক উথিদবসু সুসিলা অমসুং ঐগী থম্মোইদদি মুংঙাইবা লোইদ্রি ।

বাংলবা চৌংজাও অমা সুসিলাগী থুক্কং পায়রদুনা কাংথৎলি । ঙাইহাক কায়গা চুংদা য়াম্ন বারক্লে । চিংদোন য়োগদবসু তথাই অমা বাংলি । চোকথরবা পা অনশিং অসিবা বাংলবা চৌংদোন য়োবা ঙম্লরোই খল্লদুনা মকম অদুদা ফমথদুনা পোথরে । বাবা খরা করক্লবা মুংঙাইরক্লবা মতম অদুদা সুসিলাগা ঐগা বারী শাবা হৌরকলে । ★ অঙাংগী থম্মোইবি, অচম্বা ঋষিবীনি! মুংশি বারী নত্তে, চকখোংবী শাররিবৈগী পুন্সিবি, ★ নোংমা ফাওবা মাগা ঐগা মিকুপ অমা থানদে মানা ঐগ অক্লে প্লা অঙাংগা শারথিগদ্রা বাকৈ, ঐসু মাঙুম খল্লি ।

"সুসিলা নং হয়েং চাওরগা, ঐবু থাদোক্লুনা ময়ুম পানগদ্রা .... হ .... ?"

"মাই পাক্লোই, ঐদ নংগা পুন্সিচুপ্পা লৈমিন্নগনি, মাজেন নংবু থনা ওইথিগদ্রা ?"

ঐগী চিংনবা জ্ঞান য়াওদ্রবা থাওয়াইগী ৱাহং পাওখুম খিবক্লগা হংখিবা ৱাহৈনি। ঐনা হন্না ওনা খুমখি —

"ওইবাইদা, মংবু থাদাক্লন"।

"ওইখিদ্রকা, নংনা লৈজবদি ঐদি হেদা ....।"

"কৈদৌগনি"?

"অত্রবা"

"উং"

ননাক্তা লৈকনি, বাক্কম, সে ফগী লৈপাক, মতৌবদি হায়েং থাবানা লৈরকপা খাঙ্গাম চিংথই পুনশিলাইদবনি। লেংবা হায়দ্রু হাম্না পুক্তে।" মহাক্না মাদা হংলকপা ৱাহৈনি।

"নংশিমা ঐনা হায়বা থাক্কদমাক্ত ওইবাইদ্রু" হৈনা হায়খি।

পুক্কিগী "লৈতিম্নবা" হায়না ৱাহৈ হৌসিগী অর্থ কয়া চেন্নবা, তোয়না তোয়না হাসবদা মতম অমসুং চুসিনা অমসুং ঐগী বাক্লদদি তোইদোক্লা মুংচাইবা হিংদিম্নবগী অর্থ লৈতে। ইচম চম্খি। বরম্না হায়গনি। মতমদা খংদ্রবা মীনা উরক্লিবা লৈবাক অমগী ইরাংদা পংচাংবা তোংত্রবা পংতম ভম্বুম অর্থ লৈতে। সুদিন অমুক হোংলাংবনা হংলকই।

ৱাক্তন নংদি হয়েং চাংবগা মুপী থিরোইদ্রা?"

ঐনা মাবু মুম্বা য়েংদুনা ইকাইবা য়াওদনা খুমখি।

"থিরোই, নংগা লৈতিম্নগনি, লৈতিম্নসিনো সুদিন্না।"

"হোই। ৱাক্তন ঐদি ইমাবা ল্যাহাংগনি হায়রবসু নংগা হোংগনি, ঐদি নংবু য়াম্না নুংশি নংদি ঐবু নুংশিদ্রা? মহাকনা হন্নাওনা থুম্মকই।

ঐসু নংবু য়ামনা নুংশি, তাংপো সুদিন্না য়া হায়খিগে।"

কন্নি য়ানো হায়রোনে, লুহোংবা তন্নি হায়ত্রা হা ?" ঐনা লমুক্না হায়খিবা মাহৈ তাবদা মঙাকনা চিংননা হংলকখি।

'হোই তন্নি লুহোংবদি ইকাইহৈ"

'তন্নগা নোকচৌ. ঐদ ইংলু হোংগনি: নহাক প্রেমগা ইচে অমগা নৈ লায়রে ভুরুখৎদা নংসু উদ্রে. অদুক বক্কবত্রু ইকাইরদ হোংত্রু নোকউ !"

'নংবু শোয়দনা হোংগদ্রা ?" ঐনা লাংদক্না হংখি।

"নৈংশা বিদা শাক্তি হোংগনি !" মোমোন নোক্তা হায়রকই।

'ফারে নং মৈগা লুহোংগ ঐদি থনা সিফাই ওইরনে, হায়ংরৈখ ত্রেত্রু শখোয়দা শরুক লাক্লরই. শত্রু লাক্লু !" ঐনা মঙকী নিংজবা অদু শিংথেংলৈগ শাংদনা শীরাং হেন্না হায়খি মহাক্কী মায়থোং অদু ঐগী বাইক অদু তাবদা নোং মংকগুম মকশিনখ। ইকাইবগী শত্রু, য়াৎলগী মখি তাদে অরাবা অমদি নৌংদমদবগী অমকপা মখনি। পীক্রবা ঐগী বাবক লেইখিবনা ঐত্রু মাগী বাহৈ অদু ইশানা পাম্না য়াকখদে; মহাক্না হাম্না সুদাইখিরোই হায়বত্রু থোইদোকবনা কাওখিদে। য়া মথা তারক্তে, ভুমিম্না মখিত্তা ঈরা হেন্নচুনা মাগী ইল্লিবা ফি অদুগী মনাদো চিকথংদি। মাগী সুংদাইতবা অদু উবদা ঐনা কাগী তৌত্রনা হায়রম্মী —

* কাগী তৌবনি সুফিলা — নংবু পুন্সিসিগী থাদোক্লোই, নংনা ঐগী থবাইনি নংগীদমক হিংবনি লাও কেনগে সুংশি থোইরবী মরুপাদোই. কাইদোং থংদনা মাজবি নহাকপু হায়ম্মু অমুক্তা মীৎকী পীবাংদো তৈথোক্কুনা মোমোন নোক্লগা তোংমিমসি কৈরাথক্তা লেম্মজগে নহাকপু — !" ঐনা মাবু চেক্লেৎ কোনশিল্লুবদদি মহাকসু লৈশাবী মপুং কাবমলে। ঐত্রু

মতম চাবা ইশাগী কিভমদা লৈরমলে। মতম অদুদা মুংঙাইবগী অাশা কয়া অঙকপনি।

'চৎলসি মু''শবা, পাল্লোইনবীরো মুক্তা খুজেং, ইমুবাগ লৈহনা নুং''

" চৎলসি মু'শিবী, মাংদা থাজ পেরক্ক য়েংউ শান্নবা পোক্টরেসে মুংশিবগী পন্থুংফম্নি!" খুজেং পান্নোইনদুনা কাবা হৌরক্লি বা'রবা কান্দা চিনা য়েংলৈ মু'শিনা!

★ ★ উং উং" অঙকপা খোঙ্গেস অমা খংহৌদনা তোরকখ। ...গী খোঙ্গেম্ন খংলবদা এনা মুসিদাগী খুজে পায়তুন কম ...চ'য় অবা'বনি চেনশিনিবা মায়কৈ অদোমদা লৈরমলে দা'ম ম — ! ....

... ... অমা 'পান্মুবা ....'' হয়া য়েংখোক-খিনা পন্ন'গ খয়াও স্ত'লল অাঙ্গাইবা মুন্সি এনা তৌকগ খাদনা চেংশিনদা তৌরকপদা খাহৈদনা লাওখিবা খোঙ্গেল অত ...ইবড ...। ইমানা এবু ইশা লোমডুনা কমা হৌলোরক্র

... ... এনা চুকপা অমদি অকিবগা য়াম্নবডুনা ... ... ইমানা এগা ... অত উনা পাংৎপগা লোয়নরা হংলকই "ইবুংঙো ক'ব তৌনবগা ...?" এনা ইমাগী বাহৈ অত তাবদা ... ... । এনা তৌরিবাসিদি মংনিনা হায়না পুক্রংদা ...কখি।

"ইমা কনিস্ত তৌদে"! খুদক্তা এনা খুমখিবা পাওখুম্মী।

"... ... ... ইমাখি নংনা খংলাও ... ...কপদুদা পাংৎলু ...!"

উমাগী চিংনবা বাইহেনি। থ্রংহে অসি তাবদা ঐমু থবা চিংনদবা হুমদে। নোংমা ঐখোয়গী ইনে শানা রারী থমা লিখি। ঐখোইগী পাবুং অদু নোংঙাম্রকপদা ঐনা হুসি কাওখিবা অদুগুম্না কাওরগা হৌদোকপা তাখিদনা মহা ওইনা ঐব পা ৭ শুরুকপদা সংসারগী লম্বেল লোইখি হায়! ১তোং অংংদা ইংাাব বংহ্নিবা অসে মাসিবনি ঐনা খল্লি। ঐ কপু কপু হৌগংঙুবা মং অদু নীংশিংলতুনা মপাল থোয়খ্রি। ঐগী শং-হেন চারবসু উৎশ্বরবু নাঞ্চিক ওইদে। মরম অদুনা ঐনা হুসি কহং মং অদু নিংশিংতুনা সুর্য্যদা প্রার্থনা তৌখি।

✱ লোকহুমখনা লোন্রবা মপোক!

অরা! সুংঙাই তায়ম্না
লোইক্তুবা নংকী লাংদা
মুংশা তংকপু বাইচগী বাংমদা পুত্রনা
পাক্লগী ংবা সংঞ্রছৈ
পাপ্তী মখী পুঞিংনং লম্বাংদা
থাংজনদ্রা এবু!! ★

হংলান অদু থল্লুবদা সুসলা অমদি ঐহাকী পুন্সি অসে লম্যংনবদা "নবাবম্পন মংমনগী" পুনসিগুম থাদু, থম্বল কোইরগদ্রা, রংল অসিনা ঐহাক শুকম চাংম থংদরে। অংকপা মংনি ' মহাক্ত' ঐহাকা অঙাং ওইরিঙৈদা হাংনখিবহ নত্তে শকথংনবদগী হেন্না সুংশিবা ফাওবদি থোইনা শকথংমখ্রি। মরোল থোক্তুবা চিংনা বাচৈ ১/২ দং ফোংদোক্লখিবা নতুব মাদু ফাওব অবেপ্পা থংদ্রবা বাখলনি। নোংমতা সুংশি বারি শারুদে। অদুবু হুসি অহিং মংদদি মাগা ঐগা অঙা ওইরকপদগী সুংশিনরকপগুম তৌরি।

স্কুল কাবদা ইংগ্লিশ অক্তুনবা থোকৈ, বাইবল অমা ফংখ্রবা কোংওমদে মরমদি মহৈশাদগী স্কুল অমত্তুদা কাখিবগী ছবি ছাত্রীগী মরি অদু কাওদ্রবদা মহক হৌজিক ক্লাস টেন ঐনা পি, ইউ, সি, ওয়াংবা লেপ্লবা পুঙফমগী লোচনবা থংকম চানা থাংজিল্লবদা ঐন মাবু মুংশিনবা হয়রে করিগীদমক মুংশিনবদি ইকাই থেরব মহৈশানা মুংশিনবগী মফমদদি হায়নিংবা কয়া লোংনাজাবা নৈনবস্ত মশক ওইনা অমদি মনাক চংলগা ইকাইবনি খংদনা কিবনি থদে হেক্না মতোকই। ঐসু মাহুশুমনা হায়না বা কয়া [illegible] ঐদি ইকাইখিবা হায়বসিন ফনা বলাসু মতম অমা খল্লোই খংলবদি থেইদনা ইকাইদ ঐ মগী [illegible] অসি পাকবদগী থোইনা ইকাইদে ঐ য়ানবা লানবা অমা ওইবনা সুসিলাবু সমাজগী মসকদা লৈনা হায়না ইচনমক্না পললুদ বস্ত্র বাখল কাবা থনবা অক্তুক্লবা অমনি থক্লি মহাক্কী ইনাক কৈরাক মুলবা মচানী অত্তুগীস্ত মংক্লা শক্ত চুদা চংথোল্লবী মপান থোকচবী মুক্তানি। ঐদি পাংং পাওংলা লুখ্রাবী ইমানা থোকচবি মচানা কনানা থগনি মুংশিদনা মুংশি শাদল্লবদি

★ কোংওমদনা হায়ওমদনা লোম্না চাকপা মুংশি মৈচাক্লি মৈরী ফবা মালংনা পৃবা লম্মৈদগী শকক চায়া হেক্লি।

ইকাইখৌনি

লোমা লোয়া য়েংগনবি, সূর্য্য ও পৃথিবী

থাংজমদাগী থম্মোইসে

মুক্তা মশক চাওবীও।

লেপ্তবা মাংখলী ইচলদে

কংলিগন্থ খৈম্থাং — লিখসুববা পান্নাইবা।

অধুক্ষী পুং ৯০০ লেং খবা লেম্মা লানবা মম্মনী।

ওয়ুগী মমাং পানবা ভাইগংলন্দ্রিবা কেন্দস পাবা লেইরোক্রী। ছাত্র-ছাত্রীশিং মখি ২. স্কুল কাবা হেইরক্রে পরীক্ষা ময়া ওইবনা ছাত্র-ছাত্রী ৩ খিংমক বোর্ড- ১. ১ পাইরগা কানরকপনা অয়াম্বা দইনা কেনি ঐস্ত বোর্ড অমা কিয়ারকপা চপশিন্দুনা কেন্দ্রেজ থাবা লোনব্রী স্কুল কাবা চংদে মাতগী বাথমা।

★ চংলদ চংনা মিস্তা উই,

★ ★ ০ম্ব তুমনা মংদা উই

★ ★ ★ কখি মাংলোনা স্নংশিল।

মাকবু ইন্দিংবনা থাথু ভাপু লোরকপা মহাত্মী থোরকলমত্রি। ঐনা হৈহাক মাবু ভাইবি মিনট ১০ মুক ভাইরবা মতুংদা মমাগবি থংগা সাইকল অমমম তোংলদুনা থোরকপা উরে।

মুজাগী মাগথোংদি ১৪নি পানবা খাজগী মায়থোংনি।

মমাগবী.শিংদুদি ভজুপ ২, থোকপী থবাসমিচাককুমই।

মত্তে, মুংশিবা শক্তা ফজবা ' মহাক্ত অথোইবনা '

লাক্লিবী ছাত্রীশিং অসি কসী লোইনা লিংলি। সুসিলাসু তেঙৌ তেঙোরবা বচু অতুপ্পা চান্নরবা হঙ্গাম মরু পোকখাইবী মচুগী অমা লিংলি। ইনাক খনবা মচা হায়বসে অসুমনা কৌবোইরে — ফঙৌ ফঙোরবা পিজ্ৰক শাংবক তৌরবা খুদাংদা চুং সাইজগী মচু অমা অমবা নাইলোন মরিনা তেংখৈরেদা খঙোইলনা নাখাম ফাইনবগুম লিংখিজনা শিরি। পিজ্ৰক তৌরবা খোং অতুপু অমুবা লিডুবগী হায়ত হিলস পোইনটেড অমসু কোংলক্লি মাগী মাকো উবদা ঐগী থবা লুরে হায়না মখা চপ্লিনা লিঙ্খাম অতু মাখা লুপ্পগা থেম্নবগুম উরে। মপান হৈত্রবা মালবা নুজাশিং অসিগী লাইবক্তা তারক্লিবা শক্তাংশিং অতু ফজ ফর হাইহবি। ঐনা সুসিলানি কালবদা হন্না খেবা উমদারে। মাসু ঐগুম তৌরম্লগদ্রা? ইনাক খৌশিল্লক্ল ঐ তৌকম খাদারে মখোয়দি ঐবু উবদা ইথি খিংলরক্লবনি। মতু কাংদা অদুক তেনখে। ঐগী থম্মোইদদি কৌরং লিলবগু ইকাইখিরবা মায়থোংগী নৈতেং ওইখিবা ইচিক অসিনদি চুমদারে।

"কনা চুইরক্লিবানো? কোল্লেজ চৎলাইদ্রা চৎমিন্নরসি!"

ঐনা তৌকম থচনা নৈরিহৈদা সুসিলানা হংলকপা খাইহৈনি। ঐনা হকনা হন্না খোংথোকখিবদা মহাক্কী মমাম্নবী-শিংগী মরাক্তা নোকমি নোকমি তৌখতুনা ঐবু মুন্না য়েংলম্মী।

"কনানো ... হেকনি!" ঐনা ইকাই ২, থুমখিবা পাওখুম্মী। ঐ গাড়ী লৈখিরে। মথাংগ পুননা চৎমিন্নবা হৌরকলে। নুংচাংদা চৎলগা তুংদা রামপান অমত্তা ছাংনরমদবদগী ইকাইবা থবা ফরক্তুনা হংখি — 'সুসিলা কয়াম লেংখিবগে— ?"

"পুং ... !" ... যোদুনা নোকমি ২, নুংঙকপা পাওখুম্মী।

"নখোয়দি নংথগদ্রা" নোক্লা ১. এন হংখৎ ৱাহংনি।

"নংখিবা য়ই নিংথম থাদি খর লেপলগদবা য়াইদা !"

"এস্থ ভুসিংদ নখোয়গী ব্রুনদা য়াওনা চংলে, য়াওহল্লোইদ্রা সুসিদা ?" এনা মাগী তোদুনা হংখিবা ৱাহংনি। মহাক্না ঐ ভোনথোকপদা য়েংশিল্লক্লনা হায়রকই

"অদোম্বু ব্রাস য়াম্না হায়বগী পোংবীবনি, কনাগী য়াদদগে !"

"সুসিজা পোংবা হায়রদো এখোয়দি লাইরু মচানিবা ওইজদে। নখোয়বু শক থাদবা অমাং হায়দুনা তাংখোকপী-দকদ্রা হায়না ৱাফবনি — পোইনা পাংজদে।"

এনা মাগী চাংয়ং ৱাডং অদু থংলতুনা হংখি।

"সুংতুইরে-হে নাবু ৰকনা লাইদবনি হায়দ্রবগে ?"

ইকাই সুংশি য়াম্বা ৱাহংনি

ইনাম্লনা ৱাদা শাম্নবাসে সুংশিবৈ থংলতুনা য়াম্নবশিং অদুস্থ থর লেনগংলে। তুল য়েংনদস্থ নংজিক্লা মতাংয়রে। এদি Kha Manipur College চংলরগদবনি মখোয়দি Girl High School ওল্লা চংগিগদবনি মহাক্নী ৱাহং অদু তাবদা হায়খি।

"ও কনাস্থ হায়দিগে ... তনাইহনা পোংবা হায়বদো ওইজদে হয়জবনি !"

"এহাক্তৌনে অপোংবা মীশিংসে য়াম্না সুংশিজেরে।"

"হোইনে, এ বা মকা হংগে পোংসল্লকো এশুম্বদ।"

"পোংজবোইয়ে হংবীদবগী ৱানি ! এনা পোংদু হায়জবদি অতুননি।" সুংলানা ইনাইবশুম অম্মা কম পাংলথ। এস্থ থরদি ইকাই অতুবু পাম্না ফংলবিদম মা এতবু কনাগী ইকাইগদগে থনবদা ৱার অমত্তা ভাংথোকপদা চংলদে।

"সুসিলা চুমনা হংজরগা লাম্না থুম্বিগনুকো — থম্মোই চেৎপী শাদ্রনা।"

"মুংঙাইবেহে ··· ঐখোয়গী থম্মোই চেৎপীক হায়বদো মশক-কাও থংজদে লোৎপস্ত হৈজদে, কংলোনে।" সুসিলাগী নোকমি ২, ভোবা চিন্নাল থোংগী বাহৈনি।

"হৈরিবোইহে" ঐনা হায়খি ; মাগ ঐগা পরেং অমম্বা থৌরি অয়ুক অমুকশু ইশা ইশা থেংনবী। মতাং অসিদা ঐগী পৃক্সিগী ওইনদি অহানবা লম্বেলদা মা-ঐগা পুনবা মপুং কানা রাবী শাম্নবা ওইখবনা কোংদোক্লীংবা বাহৈ কয়া লৈরবস্ত ইকাইজরি ঐনা হংলগা হায়রিবা বাহংদি অরেম্বা মহাক্কী থম্মোইবুনি। অদুবু অভকপদি কনাগুম্বী মুজা অমম্বা শকথংদবা ঐনা অশেংবা থম্মোই পাগুহংগনি হায়রিবসিস্ত পাক হেক হায়দোকনি নিংদে রাখল অসিনা হ য়দোকপা ঙমদে। কনানা থংগনি মুপীনী থম্মোইবু — করিগুম্বা হংলুরগা ধীরেনগী বাহং তাড়না চেপ্লগদ্রে ? বা ঙাংথোকপা ঙমদনা তুমিন্না থোয়রাংনন থৌরি

"হোইনে, হোইনে হৈরোনে, ঐখোয়গী হায়রিবামখৈ পক্লবনী। অদুগা ঐবুদি হায়নবিযে ···· !" সুসিলা নোক্লা নোক্লা থুম্লকই। অদুগা মথা শমথম্লকই, "কৈদোর্বগে হংলো লোৎতুনা থমলগনু থংদগী মক্তদা হংলিংবা কয় কুমলবদি অরেম্বদা পংবা রাবনে — পুকমুংদা বা লোৎপবু য়াম্না হৈবীরিনে !" সুসিলানা কয়মতা চিংনদনা তপনা তপনা হায়রকপা বাঙাংশিং অসি তাবদা রারমলবা থম্মোই অদু থংহোদনা হংব ঙম্বগী পাঙল লৈরকলে।

ঐনা থম্বদি করিগুম্বা ফোংদোকলুরগা পুম্বিরক্লোইদ্রা বাজবতনি।"

ঐনা হায়খিবা বহৈনি :— "হৈ! মরুগী ওইরে, মরোল থোক্নবা মীদা হংবস্থ নত্তমা।"

'ফরে, নহাকী Letter অদুবু অশেংবরা, নত্রগ' নোংমগীদমক ····

'অদোমনা নোংমগীদমক লৌনবীবক্কু ঐদি পুন্সিগীদবক্তদি লংন-ভখিদে।' ইডিং ডিংবা খল্লোয়গী পাওথুম্নী।

'খংদবা হায়বসে লানবা ওাক্কনি। হংঙুবা ঐনা লাম্নবস্থ কাগীনি, য়াওাং হৈতবনা চৈবা লকই হায়বদুনি." ঐনা মায় অমস্থং বা য়ং য়ং শাগৎলদুনা ইকায় ২ খুমখিবা থাওথুম্নী। খংহৌদনা ফুলস্থ য়োবমলে." 'ফরে হৈলহৌরগে ···· ! ঐনা ইকায়না হৈলহৌবা উবদা সুজা মাইথোং অদু ডনিক ডনিক নিংঙমদনা অমুক্তং য়েংলমলগ' য়া অমত হায়রমদনা মমায়বিশিংগী থকাক্তা থোংগ্রে হায়গদবা য়' কয়াস্থ হায়রহৌদ্রে। ইকাইখিবী মহাকস্থ নিংশঙদনা চংখ্রে কায়রবা খল্লোয়না মতাবু নিংঙমহৌদ্রে। ঐনা মাবু নিংঙমদনা মিংয়েলগী য়াংথা লানখিত্রিমখৈ য়েংহৌরি।

★ ইকাইখিবী সুজাগী খল্লোয় ওইরবস্থ য়াহৈ কয়ামি ঐনা মীথা পোনখ্রে। খংদবনা সুজাগী পুকচেল ঙাকপিয়ুকো ইকাইখিবা ঐহাকপু।

হিংগনি নংগীদমক য়ানা লাইয় থাংপোক্তা
য়োকচরি নংতবু খল্লোই পোম্দ
ওইবিয়ুকো নহাক্ত খল্লোয় চেৎপী।

থাবল্লক্তা

অযুক্নী ঙথকপি লিক্লানা ভাক্তি‌ৈঙ
পাইমা বাখল খেন্নিঙৈ
শীঙেনগী লৈয়োনগুম থোৎ'লিঙৈ
পাইমা পুক্নিং য়াওনখো
করিগুম্বদা
নিংঙমলকতবা থস্মোয়না
পিথমনরকপা মুক্তাগী থস্মোইবু য়েংদুনা
ঙমক্তবোয় বাক্তবা ॥

অযুক্নী পারবা লৈচিন্না হংদোকখুবদা কোবৌ মুমিৎনা লেপ্তুনা চৎলমবনা স্কুল কাবা মতম য়েংগদবা থরক্তা মঙাইরমে। ঙসাই মথৈ কোবৌ মঙান ফংলুদনা থান তুশোন মানশোন্নরম্বা জিব থুদিংমক হরাও মথোই কারক্লে।

পুঃ ৯ লোম ভাখে। ঐ লাইবক পায়মবদগী তোক্তুনা পরপ ২, স্কুল কানবা খোরাং ভোৎতুনা থোরক্লম্মী। মাইকৈ সোমদগী কোলেজ কাবসে ইথক্তু' নক্তু। অদুবু অয়াপ্পা মতমদদি ইথক্তু চৎলি ঙসিসু ইথক্তা কারক্লি। থবা ঙন্না থোরকপনবা থঙত্রে মী য়াম্না চৎনরমদ্রি। ঐনা ঙবা' ঙায়খিবা মফম অদুদা ঙসিসু লেপতুনা সুসিনাবু ঙাইরি। সুসিনাদি 'মমান্নবিশিংগা মতম থুদীংমকতা চৎমৈন্নে। ঙসিসু ঐনা বাহৈ থর ফোংদোক্কে খল্লিবসে মমান্নবিসিং অদুগী মমাংদা ঙমদদুনা তোক্লগদ্রা ?

ঐনা হায়কেৎ ~~য়েংখিবা মীৎ~~য়েংনা হংখিবা বাহংদো মাগী থোইদাংনরবা মীৎয়েংনা পাওথুম পীরম্বা। মদু কনাগী মথাল

ওইগনি ? হায়রুবা ঐগী ইরাল্লী ॥

মিনিট ১০ মুক্কী মতুংদনি। সুসিলা মমাম্নবী খরগা ক্লব কাবা থোরক্লে। ঐনা লাপনা উখিরম্মী। ঐ মাবু উবদা চংলসিবা থরক্লে. অদুবু পুক্সিগী ওইবা সুংশিবগী কোংঙমত্রবা লমন তে নখিবা তাবে থন্দুনা ঙাইগি। করিগুমবা মানা ইনাক নকশিন্নকলবদা রা ১ তা ঙাংলমদনা হেনগৎখ্রবদি ! ঐনা মাবু য়ামনা ঙাইনিংবা তারগদ্রা ? অস্নুমনা খল্লিভেদা ইনাক নকশিন্নকএ মাইথোং অদু ইমক মকশিন্নি। রাত্রি শায় শারদুন লাক্লবদো ঐবু উবদা তোকখরে। মোমোন নোকচরম্বা সুন্সাগী মায়থোং ঐবু উবদা থাজনা মনিং তমনা চংলমলগা সুশিংহত্রবা নৈচিন্না কুপথিবগুম লুকখত্রে। মরাম অদুসু রা অমত্তা ঙাংদে। মহাক্না য়ামনা তপনা ইংনা কৌরকই।

'সুস কাগদৌরিবরা ?''

ঐ মহাক্কী থোঞ্জেল অসি তাবদা জ্জাংব মাংবগুম তুমিন্না থমজুনরে। মহাক য়ামনা ইকায়খ্রে মমাম্নবিশিংগী মমাংদা। করম্বা ঐগী রাথয়ো থংহোত্রে ॥ মমাম্নবিশিং অদুনা মহাক্কী ইকায়বা মতৌ অসি উবদা বা লাল অমতা ঙাংদনা থৌনখ্রে ঐ লেপতুনা লৈখি। সুসিলা মমাম্নবীশিং অদুগী মবক্তগী নৈনহৈরদুনা তপ্না তপ্না য়ামনা চোম্না নংবগী মওংগুম হম্না তুনা হেংলকতনা চংলি। ঐনা পাউথুম পীহোত্রবদা মহাক্না ঐ ঙান্দা হায়কেং হেংসমবা মিৎয়েং অদুগী পাওথুম ওইনা ঐনা করম্বা মিনমবগী মিৎয়ে না পাওথুমখিবা থঙহোত্রে। নিংঙমদব অনম্নং ইকায়বগী বাথল অদু কাওরকতুনা ঐনা সাইকল থংখৌ থৌজিন্নুনা মন্নাক্তা চংলগা নোনকবা হৈত্রবা. সুংশিবা থংলবা থম্মোয়না চিনবানথোংদা তম্লরি।

মহাক্কী :—

'সুসিলা, ... নং ঐবু শাওবগ্র ?'' মাইথোংদি ইকাইবনা তঙাং তঙাংলমলে।

'অস; করিগুংগী হংলুবা .... ?'' মহাক্কী চোয়রোনগুম -ঐগী মাহৈগী ওয়-তৈনবা পাউথুমখিশ"

'মত্তে সুসিলা ইরামী খঙ্গা চংজরকলবদা ঙাকপী'রোইদ্রা ? লাংতকনবা মাহংনি।

'মংনা করাদা লামখিদুনা —?' মহাক্কী শোমখাংনবা মাহৈখি।

'নংগী নকমদা !'

'অদুক লুমবা মাহৈদো তুাহনবীরগনু।

'করে মতিকচাদবা ঐনা .... ! অদুগা করিগুম্বদা নিংশিংবীয়ু মরাল মাকরবা মী অমনা চংজরকখি মতম অমদা।' ঐগী তনিক্লবা মাহৈনি। মহাক তুমিন্না লৈরি। ঐহু মখা শমথকপ্রে তুমিন তুমিন চৎনরি ঙাহক লৈরগা কুল য়োরমদাইদা মহাক্কা শোম্লাংনবা থোক্লেলনা হায়রকই।

'রাজেন — বা অমত্তা হংজগে শেংনা তাকপিয়ু ''

ঐ মাখল লৈত্রবা মীগুম কণ্ডাওনরুবা থম্মোয় অদু থংহৈদনা হা'রকপা মাহৈ অসিনা তপ্পা ২, ইচেল অম' চেম্বরক্লি।

'করম্বা নিংবা কায়বা লৈতবা ঐনা কোবা খুমজিবা ?'

'সুসিল' অদুবুনি ঐনা ঙাকপীয়ু হায়জবদি'। ঐনা খুমখি। 'নং য়ামনা শাওখ্রে'

'থোয়না শাওবগী নচদে ইমায়বিশিংগী মমাংদা '।

মহাক্কী মায়থো' অদু হায়দগী থরদি মকা লামথোরক্লি। ঐহু থরদি

'অদুগা ঙরাংস্থ থরা ঐনা ওৎখ্রে।''

'ঐনদুম ...।' মহাক্কী নোকমি ২, তোবা পাওখুমনি।

'মতু মনাংদদি লাংনকপা মরাই।' ঐমা মতৌ য়েংদুনা হায়খি।

'কেৎথদা [illegible] চাংদবা ঐহোৎলদবু — নহান্দগী শুসিকাওবদা Letter গী কাবক কাবক শুহাক্তং পাওপুম অমত্তা ইবিরক্তবি ঐহোৎলদবু'" মামা নোকক্লেং তৌনা হায়রকই 'থবক চিন-জমগ্রা নমদবাদ ঐহ ...!"

'হমেং টেবল মথক্তা লৈরিবা নহান অদুম ইবা লোয়রবনি ঐদি ফবীগীদা থংদে পাংকাওদা কাওগনরে" ঐনা খুমখি।
'হৈজদবসিদা — "

'হোইদা — ঐগী ফজদবদুদা ইগদবা চন্দুনা খুম্বদো ঐস্থ থংকৈ।'
'ফংগী নঙ্গোয়ে হনবগে'

'অদুদি কোরেল থরামুক্তা 'থনবীরকউ য়াম্মা চিনজমগত্রা? মামা ঐবু লাকহম্মীংবগী মতাংশুম হায়রকপা বাহৈনি। মাগী বহৈ অসিনা অরোনবা মগী থম্মোয় থংলদুনা ঐনা হায়দিরম্মা 'ঐখোয়গা উন্নবদা নংস্নবু শংবিদবনী — শোয়দনা লাক্কে!'
কবম্বা মস্নদা?' নোকফেং কৌনা হংলকই।
'শবু শগত্র.ন?' ঐস্থ নোকফেং তৌনা হংখি।
'লাকস্থ লাকপাঁরেয়দবদা পংহ.য় হায়জন্দুনা লংনবা হৈত্রে।
'লাক্রবদ — ?'

উন্নরেদনা — ।' মাগী অতৈবব। পাওথুমনী।
'ইস: ফাগী অমুক!' ঐন থাজদবগী মওংদা হায়খিবা বাহৈনি।
'অসেংবা হায়রোসে স্কুল য়োগদোরে শুরাংদোনা বা মথা তারমদনা চংখ্রম্সু। মীগী থম্মোয় ওৎপনা হৈরিবা মুংশিবা ওম্মোকনা থঙখিত্রে।।' 'মাগী ইমায় চোম্নবা থম্মোয়গী চম্নবা বাহৈনি। ঐনা খুমখি।

সৈভ্যা লাককে। করম্বা মতমদা লাকউগে ?' ঐনা হয়াওবা হংখি।

'পুং ১১ মুক জায়গা'। মহাকনা ইতিং তিংনা খুমলকপা পাওখুমনি

'ই: নুংশিদাং ! ঐনা ভকশয়দুনা খুমখিবা য়াইহৈব।

'ভল্লিনবে ?' মহাকনা হায়রকই

'হু"-নত্তে; "

'করিগীনো অদুদি' ? নুংশাগী চিংনবা য়াহংনি।

'নখোয়গী পাবুংখোয়না .... ' ঐনা চিংনবগী মঙ্গদা হায়খিবনী।

'তুমখুদোলা'

মহাক্কা ইচম চম্না হায়রকপা য়াইহ অসি ঐনা ইয়াংখ্রু লায়না খঙগদবনি। অদুবু ইশানা পামশিনবা উৎতনা তুংদা ইয়ান ওইরকতনবা হায়খিবা অমদি খুমখিবনী। তশেংবমক্তি নুপিনা নুপা উরসি হংয়না হৌবসে ঐখোয়গী মুসিসাগা ১০০% ১০ খক্তং ওইরমগনি ঐনা হায়া হৌখিদে হায়দুনা মাবু অঙকপী অমনি কায়বগী য়া নত্তে উননবা হায়বসিদা নুপী নুপা অনি অসিগী মথক্তা নুপাগীদ অমাংবনি অদু খংনা ২, হায়রকলবি মুসিলাসে ঐনা মাবু অশেংবা লঙর অমনি হায়না লৌর

'করে শোয়দনা লাকলগে কদাইদা উনসিগে ?" ঐন হংখি।

'অদুবুনো পুত্রী মপানগী লৈহাও মখোংদা !' মহাকনা খুমলকই'।

'শোয়দদি শোয়গনু !' ইবানিমক ভসাইমথৈ য়ানখিবা খম্মোয়

অত্থু থিৎকুপ অনা নুংঙাইবা ফাওরকপসিদা বাকচিংগী উলেন মংউবগা বসন্ত মতম ওইরকপগুম বাকচাংগী অরাবদো কাওংখোকপগুম চৌখি মীওইবা হায়রবসে কপ্পা। অমসুং নোকপা মথৌনি। কপ্পিরৈদনা কপ্পা মৈচাক। নোকলগনা নোকপগী নুংঙাইবা থংজিন্দনা হৌখি মতমনা লেপ্পুনা। রাগী শাদুনা লাক্লগনা কুপ মপা য়োংরমলদুনা ঐনা হায়খি।

'নুংসিদা শেংদনা খোরকন্তে লাকেকো চৎলো লৈহৌরগে"

ঐনা মঙাল্দ নুংশ মিৎয়েংনা নোকমি নোকমি ভৌদুনা মীৎকুপ খরগী নক থুং লাংগৎতুনা অমুক্তং রাখনা পুকচুংদা 'বাই বাই' হায়দুনা মংসু 'চনব'নখোংদদি খুমজমদ্রগা অরোইবা মিৎয়েংনা নোকমি নোকমি ভৌরমলগা মাংদা চৎখিবা মমাংবিশিং অত্থুগী নাক্তা লৈতুনা থংহৈদনা খেকথিবা সরকী কোনরবোমদা মিৎয়েংনা তাম্থবগা লোয়নবা মখোয়সু লৈশিনখ্রে ॥

নুং ৬ কোম তাংখ্রে।

১৪ বি পা.নবা থাক্তসু তরং ২ খোরকলে।

চিকলবা এপী রিডিং রুমদনি।

খম্মোইন্দুংদ লাৎচবি!

বসন্ত লৈরাং শকহেনবী!

নিংতমলবা পঙ্গৌ কোন্দা লৈকা ফম্না শাৎতুনা, মালং শহন কাইদ লৈনম পৃথিবী, অদা হুইলোম লাংদিবী মাইক-কোনগী চপুনা লাইরা থম্মোক' মরুপলোয়। অদি বসন্ত অয়ুক্তা। নৌব খোংদানবক্লিবা পাখংগী পুক্নিংগী মাহৈ খরদে—

পাইমা পুক্নিংদি সুঙোনগনু । খঙ্কবা য়াখল্লসে শাংদোকলুদরে সুংশিবা মঙোন্দা লৈহোই হায়বনৈ পুন্সি চুপ্প লমন গোন্দুনা ....।
চিংনঙ্গৈ অসিমতং পাইমা য়াখন্দা ।

অদুবু হায়রুরে তাবিদবা থম্মোই বনবী ওইরম্লুনা — করিগুম্বদা য়েকনবা তাথিগদ্রা ইনিংবনা চানবনা খঙ্কদবা এাহৈ থরসে। সুংশিবা হায়বসে অচুম অনান থাইরমদনা ইরালনি থংজিনবিদুনা থাংফম থংদা অরাব ওইবদুনা মুজাদ । মায়োগনু বাহৈ থরসে নংগী প্রেমগী থমোয় ! খঙ্জ য়াখল লমহেনবা, শিংশিং বহৈ কল্লকপোক অমাগী চেনখৈ মংদা হা শীরেল থোঙ্গুন লঙবা লমচাও খোনব মাং বা. লৈরং লৈশক তাক্লমদা মপু শিন্থা পাওখাং থাঙলে নংগী ম্রা চিংনঙ্গৈ থম্মোইনা অসিমতং ।

সুংশিগী পাক্লবা ঈপাক্তা পাম্মু সুংশি চিংনক্তা য়াখলগী নোয়েল থুত্তা পায় পুন্সী চেংখেল পুডনা পাব্রবা চুংশি ঈপাক লানমিন্নজবা ওইথোক্লয়োইদ্রা শকহেনবী ? করিগুম্বা মতমদা লাইরবনি থনবীদুনা পালেম পাম্মোগী য়ারা কোলোই ইনথবদি মুজা নংতগী প্রেম্না অরোইবা মতম কাওব ! বসন্ত মাগগী অনৌবা য়েম্নিং ময়ক্তা ফুগাইনা শাংপী শীরেল নংগী লৈকারক্তা লেঙ্গনীংই পুন্সিচুপ্প ।

অদুগা — কল্লকচাওবা সমাজনি, মিৎকুপ থুদিংদা কাওবীগনু । মৈয়ানবিগুম্বা ওাইহাকী ওইবা পুন্সিনী । লাঙ্গোই চেন্নবা সুংশিগী লাংতনা করিগুম্বদা শকথংদবী থম্মোই ওইরমদুনা তংথ্রবনু মুজাগী প্রেমদি লাংওন থুদিং কাওথিরোই।

থাজন অশিংবা মপোম থোকপগুম চহুব লাইরবগী থম্মোই লায়ুমদা লুংশি নহাক্কী প্রতিমাদো লেঙদনা ভানবীয়ুকো চামথোইরবী ।

অহাবদা কপশিন্না লুংছাইবদা নোকমিন্না বিদাইগী শম্বল নমথেক্লুনা বাইবগী বাংমা লান্দুনা পুন্সি লমথুংফম য়েনা চৎশিন্নসি়কা লুংশিনবী ! মতম অদুদা কুন্দো পরেং হক্রুগা থম্মোই ১ শিন্নদুনা লাইর থাংপোক্তা হিংমিন্নদুনা সংসার ইপাক শাগশিন্নসি়কো মতম অদুদা তৎপা নৈত্রবা প্রেমগী য়োংশিন থংডুন ফাঙগেকো চেকশিন্না । কবিগুন্বা মতমগী নো নৈনবা ওৎহনখ্রবস্তু য়ানবীবু ফংজ !

লাইরাকোন্দা পোকপনা, লুখ্রা তম্পাক্তা চাওথবনা নিংবা কাইবা থোক্রবস্তু কবিগুন্বদা বহৈ কারন থাংবিবা য়াওরবস্তু ভাকপী হৈবী লুজাগী থম্মোইশুংগী য়াব্রানা মীরোল চাম্ম লাম্নকাও ভাকপীবুকো ।

কবিগুন্বা লুজাগী নকাদা এগী থম্মোইগী পাওখোল চে অসিগী চয়বা হাবশিনা নংগী অমসুং এগী মরমদা চৎখুগা লুজাগী নিংবা কায় হায়দুনা মচেৎ-মচেৎ শেগাইবীদুনা শ্রা শোয়োক য়াংবীথক্তা চৎপা শাবী শানৌ কয়াগী চয়ন দর্শনদদি ফংহনবীগনুকো চামথোইরবী !

কাইদা থম্মোই পাওনিংখোল হুংশি পাওজেল য়াবাসে মালংনা হুন্বা নৈনমগুম ভাজনীংই নপাওখোল ভাইজবি লাইর থাঙপোক্তা ... ইখৌ লাংলবী চেক্লা নোঙ্গোবীনা বাশ

থক্ত তোংলগা নোংদোল থক্তা ওন্দুনা লাইজ ঈশিং তাইবগুম তাইজরি।

মতাং অসিদা ফোংদোক্লীংবা বাহৈ কম্না মুক্তা থম্মোই থংদবনা বাজরবা থামইনা ফোংদোক্লীংবা বাহৈ কম্নাদো মতেক মতেক কাওশিল্লকলে রাকৈগনুকে।

নহাক্কী
বাজেন

এৌন চিঠি অসি ইবা লেইরবনা নিংথনা পুপচাল্লি। অদুগা ঘড়ী যেংউবদা পুং ৮ লোম তংথবল্লে ইমানা চাক লোইশিনবদুনা চাক চাথনবা অদুগা মতম থবা তুংদা হায়দুনা কম্মুদা চংক্ক চিংথ থাহৌদনা এৌ তুমনিংবা কাওকনা তুমথকে।

১৫ নি পনবা ফাজনা নৈমিল নোংকাই থাংদ্রবা নোংমদোল থক্ত মথং তুঙিন ঙাকজরা। থাজগী নিংথবা মতাল উবদা-পাবদৈ কোবি নৈনংন মশাবী থোরক্লে মতাগুম পুমদো এৌন শাংলক্লে কাইদ ওন্দা মালেংবা তপ্না তপ্না নৈনম্মু, মফম থুদংদা যেলসাক্ল চঙ সিদা পুথি মপালগী নৈহাও নৈরেল পান্দী অদুস্মু মুংথল শাংদিবনা নৈমন চল্লক্লে অদুগা হৌংনীদক্লে হায়দুনা পোমলন্দা থরম্মু নোকাম ২. তেংদুনা শংতেংবক্ল থাজগী মডংলনা মালেমবু তাংথক মাইদনা যেন্তরব্রবদা জিব পুদিংমক মথুম মন্নাং হৌরক্লে।

থাহৌদনা অহিং ইচিক চনথরে।

মসিলা ঙসাইমথৈ শাইরিক পাদুনা পুং ১১ তাবা তাইরম্লিবনি।

থংহৌদনা পুং ১১ তাশিনখ্রবদা, হায়নখিবা মতুং ইন্না মমিৎ ভথক ভগক্রুত্রনা মাগী পাংসম পম্বৌগী কাদ চংত্রুনা তুমথ্রবন্না হায়না য়েংলি। মতমন্থ ফনা থেংখিবনা লোইনা তুমলমলে। সুসিলা হাঙ্গদগী ফিরোল শেৎচন্দুনা থোৎবাং লোইরগা লাইরিক পায়মলবনি। সুসিলা থোং ভপ্পা ২ হাংদোকত্রুনা ভফি ভক্ফং মকোক্ত, মাগী ইন্নিবা অমুবা হাওবী মভেক অত্রুন কপ্পগা মপাল থেদক্লি। চিংনবা লৈভমা লৈহাও মথোং মম্না পবপ পরপ চংশল্লক্লি অত্রুবু ঐদি মতম অসিদা নিংথাংখিদনা ত্রুংলি মুংনা সুসলদি লৈহাও মখোংদা উন্নসি হায়নখিবনা ঐবু লাক' খোঙ্গাল্লামদ' য়েংলত্রুবা লোপ্নি। মহাক পাত্রল শেংবরী মিপাই চাংভবী মুপীনি ; করন্না থেংনবা ইচক ভএবা অসিংসনা হংচৎ লা বশুম লেপ্পুনা লৈবা মহৌশাগা ? মাগী পান্ম'ইদা মুংশবগীদমক কিত্রবন্থ — "নত ৎদনীবা মৈ ইকপদ' শাত্রগ' করম্ন পুদনুংদা চংলগ্রবা ?" হায়বা রাখল অসিনা ভহাক লেপচবা ভমত্রমান্নে ভফিং ভফিং অমুক ইমুংদ' চংশন্দুনা লাইরিক পাথরে। মভাং অসিদা মহাক অসিবু লাইরিক পাবা চংলমখিগত্রা ? নত্রগা তুমনীং-কালগদ্রা ?

অত্রগা ঐদি মতম অসিফাওবা মাগা উন্নগনি হায়বা ফাও কাওবা মথৈ তুমলী। থংহৌদনা মং অমম্থ মংলি।

★ ★ ★ ★ ঐহাক ডাক্তর অমনি হায়না ভৌই। মুমিদাং পুং ১০ রোম তাথ্রবা মতম্নী ; ইমাগা চাক চামিন্নত্রুনা কম্মুংদা চংত্রনা তুমথবদা মভাইরি। ভহাক উইরোন ২ ভৌরবা মতুংদনি। নোং য়াম্না কন্না চুথিবা মুমীৎ

ওইখিবনা তুমহন্নু য়াম্না মুংঙাইখি। মুমীৎচুম্না কোইচৎ চৎলুবনা চোকথবব' হকচাং অসি মিৎকপ শুক্‌নাক থোক-খিদরে। অদুগা ইমাদি তুম্বা য়াদ্রমানে। লোক থুরি খঙহৌ-দনা মপান্নে'মদগী মুপী অমগী খোঙ্গেম্না :—

'ডাক্তর বাবু" হন্না ২ কোরকখি। ইমান' তাবদুনা থুমখি।

"কনানো, করিগীনো — ? অস্নক থেংনবসিদা"।

"ডাক্তর .... ।" মুপী অদুগী চাৎনবা হকচাং নো ইংবনা থক ২ নিকতুনা হায়রকখি।

"ইবেম্ম' তুমথবতা মঙাইখ্রে।" ইমাগী কন্মু'দগী থমখিবনি'

"অদুবু থোং অমুক্তা হাংদোকপীয়ু !" মুপী অদুগী মাঙ্গবা খাহৈনি।

"হাংদোক্লবস্নু য়'ররোই তুমথবনি — চৎলো নোং ঙাম্লগা লাকউ !" "ইমানা হায়খি।

"য়াবরবদি অমুক্তা ....' হিক্লা ২ কপলদুন হায়রকই।

"মাম্না থুনা ডাক্তর বাবুবু"

ইমা তুমিন্না নৈখ্রে। মুপী অদুদি হায়কব: লেপ্লমদ্রি। মতম অসিদা ঐ মিৎকপ খংথোক থোক্লদুনা মুপী অদুগী থোঙ্গেল অদু তাখি। কম্লগী থোক্লেন্নী।

"ডাক্তর বাবু — অমুক্তদি চানবীয়ু।" ঐ খাই লাওখি।

খংহৌদনা কুক হৌগৎতুনা মৈ থানগৎলম্মী। ঐগী মতৌ অসি উবদা ইমানা হৌগৎলদুনা ইনাক্তা চংশিন্নকলগা লোননা হায়রকই। 'মুমিদাংদা মুপীনা কোথোকপদা থোকনু কত্তে"। ইমাগী খাহৈ অসি তাবদা কিবা অমত্নু মাওরে। নোংমু

মেওংসু কয়া চুরি কৈদৌবগে ডাক্তর বাবু অমুক্তুদি কনবীয়ু ইমাগী ... ।" হয়া ২, হায়রকই । "নখাকসু খংদবী সুপী চৎলো - নোং মরক্তা চৎপা ঙমলাই " ঐনা মিসুংশি খংদবা শাত্তুনা হায়খিব রাহৈসি তাবদা সুপী অতুনা অসুম্না হায়রকখি

"মাং কাক্কন, হাকিদ্রবদি চৎলগে — হযেং নোং ঙম্লগা নং লেপ্লাকো ।" সুপী অতুনী অরেইবা খোঞ্জেল অদু তাবদা ঐ কিবা থংখিদ্রে ! কে স্লাইট শাওমন খোঃ হংহাং হাংদোক্লুনা লোকপা উবদা সুপী অতুনা মমাই নৈশিল্লকখি । কৌইথংনসু ঐদি হায় মখক খংদবনা মসাইদা ক্লোসলাইট কাপশিল্লুরি । কোস্লাইটকী শেংলাত্তুবা মমি অতুনা সুপী অসিগী চোৎকবা মথইদুংদ অদু ঐনা মখেন মরাং উখিরম্মী মশক্কি অশাংবা থংদ্রি অতুবু মহক্কী মওং অসি উবদদি থংহৈদনা কোকুনী খোং ফাওবা তু চুংখিবা খঙহৈদে । মখক খংদবনা মখোংসু কৌফম থংখিদরে । ঐ ঙহাক লেপ্লুনা নোং মরক্তা লেপ্লিরবী সুপী অতুবু চঙক্লনা য়েংদি । মিৎকুপ খরগী মতুংদা ঐনা শক্তম অদো হাপ্পসু উখিবগুম তৌই হায়-ডুনা লম্মাংনথবা বাখল অসিনা শক্তম অদু লাকশিননবা হোৎনরিঙৈদা তনিক তনিক্লা সুপী অতুনা য়াক্লবা খোঞ্জেল অমনা ঐগী লম্মাংনমবা বাখলগী নাপদা হায়রকখি ।

"মীসুংশি থংদ্রবা - ডাক্তর .... ! ঐখোয়না কপ্পগা নংমা নোকউ !" সুপী অসিগী খোঞ্জেল অসি তারগা অমুক্তা হেন্না চম্মরে । ঐ বাখল য়াওদবা অঙাওবা মীগুম রাহৈ

অদু তাদুনা লেপ্পা উমশিন্নকুবে । মনাক্তা চংশিন্দুনা — 'নহাকপু কনানো ?" ঐনা মতম অদু কাওবদা চিংনবা মাওবা হংখিরম্মী । খংহৌদনা থুক্তা পায়রিবা জোসপাইট অদুনা মমাংদা কাপশিল্লুরে । হন্দক্তী মকশিন্না তারবা লাইট অদুনা মুপী অসি মুসিলানি খংলে মহাক হান্নগুম সেংসক-খিদরে, লুকথদুনা লৈলে । মিংকপ অদুদা মুসিলানি লংকক্রবা পম্মোই অদো মকম মথাং খংখিদরে ।

ঐনা মহাক্কী পুক্কং অদু পাগপে হায়না লৈরকখ্রদি ঐগী কাইরবা থম্মোইগী হাইহ অদুগী পাওখুম অদুস্ত পারম-দমা থাদৈম মুংথংপগুম মনা লোং মরক অমদা চংখিরকী, চিংং চিবং লাওনবা খোংপাগী খোংজেল অমা তাখিরম্মী । মতুং ইন্নগে লৈরকপদা খংহৌদনা অহুকপা মহৈলগা লোয়ননা তু চুংবমথৈ পাম্মোই নিক্রা থাক-থাক হায়বা খোংজেল অমনা ঐ লৈমাইপক্তা তুনখি । * জ্ঞান লাকপদদি মংকপ খোকপগা মান্নমান্নে । পুম্নমক মং ওইনমলে । ঐনা ফক তোগংতুনা খোংজু অদু তফিং তফিং হায়দনা লৈরকপদ তুম্মুবগী থরগা ডাওবা, থাম্না পুমহৈল চাওনা উনা ইংক উকখ্রে । হাংলোক্লবা খোংজু অদু থংখুমদনা পাখংপগা লোয়ননা ঐখোয়গী কোংজোং অদু লাঙ্গাক থরম্মী ।

থাবল ফরবা অহিংসিদা কনাসু চত্রে । পুমচিক চিকই অদুগা মরক মরক্তদ মপু নিংবা তাওবনা অহিংগী অচিকপবু পুগাইদুনা খোজেল শাংনা খোংলক্র । থেক খোয়রবা লপ্পিনী । ঐনা করিমতা অকবা লৈতনা চংলি । কয়াদা খোমা কথুবা ? ইশক্তগী মাহংনি । মতম কয়াদদি

ঐমুক কিগনবসে লৈখিদবনি। অদুবু ঙসিদি কদোমদা মাংখ্রবনো অকিবা ৱাখল। মতাং অসিদা হায়জনিংই, সুংশিবা হায়বা ৱাখল অসিনা মতম চুপ্পা ইতুং ইরুকলবদি অকিবা ঠুং চুংবা য়াবা য়াদবা থোইনা লৈতে।

ঐনা লেপতনা লাকলম্বনা ঙসিজা থোরগী থোঙাল থোংবদনে। ঐ মাবু উননবা ফংলরোই হায়বা ৱাখলতনা নিংঙৈমদনা পুখং মপাংগী লৈহাও মখোঙ ঙাংনা পরপ পরপ চংশিল্লি; অদুবু মা লৈবগী কদায়গুম্বা শক্তিন অমত্তা ফংখিদ্রে ঐগী থম্মোয়সে নিংঙৈমদবগী মৈরিনা ৱাংনা চাকললকতুনা মিৎকুপ অমা মকম অদু লেপ্পা ঙমশিল্লকত্তে। ওঃ মহাক শোইদনমক্কী হৈনা থোরকতুনা ঐবু ঙাইরম্লগনি, অদুগা মহাক ঐ লাক-লম্লাই থন্দুনা শাওদুনা চংলমলগনি। ৱাখল অসি অমুক হংহৌদনা ফাওরকতুনা ঐগী থম্মোয়সে অমুক হেন্না ৱাখ্রে।

থাবল ফরবা অহিং অসিদা মহাকপু ঙহাক কুইনা ঙাইগদবসু কদায়গুম্বা মথোয়গী ইমুংগী মী নত্রগা। অতোপ্পা মীগা লোননবা থোকলবদি ঐবু করি হায়না থনখিগনি। ফরে ঙসি উননরবসু মতুং অমুক উননগনি। অদুবু মতোন্দা পিগে হায়না পুরকলিবা লেতর অসি অড্রমক হননা পুখিগদ্রা? মসিনা লৈহাও মখোঙ অসিদা থনম্লগে।

ঐনা লেতর অসে থনম্লগা, থাবল ফরবা ইচিক হল্লবা অহিং অসিদা নিংঙৈমদ্রবা ৱাথলগা লোয়ননা অমুক থুনা ঐগী থাংলোকজোমদা হল্লকলি।

মৈচাক

মমুং মতম চাক্লিরৈঙে, শীঙেল লৈশাং তমক্লিরৈঙে
থাওথক্তা কেমথিগনুকো
শাংমিরনখিসি লৈখোক অ'দা পুরনা।
করিগুম্বা ওইদ বাহৈ কয়া:না
বিদায়গী শম্বল থারকলবসু
নমথেকমিন্নদুনা অমুক্ত'দি লাইর থাংপোক্ক
মোকমিননদুনা, য়েননিংনা উরলেন থাংবগুম
হিংমিনরখিসিকো চাননথোইরবা।
হিংখো—হিংখো হিংমিননখিসি
চরা নাম্মা হেনদুনা।।

নোংঙাল্লদুনা নোংপোক থংবা অতিয়াদ সুমিৎনা তরং তরং থোরক্লি উচেক বায়া থুদিংমক হয়াও মংথাই কানরক্লি। অদুগা হৈরাং লৈরাং থুদিংমকসু ফুগাইনা শাংলক্লি। নোং চাঙ থাংদে অতিয়াসে পুমহাং হাংলি।

সুসিলা কম্মুংদগী মথবাই সুংঙাইতনা হোৎলকপা উবদা মমানা হংলকই।

"সুসিলা কৈদোয়রগে, নশা: ঙমদ্রব্রা?"

"ইমা করিগু ভোদে" সুসিলানা তপ্না খুমখি।

"শেংনা হায়মু নংবু সুংতিগা মায়দেদা, পরিক্ষা ময়াসিদা নশা ঙমদ্রবদি কমদৌনি?" মমানা মচাগী লোৎতুনা থুম্রকপা বাহৈ ভাবদা চিংননা হংলকই। সুসিলা হন্দক্তি খুমখিদরে। অদুগা তপ্না মপালোমদা থোকখি।

লম্জাংদা চাকপা লৈম্মিদি নোংমদোল লিক্লানা তারক্লগা মুৎথি হায়দৈ অদুবু সুসিলাগী থম্মোইমুংদা মমা থংহন্দনা চাক্লিবা মৈচাক অসিদি মমাগী বাহৈসে তারগা অহোইনবগুম মৈথি ফর্ক্লি।

“পরিক্ষাদি থত্তিক্লে মঙাইরে — লাইব্রিক পাররাওনে” মমানা ইমুংদগী হায়রকপনি। “হন্দকী পরিক্ষাসে ঙম্লবদি নংগী পাংলা অমত্তা ওন্না ঙম পুববনি হায়ুবনি” মতৌনা অসিংন্ত হায়রকই। সুসিলা চংশিন্দুনা মমাদা অহাবদো উহন্দনা লাইব্রিক পাংবা হৌরাক্লে। লাইব্রিক্তি সুংশি বাংৎসুনা হেনথিৎনা পাংবা যাথদরে। মমাদা অমুক হেং অমুক পা হৌরক্লে। মচাগী মত্তৌ অসিদা মমানা হৌগদবা থবক পুম্নমক লোইথোকখ্রে। সুসিলা চৌকিদা ফম্বা ঙম্লক্তে। মপাল থোরক্তুনা উথাক্তেন য়ামদা লেপ্লরি। সুংশিগী মৈচাক হায়বসে ভাসি অমা হৌবাইরে চাবা চংদে, ঙাংবা ভাদে। সুসিলা কোইরাওবী মিৎমঙ অদু পিগী ইরানা ভতিক ভতিকত্রে। ‘সুপা হায়বা মাৎ অসি থাজবা লৈহবা মুংঙম কদ্বা মখোইগী বাংনি কৈদৌনুংদসু মহাকপু থাজদুনা থম্মোইগী অবাবা ফোংদোকলুগনু।’ হায়বা বাখল অসি ফাওরকখি। অদুবু সুংশিবগী প্রেমদনা পুনশিনবদা কঙাওনরবি মুক্তাশিংবা করম্না থাজদবা ঙমগদগে? ওন্থোকপা মপোক্লী! সুসিলা মত্তোমত্তা খঙ্গরকখি। ঐনা করি লানথিবা লৈত্তুনা ঐঙোন্দা লৌনম্লিবা? মুরুম মুরুম? শোল্লি।

সুসিলা ৮প লেপ্লবদগী সুংঙাইরক্লমাল্লে পুথি মপাল-লোমদা থোরক্লী। মানা লৈহাও মখোংদা চংশিল্লকপদা চিঠী অমা তারিবদু উথিরম্মী। মিৎকুপ অদুদা মহাকী থম্মোইদো

থ'ংহৌদনা মু'ডু'ইবগী মচাক অম' কাওরকখি। পরপ পরপ চংশিন্দুনা থুনগৎপদা থ'ংলে ঐন পম্ব চিঠীনি হ'য়বা। মচা'ক 'পরংলক্তা মোমেন লেকপদুনা চিঠী অচুবু অমুক্তং কো'নজরি।

পরপ পরপ মাগী বিডি কমদা চংশিনক্তুনা চিঠী অদো পা'রি চিঠীগী ইবস্রবা মরো'ল পুক্নবদগী মুখনলাগী লো' ম'পঙ্গুন মক'শক্লুরবা ম'য়াথো. অচ নংহৌদনা চুমলকপা মলং অমগী শক্লা চুমদো'ক'থবগুম মবা লামজররকলে। মহ'কনা থরম্মা ঐহ'কসে মাবু ম' হনগে হনথা অমম্মং মাগী মক্তদা লৌনম্বা অমনি হায়না অচুবু খুঁদসদা ইবত্রা'বা রইচিংশিং অসনা মচ'কনা ঐবু লোচুং'লবদো মা'থরে। মোমন লো'কপদুনা চিঠী অচুবু হন্না তন্না চু'পা "My Heart" হায়নস্তু চেক্তেং কোনশিনজরে।

★ ★ ★ ★ ★ ★

অ,কী পু' ১১ রোম তা'খে। নোংমাইজিং নুমিৎ ওইবনা স্কুল কনা অংক্তা কানদে। সুমশাংথোংইরোমদা ঐ সাইকল তো'ংলদুনা লা'কপী। মতম অ'সদা স্কুলশিংগী মমাঙরবী অমত্তা য় ওদনা লোংরাক্তী "পুখ্রু অচৌবদগী" ঊংশং লোকপা থোরকলী মানা ঐবু উবদা' লোকাক্তেং কৌরদুনা মরু লুক-খিখ্রে। ঐসু মা'বু উবদা হন্নাওদনা লোকমি লোকমি তৌরি। ঐ মানা লাক্কদবা মাইকৈ অদুদা গাড়ীদগী পুমথদুনা লৈরি। মচা'ক ইনাক য়োঁশিনরে। ঐনা হায়রে কে'থি — "চাক চারবা ?"

"হোই চারে কদাই চত্তোইনো ?" মহাক্না হাইকেন্তুং য়েংলক্লগ হংলকই ।

"নং উরদ্রা লৈব্রিবনি ।" ঐনা নোকফেৎ তোনা থুমখি ।

"ঐসু রা অমত্তং হায়নিংই, অ ঙরাং য়াম্না শাওরম্বা ভাবে !" ঐবু মুম্না য়েংলদুনা হায়রকই"

"কৈকনু শাওদয়ে, নংদুম ....।" ঐসু মাবু মুম্না য়েংলদুনা থুমখি

ইবানিমক্ত পুখি য়ৌবা ক্যাওবা বারী শাত্তুনা চৎপি ।

"করিগীনো নথোয়গী পুখি লৈনা ২ অসুক লাপনা ?" ঐনা হংখি । মহাক থোঙ্গাদা কুমথুদুনা কমথখি ।

ঐসু মনাক্তা গাড়ী থন্নগা চংশিন্নি ।

"অদুবুরো ঈশিং চানদবা" মানা থুমলকই ।

"কৈনো .... !" ঐ মথা ভাকম খংদনা চপ লেপখি ।

"কৈনো হায়রবু করিনো ? ঈশিং থব মথুৎ অদুনা শোক্তৎলগা থক্লা ২, হংলকখি ।

"নংসে অঙাওবদোনা চোইরোল পংলোন্তু লেম্নমান্নে ।" মানা মথা ভাওকপা বাহৈনি ।

"উং ঐসেং ?" ঐনা লৈমাইদগী লৈতুম মচা অমা কক্লদুনা লোইথাই শান্নবি ।

"অদুবু করিনো হায়রোমি কারম্সি মী লাক্লগা ....।"

"ও ! মী লাক্লগা অঙাওবা মীগা লৈমিন্নে হায়খিনি, সিন্না ?" ঐনা কাগী তোনা হংখি ।

"মংসিমা ঐবু ইরাল হেক্তা ওইহল্লি, হায়গদবা থরদো কোক হায়রো !"

মানা ঐগী পাওখুম তৌবদা ইকাই খুম্নি মীৎয়েংনা হায়কেৎ য়েংলদুনা হায়রকখিবা বাইহেনি। মাগী থম্মোই শেংলবা ৱাঙাং অসিনা ঙরাংদগী বাংল্লবা থম্মোই অসে খরা ২ অরবা কোক্লক্লি।

"ঐদি অচিকপদা হায়বা পাম্মী — হায়বদি ঙসিসু"
ঐনা ইতিং তিংনা হংখিবনি
"ঐদি ঙরাংগী মতৌ ওদুনা ... !" মানা খুমলকখি।
"ঙরাংগীদুবুদি ঐসু নংসু শোইনরবন। ঙসিনবু ঙমগদ্রা হায়খবনি"

মুখ্রিদাংদদা অচিকপরনে — হৌজিকৌ নত্রা? ঙরাংদবু হায়জখিবনি।" মাগী ৱাঙাংসে হেন্নবগী হায়বরা নত্রগা ঐগী ইতৌ য়েংনিংবনরা থংগদ্র ইথং থংনা হায়রক বাইহেনি। ঐ মথা পাক তাপা হৌরক্লে। করিগুম্বা অনম কন্দুনা হায়রুরবস্ত ইকাই থংদবা অনম কননা তারগদ্রা? ঐনা অমুক হায়খি।

"নহানগীদুদি নংনা উম্নসি চায়খ্রবনি মচকী সিমতংদি .... ঐনা হায়জবনি হাবীউদনা — তৌনব্রো?" ইকাই ইকাই মাগী থম্মোই থংনিংদুনা হংখিবনি।
"ভনবগী রা নচ্ছদে" মহাক্না ৎপ্না খুমলকই॥
"ও থংজরে!" ঐনা মুংঙাইতনা হায়খি।
"ই" .... মহাক্না নোকফৎ তৌনা খুমসকই।
"য়াম্না চোপখ্রে — অসং" ঐনা কোক হোৎলদুনা কাথৎকে তৌরকই।
"অদোম, উমনিংদবগী নত্তে, পাদ্রিক্না ময়া ওইরকপাসিদা য়েংথৎতুনা হায়রকখি;

“হরেনে মতুংদা অমুক হায়বতুনি। চানিংঙি হায়দুনা থুং অবি হুপ্লা য়াপোৎনবত্তে, পুংফোনগী মতুং ইল্লা চগোই শংদবনি” ঐনা মথক্তা কাথং কাখৎনা থুর্মখি। “অমুক চচ্চরগে” ঐনা গাড়ী পায়রদুনা হায়খি। মতম অসিদা মহাক্তা ঐগী মাইং অমসুং পাওথুম শং অসি তারগা মমাই মখিৎ অদু পুম-জাং তাংলম্মি। হক্সৎতুনা য়েংখৎলকপা ইকাইরদুনা লুকথরি। মহাক্না খনবদি উপ্ত্রিংদবগী নত্তে, ঐখু লাকনি হায়বা থাজদব-দগী পেল্লদুনা ওইনজবগুম পংজাং তাংজল্লমনি। ঐনা চৎলগে হায়রসিদা মহাক থুক্খুম থুম্লক্তে। ঐস্ম মাবু য়েংবা ঙম্লক্তে।

'পরিক্ষাবু কয়ামনি বাৎলিবগে?' ঐনা সেনস অমদা পুথোক্নুনা হংখিবনি।

মহাক্না তপ্না ২, শেংথাওনা থুম্লকই।

“সুমিৎ ১২ রোম বাৎলনখিগনি!”

ঐনা মাসি তাবদা পিং লাওবা অমা ফাওরকখি। মরমদি মহাকনা উপ্ত্রীংদবগী নত্তে, হায়রিবসে পরিক্ষা অসিননি। মহাক্না উপ্ত্রবা পামদবগী হায়বা নত্তে, মতাং চাদবগীনি।

'লাইব্রেরি কয়াম পারবগে?” ঐনা অমুক হংখি।

“লাইব্রেরিকপু পাগত্রা — সুংশিবগী ....!” মকম মথাং খংদনা হায়রকখিবনি।

মহাকসে তশেংনা হায়রবদা সুংশিগী পাক্লবা ইপাক্তা ইরাক্লবা খর খর হোৎরক্লবনি। ইথন্তা সুক্লিংদা খল্লরকই

“সুংশিবা হায়বসিদি, OUT OF SIGHT, OUT OF MINE হায়বনি, লাইব্রেরি খরা পাবনা নত্তোন্দা কায়বা ওইগনি!” ঐনা অথ নৈনা তাংখি। মহাক ঙৈশিংদা মথুং অনুনা হায়দুনা শাগ্নরি।

"নখোয় সুপাগী থম্মোইসিদি ওন্থোকনা কনগে ।"

মহাককী নিংঙমদ্রবা বাঙাংনি ।

"হোই অতুদি সুপা থুদিংমকনা পুকচেল কল্লমলবস্থ নংগী মফমদনি কল্লমলোই । ঐবু লাম্না লৌগনু ।" ঐগী ঈনাই চোল্লবা থম্মোইগী অশেংবা ৱাহৈনি মহাক ঈশিং সনাবুলদো পায়রদুনা ফর ২, কায়দোক্লগা শোকত্নুনা কাথংলক্লে ।

"নং শাওগনু পরিক্ষাসিদং লোইব্রবদ নংগীদমকতা"!

মহাককী ভানীলবা পাওখুম্না । ঐনা মাগী থম্মোই শেংবা ৱাহাং অসনা মানামথত ইরানবা করম্ব হাঙ্গরমগনি মহাকনা পরিক্ষা ভুংলবনি ঐগীসু অফবনি । অদুদা নং লাইরক য়াম্না পাওখো — ঐবু সুংশিন্নবীরবদি ।" "মতম থরক্পা ওবদদ — ৱাবৌগনু ।" মহাকনা পীরাং চেল্লা হায়রকপদো ঐনা উথি : ঐসু থম্মোইসে পুবা য়াথিনরে । মাগী সুংশি ৱাথক্তুনা লম্মাংনখ্রে ।

পরিক্ষা লোইরগা পেম্না .... ।" মহাকনা মথা ভারকই

"ফরে চৎলগে মঙ্গল ওইহল্লকো ।" ঐনা নিংঙমদনা য়েংলগা হায়খি । মহাকসু সনাবুলগা কদিগা চপ লেপ্লহুনা ঐবু চাকনা য়েংলি ।

"চৎলোকো মতুং জমুক ।" শোম্নাংনবা হায়রকই ।

"নংগী ঐগীদমকতনি সুমিৎ-থা .... বাই .... বাই .... !"

ঐনা মানু হন্না য়েংলা য়েংলদুনা থৌরক্লী । অতুগা মনা শোম্লোক য়াংবীথকতা সুজা মানা মকম থরগীদমক কোইরাওজনবী মিন্নাদা পিরাংনা থুমলদুনা ঐবু পেম্না য়েংহৌরে ।

য়েংহৌরো — হে কোরৌহনবা
ভাহীরো ও মালংবা
নুংশি অনিগী অকনবা প্রেমগী
কনা খংদনা লোম্না
মকা লাম্না খম্নোই লাইয়ুমদা
চাক্রবা নুংশি মৈচাক — ।

নুজা পাওজেল

পুনসিনা হিংলিহৈ, লৈয়েংনা খংপা থোক্লিহৈ
শীল্লুকপগে পীরাং নংগীদমক !
থাংকগে অরাবা কয়া নোক্কুনা
মীথা পোম্নবা নংগী নুংশি প্রেমগী ।
করিগুম্বদা নংভনা হোংখ্রুবদি পুকচেল
ওইরগনি নংভগী নপাল !!

ঐনা নুমিৎ তরেৎনিংনাম সুসিলাগা উম্নরকতনা লৈচরিবসে মপাং কায়নরবা চেক্লানা, কাইদোং খংদনা কত্তাওনবগুম ভোয়রকলী। অসুমনা নুমিৎ ৭ নি হৌখ্রুবদা ওসিদি মথোয়গী পরিক্ষা লোইবা নুমিৎনি। অতুগা অমুকসু হরাওনিংঙাই হৈদেতে, ঐখোয়গী ফাইনেলসু নুমিৎ ৫ লিদা ঙাইরবনি। অতুসু কাক

উদ্রবা মুংশিবগী রাখলদি অঙকপনি। উরুদ্রগা মশক্তো কাওবমথৈ নিংশিংলকপদা হান্না মুংশিরম্বদগী শরুক ১০০ হেনগৎলকই।

অয়ুকী পুং ১১.৩০ রোম তাখ্রে। ইমাস্থ রাবগাইদা অষ্টি অমা চৎকদৌরিবনি হায়দুনা. চাক ভম্না থোংলমমলগা চামিন্নরগা চৎখ্রে অদুগা ঐস্থ পরিক্ষা থক্তিক্তো মঙাইরে হায়দুনা ঐগী কাদা চংলগা English Paper I পা'র। থংহৌদনা ঐনা মপান্নোমদগী মুপীনা কৌবগী খোঙ্গেল অমা তাখি।

"ও, রাজেন ...."

খোঙ্গেল অসি তাবদা ঐনা লাইরিক লাওনা পারম্বদো লেপ্তুনা তাখি।

"হো রাজেন ...." মুপী অদগী খোঙ্গেলনী। ঐনা ওফিংনা হৌগৎতুনা চেনশেংক্লগা য়েংলুবদা মুসিলাগী মমান্নবী মুমো ওইরমলে। ঐনা ঙকপা অমদি হয়াওবগা য়ান্নরতুনা

"আই কদাইদা চৎলুরিবনো ?" হংখিরম্মী।

"পরিক্ষা লোইরে হায়দুনা মুম লাকপনিদা।" মানা নোকফেৎ তৌরদুনা মওং অমা ওইনা থুমলকই। ঐ মাগী মতৌ অসিদা মুসিলাখোয় চংলককস্রা হায়বা বাখল অমা কাওরক্তুনা য়ুগী ফিভম অসিগা থন্নুবদা ওম্মোইসে পিং পিং চোংবা হৌরকলে।

"লাকলিবদু নংতরা" ঐনা য়াম্না থংবিংনা হংখিরম্মী।

"নত্তে, মরাম্নী — অ খোমাম্দা"

ঐনা মরাম হায়রকপদা শোয়ননা মুসিলান্থ য়াওরকলমলগনি থংলবদা হরাওই অদুবু মুমৈলে-কৈরৈ মতা অসিগী থললুবদা

অবাবনা ইকাইবগী মায়পোক ওইখরে। এন্না স্বর শাংবা হোম্বরদুনা তপ্না হংখি।

"কনা কনাবো" ?

"সুসলা থোইবে"। মাংনা নোক্লা নোক্লা কবিরকা চিংনমনা হায়রকপা মতৌ অসিনা এদি হংলা বাবন্দগী হেল্লা মিঙ্খন অমত্তু য়াদরবগুম্বরে। অদুবু মহোন্দগী এগী ইকাইবাসে উচনখিদে মরদু করি হায়রকপগে ?" এনা হাংখিরম্মে। অদুবো চিঠি!" নোংকফেং হৌনা কোইসল মরক্তগী চিঠি অমা পুথোকতুনা উৎলি। এদু হবদবগা লোয়ননা লৈরু ২, হৌদুনা চংশিল্লগা মগী মখুত্তগী লৌশিল্লি।

"খংজে চৎলে" এনা হায়রিবনি "অদুগা পুদনি পুশিল্লকপা কা নংনা খঙ্গিবতনি!" এনা থম্মোইশাংবা উক্তুনা সুমোংগী মফমদা হায়রিবনি।

"ইং মাদি নাংগী ইমা লৈতরবদি চংলকনি হায়রিদা, ইমাবু লৈত্রা ?"

"লৈতে" এগী মফম বংদনা মাগী রাজ্যনগী ঢাক্কইবা শেম শাবা নংদনা পুমখিবনী। মহাক এবু নোংকফেং হৌনা অমুক্কং ময়োলদ্রগা সাইকল অদু শুমাংদা অদুম থনদুনা খোংচাৎলোমদা থোকখিরে। এবা মহাক শোয়দনা চুপ্পা কৌশিনবা ওইরমগনি খনবদা মফম মরাং খুদনা কৌওইরম্রে। এখোয়গী য়ুমগী ফিভমসে খল্লুবদা, করি খুংগী ইমা লৈতে হায়না খুত্তুরবনো হায়রা ইখল্লা চৈঙরক্রে। করিগুম্বা ভুসিল্লা এগী য়ুমলৈনে-বৈবৈ মতা অসিদা নোকনখিগত্রা য়ারিভৈদা সুমোংগা মাগা তুপ মাংখ অমুক নোম্ব অমুক নোকয়েং হৌ সাইকল অমা ইল্লদুনা চংলক্রে। এ মখোয়দা মুম্না য়েংবা শুমখিদরে "ওকাইরবা

মপোক নংনা থংম্মাইদবু মখা পোংলহল্লদকো" । ঐনা কৌত্রবৈ হান্না সুর্সলা মমাই মখিত্রো অদুগা চেংডা লমতুনা ঐবু কৌরকই ।

"চংজবরকপা য়াংরাইগ্রা" ?

"এঃ অদোম্না লাইরবগী লৌশঙনি পনর্বনা চংবি-বিংলমজোইদবা মঙাই !" মগী ঐগী ফাগী হৌরকপা রুপাংনী হায়না নবদগী পূর্পবা বাইৎনি । "অঃ" সুমো ময়মনা হায়র্দাইনে অদুগা খাংথায় অনিদা — অইদি ?" ঐনা সুমোগা ওনশিন্দুনা হংখ্রনি ।

"ফাগী তৌবনি ঐখোয় অনিমনি, মাদি ইকায় থাব-তুনা চংথকখ্রবনি !" সুমোনা ইকি "হৌনা সুর্সলাদা ওঁন্দন-তুনা খুমলকপনি । সুর্সলা ইকাইখুম্নোংখ্ৰে ।

"হোইনে, মীন চংনিংদবদা নমা নংডুন ফাংরকপা ওইরমগনি !" ঐনা নোকনা নোকনা হায়খিন্দে । "চংখ্রবগী-বনিদা সুংভাইত্রবস্ত সুংডাইডনা ক্ষহাক হং ফম্মনির্ফিসিদন ?"

"অস বাজেন — থংঙ, ঐখোয়বু ইকাইবা পীবিগনু" সুর্সলানা হায়রকখ্রে ।

মখোয় অনিমক হন্নাও ২ ঐগী তুং ইমককুনা ঐগী ক তমন চংমীরক্লু । মখোয় অনিবু মোর অমমদ ফমহল্লে । অদুগা অমুক বারী শাবা চোরকই । ঐসু ঐগী কম্মুংদা খোং য়াংহুনা ফম্মী ।

"পরিক্ষা কয়াম বাংলবগে ?" সুমোনা হংলকই ।"

"ডসি ৫ নি রাৎলি তাং ১৮ দগী হৌগদবনি ।"

"ও, রাংত্রেদনা" সুর্সলান নোকনেং তৌনা য়েংলক-তুনা হায়রকই ।

"হোই মতমবু দি বাংত্রে, অতুদা ঐখোয়দি লাইম

মচাগ ওইরে থবক শুরিহৌদা লাইরিক নিংথিরা
পাঙবাফাও শংঙদে। হায়না ২, ফাইবেম্নীদা ।।"
এৌন কোঁচ থাংহুনা ঙাংবা বাঙাংসি তাবদা সুসিলানা
থুমকই।

"থংঙদা লাইরিক পাবা লোইরপোত্তুবু কৈস্থ লৈপোক্তে।"

"হেক ডাংনরুকবস লাইরবা — সৈত্য অরেম্বদা — "
মহাক্না মথরাই সুংঙাইহনবা বাহেনি।

"অশেংবদ তাম্নবনি কৈদোবগে?" এৌগী নোকমি নোকমি লৌবা পানখুম্না।

"এৌ. চঁদ কনাদস লাইরবনি হায়খিদে, অদুগা লাইরবনি থংনবদুবু অমুকস লাইরবন হায়না লংনজরুদে"। সুসিলাগী অথ লৈরবা বাহেন।

ইবানিনা ডাংনরবা বা অস সুমোগী নাপদা তানিংস্র-মারে — হায়রকই

'হেরা হেঁ ঙক্নী সনাজদবু কনানা লাইরবা কনানা ইনাক থুনবনা, চপ মান্নবসবু।"

ইবানিমক তুমন ২ লৈনৈ। সুমোনা মথা তারকই।

'মাঙেন নহাকু্নবু তোরবদি এৌথোম্নদি চরা নাম্বতা চাগে হায়রবন।"

'হোইনে ২. গুসিগী কোইসনবু সুংঙাইরকপরো ?"

"সুংঙাই' — থি।" সুমোনা থুম্নক্ত্রহৌদা মহাক্না হান্না থুম্নকই

'কৈ ········ খংদে এৌবু পরিক্ষানা ঙমগদৌরিত্রা ?" এৌবা কাগি তোথিবা বাঙাংনি।

"হেম্না লাইরিকবু ঙমহল্লেত্রো — নশাহুক ফম্নিবদবু।"

সুসিলাবা মোমোন নোক্লহুনা হায়রকই। ঐনা মাগী মিৎয়েং অহুবু থবাই তাবা য়েংজবহুবা থুমখিরম্মা।

"হৈত্রবদি— ?"

"থওংগে অদোমগুম্মা লাইরিক ফরবনি — হৈত্রবসু তঙগনি ঐদি।"

মতম খরিদা সুমাংদা টেবল মথক্তগী "তংবা কুন্না পরেংগী" ★ থাংচ থক্কা লীরারৈ হায়বা" বুকনি অমা পারম্না লৈরি। সুসিলাগা ঐগনি সুমাংদবু কনম্না য়াখম্না লংহুক্লি। তংক তঙক্লা য়েংহুনা মাইথোংদা ইকাইরকখিবগুম কোংদ হুর্কি।

"সুসিলা থংজদা পরিক্ষা জুম্নবসু— মমা তৌখিনিংগ্রে।"

"কৈদোবগী" সুসিলাগী চক্রব ফেৎনা হাংখি।

"চুম্না — মীনা পিনা থবা কৌরম্ন শাবা!" ঐনা হায়খি।

"তোরগ — করম্ন"

"পোকঅ থোকঅব!"

"লুপাবু কয়ানো?" মাং মথক্তা হান হংলকই।

"মাম য়াম্মী।" ঐন খুমখি

"কমদোনা লাইরিক অম্ন লেক্লগ শিংদোয়বা — ?"

চাক্লব মাগী ৱাহৈনি

"অহুবো পাইলোট — নাদগ মেন্ড।" অগুইবগুম হায়খি।

ঐগী ৱাহৈনিং অদি তাবরা মক লামথোক্কলগী মমুক্তা পিরাংগ লোয়নন মকখিলক্লী মহাক্কী মাইথোংসে। তবারবা চিন্নাল অহুস উমশিন্নাদবগুম— থবক ২ কংশিলকই। মহাক্না লোম্বাংবন হায়রকই

"মতম অহুদ ঐখোয়গীদা নিংশিংবিরকলোইদো।।"

'ফাংগি খোবনিদ —'' ঐ নোংরেনা মহাক হরাওনব হায়খিনম্মী

'ফাংগি নবাস্ লেপ্লু চৈ নরা — ?'' মহাক্কু য়াম্না মুইকনা ৱাংদোবগী মঙ্গংশুম হায়রকই।

'শাওনমাম্রে, মীনা ফাংদে। কৈরগা'' মহাক হরাওনবা ঐনা হায়খিবনি মহাক থোংগী ব অঙাংগী চাংদম মপান-থোকপা গে ডুনা চৈনারে অদুগা ঐনা হমুকম্লু হায়রি

'সুমিন্না কদাইদগীনু ইমা মথন্তু' পনরগা চৎলুসিদসি।''

য়াইঙ অসি হাঙদা মহাক অহাৱা থবা কোকপগুম ময়াইদো ঐগী লোকনা খোংশনকুনা হায়রকই

''চৎলুনা ইমা নুং মথন চৈকহৌগদে''

''চৎকে ইমানবু য়ুম্পাল'' ঐনা মহাক্না নোকাকন্দ কৈরগা হংদ্রবা ৱাহৈদা অমম অদিনা সুমাং ইচ্ছদগী য়াংচাং অসি তাবদা নোংন্দি ২, কৈন্দুনা লাইথ্রাক্তা প্রেক প্রেক লাগনা চেনা পংফাক্তা ফাংকুং অদুদ সুমিন্নাগী মকখিলুরবা মায়পাংদা থাক্না অমাক চৈচিন অন্ত্রগী অচৌবা মপা য়েংকপদা হংদোক পাবেংদোংকপগুম মকা লাইথেংকই।

সুমিন্নানা হঙই

''মামদিমা — পোকপগী চেং ফাওবদা নহাক্তগী থাক-য়ক্রিবনিনা।''

ঐ মহাক্কী পাওখুম অসি তাবদা নোকখিংবা অমদি ইকাইখোই তোদুনা ইশাংগি অকম খুদংচাক্তা চৈ চৈদুনা হিৎ কুপ্তুবা মথৈ য়েংলি। অমুকস্তু মথা পাবকই।

"ঐখোয়নুদি নিংশিংবিগ্রবম্ন অপোকপী পলেমদ হুন্দোক-পিরমগনু।"

"হোই অদুবু শাওনিংলুবরো .... ?"

"থোইনা শাওকবা নচ্চদে, অদোম্বু LIFE কীদমক্তা 2ND THOUGHT লৈতবদুদা খরা সুংঙাইজদে " সুসিলাগী অর্থ লৈরবা বাঙাংন। মসি তাবদা এনা হায়খি!

"হোই পংবসিনবু ভৎস ফাওবদা মীথা পোম্লগ্লীবসিনি "

"কনাগী —!" মহাক্না ডক্ক পুংঙাইতবঃ অমদি নিংতমদনা হংলকপা রাহৈনি।

" লাইরবগী !" এগী পাওখুম্লী।

"হোই চুম্মি, অদোম্বা ঙসি এখোয়না নিংকুপ খরদং ফমজরবসিদা অদোমগী অবাবা কন্দিসন খর তস তৌনা ঙাংবিরিবদে, মুম্ন খম্বুরুরবদ এখোয়না মাঙ্গা .... অস।" সুসিলা হরা ইকাইবগী মও গুম হায়রকপা রাহৈনি

"হস রা থংজ্ঞানবিবা য়াম্ন হৈবদে, উকিলকা ওইবিরবদি — !' এনা ফাগি নইনা রারোদনবা হায়খিবনি। মহাকসু ফাগি ওইনা খন্দুনা থুম্লকই

"উম, অদোমসু জর্জগা ওইবিরম্লবদি — প্রজা য়াম্না ওৎলমগনিদা "

সুমৈা থিক থিক নোক্তুনা রাহৈশিং অসি তাবদা হায়রকই।

"জর্জগা উকিলগা ঙাংনবসে য়াম্ন সুংঙাইখ্রে মথং মথং ঙাংনবিখো — মতম য়াম্না লৈরি ' মিস্টর, বাঙ্কেন, মিস সুসিলা !"

মানী রাহৈ অসি তাবদা এখোয় অনি ফাক ফাক-ওনশিন্নদুনা নোক্নী

"হুঁ নত্তে, ইমা লাক্লগনি নখোয় অনি চৎলো', তানবগী রা নৎত্তে, ।" এনা হায়খি।

"হুঁ, অদুগী বা নত্তে, নখোয়বু ইকাইদ্রনে।" ঐনা তপ্না হায়খি।

"ইঃ কৈদৌবগী অতোপ্পসু নত্তুনা নখোইগী ইমাবু নংবু ইকাইদ্রা?" সুসিলানা নোক্লা ১ হায়রকই ঐসু মায়বদি মখোয় চংখিনবা পংহাইতা হায়খিনগদবনি

"অদুবু করে ইকাইদ্রবদি, করিগুম্বা ইমান হংকং-লকলবদি?"

"চংকসদু ক্লাস ফেলোনি তারখিনসি"

মখোয় অনি লোম্বা য়েংনদুনা নোমমি নোকখি তৌরে।

"লংকরে কৈদৌরিংদদুনা আদ্রিবাস চচ্চরনি"

"অস আপাম্বদবু কৈবীনিংদবগী লৌবনি, কৈখিগে হায়রবদি লাইবক ফবনি" ঐনা হায়খিবনি মামা ঐনী বাহৈসি তাবদা অমুক থুমলকই।

"কৈদদ্দোরগে অদদি য়াবগদ্রা?" ইনাই মুংশি য়ায়রবা বাহৈনি

"কাপী তৌদুনা কৈদহৌরগা হায়রিবদা, অচুমবা ওইরমলবদি অসুক য়াম্না য়াজরিবা থম্মোয় অংস বাবয়োইদবনি" ঐনা থুমখিবনি।

"ভদুবু মমাং চাখিদবনা — চিন খিবা তারে — মতম অমদ!" মাগী ইমাই চোয়বা অর্থ লৈরবা বাহৈনি

ইবানিগী বারি অসি মথক থত্তুনা সুমোনা হৌগতুনা হায়রকই।

"য়াক্কেন চংলগে — লাইরিবসে ঐ পাক্করগে!"

"করে" ঐনা থুমখি। মখোয় অনিমক হৌগৎলকএ। ঐসু মখোয়বু থিজোকদবগী হৌগৎলি। সুসিলানা মোয়া অদু লোইশিল্লদুনা হায়রকই।

“ঐখোয় লাক্নবা উচাই চাইসে, চেকলাগে।।”

ঐনা মখোয় অঁনবা নোক্নবা য়েংলি মথংদগীদি মখোয় অনিমক ফাইকনা ইম্ফালগী অচুম্বক ঐবু মীৎয়েংতবা বীদায় পীবমগা নৎখ।

অদুবু মুক্তাদো তাফনিংবা কয়াদি কোংঙমদনা উকাইবদগী নিংঙমদনা চনাখ্রে অদুবনি মুক্তাগী কোংঙমদনা উবদা চাক্লবা থম্মোইসে ওয়ক্তাদ্রি মিৎনপ অমা পেমফিনবা। অদুনা রাখল অতু পুবতুনা ঐনা ইমংদা চংলকই মগী অসিগী থাগৎপদনা কাওপোকলুববা ম্যাম্না লিখবা চিঠি অদু শিংশিনকনা মোন মথাদগী লৌথাক্লগা তনি হবা হাদোকলুবদা অয়ুম্বা ইরমী

MY DEAREST

পাম্বা নহাক্কী লকমদা পাহল্ল শোল্লনী মুক্তানা থম্মোই-মুংগী মুংশি রাইজ শংদং চংশবা লেংকত অমদা হাপ্লুনা থুদোলজখিবা, মতিক চাদ হায়দুনা নংববীগগুকো মুংশিবা। কোংদোক্লীংলি লোক্লানি, কবিগুম্বা কোংদোকলুরগা নহাক্কী মুংঙাইতবা থোকলগদ্রা থনজতুনা ওয়ক্তাদ্রি ইক্তব রাখলগী মথা পোল্লবা কললগা। রাইখ থরদিং নংগী মীৎয়েংনা ....!

ইকাইথীবী মুক্তানি, কোংদোগ্রীংবা কয়াম্বা মতোকই। অদুবু চিক্লবা থাবল্লক্লা মুংশি রাপ্পী কয়া শাজনীংবা ঐবু ওক্তবী মুপী অমনি হায়না থনবীরগদ্রা ?

থাবিকথা কৌবী নৈরাংনা মকা কম্মা শাৎচনীংবা মশাবী থাজনা পোকপীরক্লুবদা অরাবা! ঈপাক্লা নৈরাং নৈমন চনখিবগুম থোক্লগদ্রা মুক্তাগী রাখল ? হন্দকী মপোক লাংডোম্ন মংগী থম্মোই নৈকোন্দা ইনিং তম্মা শাৎচনিংবা তম্বীরম্মোইদ্রা নহাকনা ? কবিগুম্বা লাইবকনা তমলকত্রবস্থ

তোম্বী মুজাগী থম্মোইদা অতৈবুবু লৈরিবা মুংশি শক্তমদো মুংথিগনি হায়বদি ওইতোক্লে। মতম অদুদা চৈথাক কম্বা শাতেম শক্তেগী হবা কোক হম্ব ইংগিবেই. থক্তরুব মতম মথুদা থংবীরকনি

গমলা থক্তা শাংদৈনি লৌবীরবস, মাইরু কোমলা যেমুতাগে ওইহনবীগমকো মুংশিব থংনাগী মেচাক এঙী থ্মেতবু ঊশি কংত্রবা মরুদ্যানগুম !

লৈপখবা মুজাগী শুকতেন্দি তুরেল ইচেম্মা হক্কংবা চৈথংভবগুম করিগুম্বস হোংবনী থাকবীগম অদগা লৌইরমদাই মতাং অসিদা নহাককী নকমদগী অসিমতং মিঙম্বি পান্থিকীশ লোইবে য়ায়বদি নহাক্কী অতুগুম্বা শুং ১১ তাকন লেখোরকউ, কশিগুম্বা অদোমগী নীংবা কার্য্যবগ্ম মুংশিমমগী হায়জরক্লিবনি থংবিগুম্বা অমদীনচা থম্মনি থমদা থাকপীবা।

মতাং অসিদা। নহাকচুবু ওনিংবা ওইতমত্রবা কম্বোইসে ওনিক ওশির্কবিত্রবা শৈকদ থংবিদবে—হায়োৎখিবু, লোইরবে।

মহাকী তোম্বী
খুসিলাক

ঐনা চিঠি অসি থংহৌদনা শাবী লৌইরবীদা থজিংতুনা অমুক্তং থংচুপ চুপচরি।

পাওমেল

নুমিদাংগী থংহৌদনা পুং ১১ হোম তাশিনখুবদা, ঐ মুমদগী লোম্না মপান থোরক্লুনা স্নিপা-খার তানা পরপ ২ লাক্লি । নুমিৎ অসি পূর্ণিমা মতুং ৪'৫ নি কোনবা ওইবনা হৌজিক্তু চাঙ মরুমদগী মঙাল কাওবক্লি   অদুগা ঐন লেপ্তুনা লাকপনা স্নিপাখোম্বগী থোংনাং হৌরে । মতম অসিদদি খানু মপুং ফাবা তানখোয়ক্লে   ঐ মখোয়গী মাম্না চেংনা বাচেংনা শঙ্গুনা লোয়্নিবা কোক্লোং অতু তপ্না থাংদোক্লুনা পুখি মপা'লগী লৈবাও মখোং তপ্না চং'শল্লি । ঐনা লৈবাও মখোং হৌরবদা মসিদাদি লৈরমক্লে ।   ঐ মহাক কিক্লুনা লোৎপনা হায়দুনা তবক তবক্না কোয়রেং হেংলি ।   অদুবু মিৎকুপ খম হেং-ঙবা ফাওবদা মী লৈবগী শাখিন ফংজ্রবদা থংহৌদনা ঐগী খম্নোইদা মৈবি মাংনা হ্রোক ২ মখোল তৌনা চাকপঙুম ভৌরক্লি । ঐ মাম্ন মাম্ন শাওনিংলক্লে । মহারস্তু লাকউ হায়রগা খোরক্লুনা, ওইস্তু — । ওং মহাক্লা তশেংনা ঐন্নু লৌনবনি । ঐগী মাখল খুদিংমক অসে অম্না-মবনি ! থিক অনেখনা থাজ লাম্বঙুম খরমগনি মাখল অসিনদি ঐন্নু বাহল্লিবা ।

ঐ মাখল অদু খম্নরুবগা ইকাইবা অমদি অম্নাবনা মকম অদুদগী থোংকাপ অমা থাংদোকপা তমখিদরে । মিৎকুপ খরা নিংজিং মাংজিংনদুনা লেপ্লি । মতম মাৎলিখম্না হায়খনু ঘড়ী হেংবদা পুং ১১.৪৫ হোম তায়মলে । ঐ খম শাংনা

অমুক্তং হোম্বমগা ভপ্পা ভপ্পা খোংথাং ১।২ দং থাংদোম্বকই। মিৎকুপ অক্লুনা খোং হাংদোকপগী সে হায়বা মখোল অমা ঐখা তাবি। ঐ চপ লেপভুনা হল্লা য়েংখিবদা কিমুনা মখা পুক্কক কুপ্পবা মুপীবা মুপাম্বাদি থংদবা মী ১ খোম্বকপদি উবনী থংহৌদনা ঐহাক পিং লাওখা অমগা লোয়ননা চপ লেপকুনা লৈবি। মী অদু হল্লা হল্লা য়েংদুনা লৈহাও মখোংনা চংশিল্লকই। ঐস্ত ওকপগা লোয়নখা মুক্তা য়েংলি। কি হায়লোক্লুবা মতুংঙদি মহাক অদো সুসিলাবি থংলে। ঐ চিংনক্লবক বাখল অদু কোক্লদুনা মহাক্লা কোইহেং য়েংদুনা লেপজিল্লৈদনা লোয়া চংশিন্দুনা মতুংলোমদগী মাগী লেংজুমদা থংপাম্ব পায়শিনলুরে মহাক থকৎপা অমদি অকিবগা লোয়নবা "উমা .. কাবনা লাওরকই। ঐখা মাগী মচিন্দা ঐগী খুৎনা তপ্পা মেন্নবগুম থমখি। অদুগা হায়খি।

"সুসিলা ঐনি-নে!" লোয়া ভপ্পা হায়খিবনি। মহাক্লা পাখৎপা অমদি হয়াওবনা থকৎলদুনা খোজ্রেল নিক্লা হায়রকই

"হাৎবু ভাওব্রমি? অমত্বদা।"

"নখাক্না পংজ্রনে ঐনি কায়বা"? ঐখা মাবু মুনখা য়েংলগা নোকমি নোকমি ভোত্নুনা হায়খিবনি।

"অচুবু নাক্লগা পাকই হায়বা মাত্রা লাওগদবা থজিক্কা ভাইবন্তীদো।"

"সুসিলা লাওবু লাওমম্ববদি ঐদি পোয়দনা চেন্নমগদবনি।"

ঐগী মা অসি তাবদা মহাক্লা ইকাই সুংশি মায়না তপ্পা হংলকই।

"লাকপবু কয়াম কুইরবগে?"

"য়াম্বা কুইরে "

"ইস য়াম্বা শাওরমগনি ।" নোংমি ২০০ হায়রক্লগা য়াহেনি

"কনাবো" ঐন্না খংদরা শাদুনা হংখি ।

"নহাক ।"

"উ"

মহাক ভুমিন্না লৈথে করিগুম্বা রাখল খর [illegible] অতুগা থাবল কয়রা অহিং অসিদা ঐনা ম'ম তদি মিংরুপ অমা মায়োক্লনা লেপ্লা গমত্রি । ইশাস্লে গসিদি মত্তাংমা ইগো তৌই । মন্না মইখদি নুংথিল উন্নবদস্ত থোইনোক্লা ইক্লাই-জখিদে, পংতাংতা মতাংরে । মাস্ত ঐবু থোইনা হেক্তবা উখিদে, অতুবু মী চিক্রবা কমা উত্রবা মকম অসিদদি ম-ঐগী থম্রোইদা নুংশিবগী তইনা ইকাইবগী পাম্না খজিক ২ খারক্লী । লুকথন্ননা লৈরিবা মহাকী হকচাং অর্দু ঐনা কোনগে থলুকপদা অমুক্কা হেন্না শাথিনা ইকাইবা হেনখে । করিগুম্বা ইকাইবা অসি খানোকতুনা মাবু কৌমুরথস্ত মহাকনা ঐবু য়াম্না থাজশিল্লোই । হায়বা রাখল অসিনা লমজিংতুনা ঐগী রাখল পুন্নমক ইকাইবগী মখা পোনখ্রে ।

মিংকুপ খরগী মতুংদা ঐনা মখা তাখি । মহাক্কী মাইথোংদো তপনা তপনা থাংগৎলক্লি ।

"য়েংতৌই য়াসিদা—ঐনা অসিদা লেপকনম্লীমদো নুং খংলরা ?"

"খংদে — করিনো হায়রো ?"

"চংলগে তৌরম্নিবা ।" ঐনা হায়খি ।" মরক্ত শাও-বদা লোইশ্রবনি ।"

"এ, শাওববু হৈববনে ?" নোকমি নোকমি তৌবা মীৎয়েংবা য়েংলদুনা হংলকই।

"ইকায়বা খংদিবা ঐবুদি শাওবা হৈতদি !"

"ও করাম শাওব্বগে, অয়ুক্কগা ..।" মূহাকনা ঐগী ফুরিৎতা পাযবদুনা হায়রকই। ঐনা মাগী মথুং তপ্না ২ পাইশিন্নদুনা হায়রম্মী

"কাগী তৌবনি শাওদ্রেদা; .... মা ১তা হংগে;"

"ঐস্ব হংগে তৌরিবনি !"

"ও অদুদি নং হান্না হংজো"

"নং হান্না হংজো।"

"হান্না হংলগা অশেংবা ভাকপীরকুদি।" ঐনা মাগী মথুক্তো পাইশিন্দুনা তপনা চিংশিনখি।

ভাকনি নৈত্যা।" মাস্থ চংশিন্নকই।

"ভাকপুদি ভাকপীরককনি. হংলিবনিনা অতুদা —।" ঐগী কাগী তৌদুনা মাগী মবুক থোবা বাওংনি। ঐগী মাথম্দা ওসিদি অশেংবা মহাক্কী পুকচেল থংবা পাম্মী " করে কাগী তৌদুনা পংথাংতা ওাংলগা মাগী থম্মোই থংলগে " ইত্তোয়মতনা পুক্রংদা ওাংজবনি মহাক্কা ঐগী বহৈ অতু ভাবনা ওইরব ওম তৌনা হায়ররকই

"মহাক্কনা নবুক শেংদবগী থজবনি।"

অয়ুকস্থ তপনা ঐত্তোন্দা ওাথবদুনা মথা তায়রকই।

"নত্তে য়াকেম ....!" শোর শাংনা হোন্থখি। "ঐবু হৌজিক ফাওবা থাজব্রবা — ওইদবা করম্বা বাহৈ হায়খিদুনা ?"

ঐনা অমুকস্থ হায়খি য়াম্না থাজদবা অমস্থং নিংথম-খনথম তৌনা।

"থাজদে থাজদে, মুপী হায়বা জাৎসে মুপাশিংদা য়ুম্না লৌনম্মী। অ মুসিলা নংমু খংলমগনি, হৈ লৈগুম্না খোৎলথি মুজাশিংগী থম্মোইদি মপানথোংদা মুংশি শায়বমু অমুনবা হৈদা তিন চংবগুম ওইদবা বত্তে।"

মুসিলা ঐগী কাগী ভোজুনা মাগী পুকনিং থোবা বাহৈ অসে তাবদা মথবাক শোকনা তপনা তপনা ঐবু চাগদবগুম য়েংলম্বদগী নুকথখিদুনা হায়রকই।

"সাধুবু ওয়ানবনি হায়জিনবীরবদা কনানমু হয়াম্দে থাজ-রম্লোই।" মাগী প্রেম্না ইমাই চোম্লবা ভুরেলগুম ইচেল কম্লবা মুংশি য়াম্বা অসি তাবদা নুকথখিবা মাইথোং অদু ঐনা তপনা তপনা থাংগৎচরি। "ঐহাক্তী পুনসিদি ওইদবা নংগী মুংশি বাহৈনা লাম্লোই চনখিবনা হাপথুবা থম্মোই শেংনা মুংশি ভিক্তাদো ওমজয়োই কৈদৌউদমু লৎনবা।"

"লত্তে লৎনবা নংগী ভিক্তাবু"।

"নত্রবদি অমুক বাহনবীগনু"। থম্মোই শোকনা হায়রকই। "পুম্নিগী তাংজফম্মী নহাকনা।" "অদুবু তাংজকম ওইরমলবস্তু উভাংবীনঃ কাকয়েল খুজিম্দা থক তাংজক্রুদে — ঐদ ....।" ঐনা বা মথা তাদনা ভুমিম্না লৈখি। মহাক্তী অসিগুম্লবা ঐগী মত্তো মাম্লবা বাঙাং অসিনা মহাক্তী থম্মোই অদু য়াম্না ওৎপগুম তৌখরে তক্তোয়বা মায়থোংদো মুমিদাং ওইখিবন ভাংশিনথুবমু উবদি উখিদয়ে। অদুগা থংথোয়কপা বাঙাং অদুনতদি ময়েক শেংনা তাক্লি। মিংকুপ থবগী ভুদা ঐন অমুকমু মাগী মপুৎ অদু লেংজুমদা থাজৎলতুনা য়ামর্দু চাকপগী মওংদা হায়খি। "নহাক্তী লাইবক কয়বা পম্তো-কোম্দা পোকপীনি অদুগা ঐহাক্তি লাইরবী নুপ্না ভম্পাকতা

চাওরকপনি, খিক অবেবনা খা লাখা থোকলোইদ্রা — ?"

ঐগী অসিগুম্বা বাহৈ অসি তাবদা মাগী কোইরাওনরবি মিগ্না খঙ্বালদো পিগী ইমানা তনিক তনিক্লে। বা মচেৎ অমাকাও ওংলক্লে, নুকথখিবদগীদমু হন্নৎত্রে। থাজবা নিংবা কাইরবী নুঙ্গাগী মায়থোংদো মুন্না য়েংবা ওয়্যক্লমাক্লে, নৈচল মচেৎ অমগী মরুমদা চংশিনখ্রে। ঙা-ফুং ঙাক্ফুংলব থাজগী মঙাগ্লক্তা সুসিলাগী নচোৎবা খজাইদা মতম ২ তৎলবা মুক্তা পরেংগুম লংলবা পি চপ্পম খরা লেপ্তুনা চেপ্সরক্লি ফাগিনি খল্লুরগা ঐগী থম্মোইদু নুঙ্গাগী পিরাং উবদা তনিক তনিক্লে

"সুসিলা সে অমুক্তা য়েংলকউ বা অমা হায়গে" মঙ্গী অদু য়েংখৎলক্লবা ঐনা হায়খিবনি। বাহৈশিং অসিনস্ম ঐগী চংয়েংনি লোইত্রি 'য়েংঙোই, পাক্লবা সংসার অসিদা নহাক্লবুদি ঐবু নুংশিবিবি অদুবু লাইরবা ইনাকখুববা হায়বা পনোন অসিনদি নং ঐগী মতম অন্দা য়াম্না পাপথোকন-হনলকখিগনি — মতম অদুদা ঐগী থম্মোইসে মরুভূমিদগী হেনখিগনি মদু নহাক য়েংবা ঙমগদ্র — ?" ঐগী শোন্থ্রংনব বাহৈনি।

সুসিলা হিক হিক কপ্পা হৌরক্লে। অদুগ য়াম্না নিংঙম্লনা শোম্থাংবনা হায়রকই। "বাজেন অমুক ফাগী তৌরগদু।"

"ও! ঙসাইমখৈ হায়খিবসি ফাগিনি খন্দুনা — নংগী বাখল লাম্না — লমজিংলুবত্রা।" ঐমা মাগী লেপ্তুন শিনথ রক্লিব। পিরাং অদু চেৎন। কোনশিনজদুনা তৈথোকপিখ্রি অদুগ থাজন্ম অমুক নৈচিল মরুমদগী থোরক্লুনা নুমতান ঙালক্লে।

"অদু হায়নবগীদমক্তবা ঐনা উবব পামলুরিবদি — ইসঃ

নহাক্কী থম্মোই !" মহাক্কী মাইথোং অতু বাহে অসি লোই-শিনখিবগা লোয়নবা তপ্না তপ্না হৈজোকখিরম্মী । ঐ মাগী অশেংবা মতৌ অসি উবদা হয়াওবা অমদি নোকশিংবনা থাওবা ওমশিন্নকত্রে। অদুগা মহাকপু নুংশিবদি হায়রকপা শরুক ১০০/১০০ হেনগংলক্লি।

থাদোকপগী বাদি কৈদৌম্নুং
ওইথোকলরোই মহাকপু
লাইরবা ঐগী পুন্সিবা।
ওয়বা চৌওম্ব কা-সম্ব
পাক্লবা সমুদ্রম্ব লানসম্ব
পুগনি মহাক্তম্ব পনথুংকমলা
থমজগনি চেৎনা চায়'—।
নুজা বাখল্লবু থওশিংদুনা:
লংঙ্জবনি বারৈগেম্ব '।

ঐনা অমকম্ব মাগী মখুৎ অতু চপ্পগা হায়খি

"হায়ু—মতম অতু য়োম্নকলবদা ইশানা হোজবা মৈয়িদা ইশামক মৈরানবী ওইদুনা, মোওকম থীবা তাবোইদ্র ?"

নুসিনা থম্মোই শোক্লা অমুক্তংদি নোকহোগে মতাওম পিরাং-লক্তা নোককেৎ তোংকুনা হায়রকই।

"বাজেন থাদোকপীগমুকো ঐহাকপু। অশেংবদি—নংগীদমক্তা শিন্নজবা পিরাও তাহনবীগদুকো 'অয়েম্বা....

"অ... মত্তে, অশেংবমক নুংশিখগীদা মঙ্গলগা ঐবু লংনখিত্রা-?"

মহাক্কী থোয়রাংনববা বাহংনি ॥

ঐ ওহাঁক তুমিননা লৈশিন্নখি। অতগা অমুকত অঙ্গুবা হায়রকই।

"হায়রোমি-সে-নংসিমা···নুডনী হেজো কনদ্রে।"

"সুসিলা নংগুম্না সুংশিবদি ঐগী পুস্তদা লাইব্রেরী পলেম কাওবদা কাওরকত্রি অদুবু ঐনা হায়রিবত্নি— করিগুম্বা— ॥ সুংশিত্রবদি অহিংদা নংবু উন্নবগীদমক তুম্বা শিংনবা লাকত্র--?" ঐগী থম্মোইদা শোক্লা হায়খিবা য়াইতেনি ।

"অদুবু ঐন ওয়োই হায়রিত্র থাকত্রগা চৌত্তিংনসু চংলসি "

মাগী অশেংবা সুংশিবগী বাওাং অসি তাবদা ঐ শোক-নিংলদুনা থিক ২ অমুক্ষং নোকুগা। মাগী লাইবক্তা তারক্লিবা। শস্নাংদে খোমগংলদুনা তাইখি ।

"ইঃ ইঃ য়াম্ন-য়াবোইদনা— অ নংবু ওমগত্রনে- ?"

"ঐবু লংনরগদ্বু চংলসি——— ।"

কাগী কাগীদগী মহাকনা তোরকলিবা মওং অসিদা ঐ য়াম্না চিংনবা তোরকলে । করিগুম্ব মহাক্না চংসি হায়বসিদা য়াকবা শারবদি ঐবু মীনা— অতগা লাইরিক তম্বা অসিমু তেংকপা" ॥ ইশক্না মওল ২ থক্নুনা ঐ অমুক য়ারক্লে ।

'করে ওসিদি নংনা ঐবু সুংশিবিদবদি য়া ১ হায়গে ওমগত্র— ?'

পাঠক ! মতাং অসিদা হায়জনিংবদি, করিগুম্বা সুজা অমগা খেংলবা অহিংদা উন্নবা খোক্লবস্ত সুজাদুগী থম্মোইদি থত্রিবদুনা. বা হায়গে - ওমগত্রা ওম্মোইত্রা হায়না হংবিরুদ্রবদি অশোয়বগীদমক্তা থক্তিক ২, লেপ্লমলিবী শাম্মোদো য়াওাং অদু তাবদগী চিংনগনবী থম্মোয়দো অমুক হেন্না থাজদনা য়াঁয়ক-লারোই । অদুবু সুসিলানি অসিগুম্বা ঐগী ওন্নীংবা মওংদা ওনবা য়াম্না য়াকং অসি ইবাই লাইনা ওমগনি হায়খি ।

'হায়বো কম্নি য়াদো ?'

সুসিলা পি অদু ভৈথোক্লগা হরাওনা হংলকই ।

"অদুবুরো - সে" ঐন খুৎ য়েত্তো তিংথোকতুনা "খুনিংথৌগী খুত্তোন অসি নংনা ঐবু সুংশিরবদি ঙৈ থোকত্রিক্লাওবা চিকউ, মতুংদা করিগুম্ব অয়োং হায়রকলবদি নংবু সুংশিত্রবনি খল্লু । মতু ওনদ্রবদি ঐসু মংনা ঙাংব খুদিংমক ওইদবনি খনগনি "

চেক্লেৎ কোমশিল্লকতুনা হায়রকই ।

'সুংশিবা ! অদু নত্তবা নংনা থাজগদবা অমা হায়বু। পাক্লন শোনবীনি - অদু ওইরবসু নংগীদমক্তী হ্ চাবা ঙমগনি ।'

'নত্তে ঙমলোই হায়রগা হায়রে— মসি নত্রবদি থাজবগী থাংমদ কৈথে ঐগী য়াথল !' ঐনা শেংনা হায়খিবনি ।

"করে নংগী নীংবা থুংনবগীদমক্তা ওইরবদি চিক্লগে কো ।।" মোমোন নোল্লদুনা হায়রকই ।

'উং' ঐনা নোকখি ২, ভোড্রনা সুজাগী মাইথোংদা ইঙ্গীৎ পীরি ।

থাজ মাসু অসিগুম্বা সুংশিবগী মকত্রবা চাংয়েং অসি য়েংনিংবগী মতাংগুম থুনা য়াংনা কাথৎচরকপদা থংহোদনা পাইশিল্লকপা অনুবা কৈচিন মতুম অমনা, "মথোয় অতিগী থাংশকসে কন্দক মপোক্তী নত্তে য়েংলুগদবু হয়েং কষ্টঙ্গদা শাবি শানৌ অনিন অমা ভেংথারকপগা থাজ নংগী মরাল ওইগনি ।" হায়বগী মতাংগুম মরুমদা লোৎহনবীরে ।

ওয়্মোকপনি.... কল্লনাগী থাথল···· তারগত্রা অয়েম্বদা থম্মোই মাগী পাওমেলসে নত্তে থাজও মংদু থংদুনা অয়েম্বদা থাশকনী হায়না লোৎশিত্রা কিদুনা কৈচিনবা মরাল নত্তদুনা প্রেমিকাগী ···ওইগত্রা মরাল ? হায়বু থাজ য়েংনিংলগা তোকপদি ···· শাবী শানৌগী থাশকসে ওইবোইদবা থাশকলা ? নত্রগা

য়েংবিংদনুবা লোৎলিব্রা ? করিগুম্বা য়েংবিংলবসু য়াগদ্রি য়েংহৌবা ওইদবা নত্তে প্রেমগী বাশকসে, হয়েং মতম অমদা সুজা মহাক্কী বাখলবা নৈমন চনখ্রবসু পাক নংনা উবি হায়রুবা ভাবিরেন্ট প্রেমিকাগী বাখলগী য়েরুবা !

ঐনা অসিগুম্বা মতাং অসিদা ঐগী দুংশিবগী প্রেমগী পিং শিনু দিবী সুজা অসিদা, ঐনু মাগী প্রেমতনা পুরখিবনা ফুনংদ্রবং য়াহৈনা মাবু মুন্না য়েংজনুবা হায়খি

"সে সুসিলা — কাউন্নগসু অমুক ঐগী বাশক !"

মহাক্কা ঐগী থুদ অসে মরাইবক্তা থাংগনুনা, হিক্রুবা খোঙ্গুম্ব হায়রকই ।

"লরাইগী উবুংশো ওইরিবা, ... প্রেমগী বাক্ক !" উৎসাগ করম্না থোনা কনা লুরবা বকাকী বাহৈগী পাওখুম — সুজা পাক্তল শোনবিরিনা ?"

লেপ্পনা মথেক ২, মবি ২ শিন্নুক্রীবা মহাকী পিরাং অদু ঐনা য়াম্ন বানা নোকমি ২ ভৌতুনা নৈথোকপিবি ।

"য়েংঙো সুসিলা — নংন অরাইবা থবক অমবু, য়াম্না চিংননা পাংথোক্লবদি ইবানিগী পুন্সিগী দুংশিবা হায়বা লাই অদুনং পেনথরোই "

ঐনা মাগী ওক্তা ভপ্না কোম্নুবা হায়খিবনি । ঐগী য়াহৈ অসে ভাবদা সুসিলা পিরাংলক্তম মোমোব নোক্লদে । অদুগা হরাওবগী খোনজেলক্তা হায়রকখি ।

"ই থোক্লবদি — ঐবু শাওনবুকো ।"

"নংন চিকপদবু থোকপা ই অদুদি অয়েঙ্গা ই ওইরমগনি !"

"য়াকেন নংবু অশেংবা দুংশিজবা ওইরবদি, থবক অদু লেপ্পমক পাংথোকচরগেকো ।"

ওন্না খোরক্লি। অতগ এদম মচৈ হৈরবা মকাক্তী লুমাংগী শম্লাং অদুবু ওপনা ওপনা খোমগৎকদুনা ওঙোরবা লাইবক অদদা থৎনিংথৌগী ঈ অদ [illegible] মামনা [illegible] থিনা নবীরি। অদগী থংহৈদন প্রেমচন্দ্র থুমইৎলবা "চিক্ক" অসিনা মাগী লাইবক্তা অমুক কর্তু চুপলুরিবা [illegible] শরই থাদা খোকপা পুর্ণীমাগী থাজগুম তহৈরব মায়থোংদা অমুবা ইনা নৈতেংলি।

"সুমিল" ... করিগুম্বা নম্বকী [illegible] নংলিবা ই অসিনা সংশিবুগী মথা পোল্লবু হকচাং সুসিদগী থোরকপা অশেংবা ওইরমলবদি করিগুম্বা, মৎবুবসু ঐগী হকচাংদা লেমহৌরিবা ঈ অদুদা চেঁয়িমদৈ অদুম্না মতম অদুদা থাক মাংনা খোক্লিমদৈ কাওবা নৈথখোই মাসিকা ঐগী অমেপ্পা বাশক্কী!" ঐগী প্রেশ্ন ইমাই চেনবা বুইহনি।

অমুক হন্না মুক্তাগী, মিংলুম্বা পিরাং শিন্থরুকলি। ওান্না চবা লেংথি অমুক হাংখিগনি। চুক্ক ২ নৈরবয়ু ঐগী ই খোক্লিবা থুং অদুবু মহাকী ইন্নিবা কি অদুনা তুপনা ই কমিমত্তা হক্লোইবা নৈতুরনা নপংখোক্রগা ফিন্থৎ ১ না খেংশিনক্কী। অদুগা তপনা খোমাংনদা লাযুরকুই।

"রাজেন! করিগুম্বা বাশক্কা কাইখুবসু শিন্নবা নংগী পাওমেন্নী খন্দুনা ওইক্কুগনি নুংব মপ্রোক অমুগীদমক্কা।"

হিংহিনুগনি বাশক্কুগা করিগুম্বা মতমগী কুমবগু নোংনৈ হুমক্তবদা থম্বালগী বাশককুম হোংখবদি নংগী নরাগি। অদুগা ঐদি লাইরবনি করিগুম সংশিবুগীদমক্কা মমক থাওনবা হকচাং অক্কি নতনা খুথোলনি ওইরমু নৈকদ্রে ?" ঐনা হায়খি। "করম্বা নুংগী লাংলো নুংতগী নুনাক্কা নৈরবা পেশক্লিবলিবু ঙং খুম্বা ওন্নবদি মাথা মুংওাইবা বা ১ অরুপাদগে।"

"[illegible]ননা ভা[illegible] ; হয়[illegible] [illegible] [illegible]লৈরকান্দা হায়গে — হজিক্তি হায়রুবগী কাননদে"। মহাকী [illegible] সুংশিরগী-মখা [illegible] [illegible]গী, [illegible]।

"নংগী হাননা ভাক্তবদি ঐগী সুকতাক ভা[illegible]"। "[illegible]অকপীরগু ঐস্থ হয়েং[illegible] ।" [illegible] ওইনবা পাওখুমী । অদুগা মমাই [illegible] লৈরি [illegible] শাপনগী ভারকপিবা শমজোই থরদো চিংলহুন্না হায়রম্মী ।

"ভাক্তঅগে, ভাকত্থগে [illegible] —
য়েংজোই নংসে য়াম্না মানবা অমা লৈরে — ॥"

নোকমি নোকমি তোরহুনা য়াম্না থংনিংনা হংলকই ॥

"ঙং, ঙং কনা — .... ?"

"[illegible]লৈদা [illegible]"

"অদুগ [illegible]কনানোবী [illegible]"

[illegible]হায়রুবা [illegible]ভক ইলহুনা হংখি [illegible]

"ঙং [illegible]মতক মোমলগা [illegible]খুমলকই [illegible]

"অ মমিংদো TH. না হাননা হোৎলগা [illegible]G. [illegible] লোই থংলগ্রা [illegible]

য়াম্না থংদি থংনিং অদুবু থংদবনা মমিৎ মনা কুপ্ত [illegible] অকাঁপা [illegible] [illegible] অম্বদুগা [illegible]ায়রকই । "থংজি অসি-বুদি হায়দোকলোইয়ে ।"

[illegible] [illegible]নিং [illegible] থংলনা — [illegible] ঐনা মো[illegible] [illegible]থিবনি ॥

"অদুবু [illegible] পোৎ[illegible] [illegible] [illegible] নোকচ[illegible] অদুগা [illegible] মখা ভারকই ।

"হৈৱী[illegible] অদু [illegible] সুং[illegible] [illegible] ?"

"মত্তে খংঙত্রা থোঁনাওজম নং হায়বনি" ! ঐনা থোক্লা ২ হায়'বনি ।
ইবানমি য়ামনা হয়াওনা ভুংদা থোক্লদবা য়াখন্দি নিংশিংলুদনা নোকমিননরি ॥

"ঙাইখো য়া অমা নৈরে ।" য়ামনা ফিংনা হায়খিবা ঐগী য়াহৈসি ভাবদা ঙক্লা হংলকই ।

"করিনো — ?",

"য়েংঙোই ঐ চৎলগে — ঙসিগী অহিংগুমনা মুংঙাইবা অসি নং ঐগী পুন্সিদা অমুক থোক্লখিগদ্রা ? অমুক্তা হায়য়ু । হয়াও হয়াও চৎখ্রগে ॥"

"মাসিদগী হেবনা মুংঙাইবা কয় লাকখিগনি ''।

"হুং থাজদে " ঐগী ভেললব পাওখুমনা ।

"করিগী থাজদ্রিব ?" মাগী থোইরাংনবা য়্রাহংন !

"মরমদি ঙসিগী থাজ অসে ভাখ্রগনি অদুগা হয়েংমখৈদি অসিগুমনা থোক্লরোই ।

"কৈদোবগী থোক্লোইদৌরিবনো — থা থোক্ত্রবদি থাশিদ ওইরগদ্রবে ?"

"উং থাবুদি থোককনি অদুদা ঙসিগী অসিগুমনদি থাজ অদু নিংখিরোইদা ।"

"ইঃ মংসিমা — ।" মোমোন নোকলদুনা খংকোন কোনশিললকই । ঐনা য়ামনা ভপনা হায়খি । "মুসিদা ঐ চৎলগে — হয়েংমখৈদি অমুক উনবা ফংলরোইদো ।"

য়াহৈ অসি ভাবগা মহাকনা ঐবু য়ামনা চাকপগী মওংওম য়েংলকলী অদুগা পাওখুমদি পিরক্কে । "নংগী

হৌযবি চৎলসদাইদা তৌরক্রবা ?" ঐনা মাগী মতৌ য়েংশ-দবগী হায়খিবনি ।

"কৈদৌরগে অদুবু !" মহাক্কী চাক্রবা হাবংনি । ঐনা ওক্কা কোক্লভুনা হায়খি ।

"কেওবুদ তৌদেয়, বংনা অদুগুম্না নথবাই সুংঙাইতনা লৈহৌরবদি ঐ খোং থাংদোকপা ওয়ারাই অদুগা পরিক্কদসু মঙ্গল ওইরগোই সে অমুক্তা মোমোন নোক্কৎনা চৎলো মঙ্গল ওইবু হায়বু ।"

"ঐনা বংবু অশেংবা সুংশিব ওইরম্নবদি নহাক লেপ্পমক মঙ্গল ওহবককডকে । চৎলো ---- ---- ।" মাইথোংদা ইমক মকশিন্নভুনা মোমোন নোকপগী মহুত্ত ঐগী খুত্তা বংপাই পাই-রম্বদগী থাদোরক্কৎনা ঐবু চিংনা য়েংশি ।

নক্তে স্থুশিলা নোংমদি বংপা শেংইদব পেম অমুক্তং লাইরবগী থাংপোক্তা নোকমিন্নবগদবনি । চৎলগেসে—চংলো ।" ঐন. য়াম্না খোইরাংবগী মওংওম হায়খিবনি । মহাকসু হন্দক্তী য়ম্না রান মোমোন নোক্লভুন হায়রকই ।

রাজেন চৎলোকো ।" থাক্তগী মথাদ অদুব. মহাক্ল. ওপ্ন. ওম্না ইমুংদ চংথিরবদো হম্না ২ য়েংভুব ঐসু খোয়ক্লী ॥

মদোম নোকচবা

মমবা অহিংদা, থুদোংথিবা ইপাক্তা
লমফাংনরবা যাত্রিকাশিংনা মাইকৈ থংদনা
থম্মোই অদো তানিকপমখৈ থাংলি।

কনাবুসু থংহল্লুদে ঐগী থম্মোই
শারুদে সুংশি য়াবীসু করাগী মকমদা
ইদোম থাংকৈ কল্প-নোকপবু সুংশিবা নহংকুগী

থংহৌদনা কলেজগী রিকশ ওউট তোরে হায়দুনা চাব ছঁরি থুদিংমক অতুনবা অমুক অসিদা সাইকল অমমম তো-কতুনা চংনরি। ঐসু য়েংবা সাইকল ১ তোংলতুনা পরপ ১ পোরক্রী ঐনা অমুম তগ্না ২ চংশিন্দৈদা মাংলোমদা ঐখোয়গী ইমাময়বা শ্যামখোয় ময়াম হল্লকপা উবম্মী থংহৌদনা মখোয়না হল্লকপা উবসিদা লোইদনা রিকশ থংলক্লগনি থল্লুবদা থম্মোই অসে মকম মরাং থংদনা পিং-পং চোংবা তৌরক্রে। অদুবু ঐ থোইনা বারুব নৈতে, কন কন সন্তেসন চানখি মখোয়না ইনাক য়োশিল্লকলবদনি মখোয় মশেল মুরুম ২ তোরক্রে

" হল্লো .... রাজেন। মীগী মচাদি লাইব্রিক ফবনিনা!

শ্যামা গাড়িদগী কুমথরতুনা হায়রকপা য়াহৈনি। অদুগা ঐ 'মসুং ময়াম অতুসু সাইকলদগী কুমথরম্মী। ঐনা শ্যামগী য়াহৈং তাবদা য়াম্মা থংনিংবগা লোইননা হংখিরম্মী

"ঐগী য়াওত্রো"

"কারষ্ট ডিভিসন্দা!" শ্যামা থুম্নকখি।

"ইস" ঐনা য়াম্মা থাকদনা মোক্লতুনা পুমখি। অতুবু থম্মৈ.ইগুংদদি সুংঙাইবগী মরাং তৌরক্লবনি। শ্যামা ঐগী

পাম্পা মথৌ অসিদা হায়রকই ।

"বিদ্যাশাক্তি ! নংসিমা ঐনা হায়বদা শুকখা খাজদমায়ে, কোরেল লংলগা খংগনি !" ঐ মাগী মতৌ অসিনা পাক খাঙ্গা ওমথিদে অমসুং নোক্লদুনা হায়খি ।

"হাই করে ওয়বসু, ময়ামবু করম তৌনরুবগে ?"

মথোয়না নোক্লদুনা খুম্নকই ।

"ঐখোয়বুদি পরিক্ষা য়াওই হায়দুনা মরৈদা তঙাই ফদনা হাপলমলে ।"

নম্ম সুংঙাইরে অমুক হন্না খিসিদনা — ?"

এক্সা ময়ামসু য়াবদুনা চৎপা হোরকই । শ্যাম্মা কাগী গুহনা নে করেক তৌরদুনা হায়রকই ।

"করে হেরেল হেংলুবদা করিগুম্বা Kha Manipur College Roll No. 1 is the First Division হায়বা লে লৈরম্লবনি, নংগী খম্মোয়গী মমতাজদে. ঐ কোয়রগে য়াবন .... ?"

মমতাজ .... ! ফাওরকখি খঙহৈদনা খম্মোয়সুংদা লোৎলনি সুসিনা ! করম্না মথোয়না খংহন্নবা — ? কনানা হায়দুনা - ? লোন্নুনা খবরগীদমক মরুপ্না নিংঙ্গমদুনা হায়রকপা এাবৈনি ইস, মৈ-হোৎবদি মৈথু কাই হায়বা অচুম্বনি ! "ইঙ্গেয়রক্তা খরবদা য়াম্না ইকাইবা অমদি হায়গদ তৌঙমদবনা এ বা ১৩৷ ভাংদনা লৈরি ।

মরুপকী মকমদা লোৎলুবিবা অসিনসু ঐগী চাওরবা ইঙ্গাল সুন্নবি খললুবদ্ম পরিক্ষাগী মদা তারম্ম হুরাওবিরম্ম খম্মোই অদু হাবিনিঙ্গাই রুবিসু লৈরে । মরুপ্নিংনি হায়দুনা য়োং চুপবসু হাওদে । অদুম্বা করিগুম্বা মমতাজনু খঙ্গে হায়রম্বা

মরাম্না থংবা মানখুবনিনা মোকশিন্নকপা শোয়রে। অসি খল্লগুনা বা চাংথোক্কে তোরকপদা শ্যাম্না হংলকই।

"মনতাজগী বা পললুবদা সাইকল মথক্তা নিপ অমা মিপাইরি। O My dearest Dear friend হায়রিঙ্ম ৰা ? ইমাক্তা খোঙ্জন্নগা লেংহুমদা পায়দুনা হংলকই।

"NO, NO MINE !" এৱ' নোক্লদুনা খুমখবনি

"Why ?" মহাক্না হংলকই। এনা নোক্না নোক্ক খুমখি।

"মউ লৈতবা উ'রগুম লৈমায়ৰক্তা চক্ক'রিবী অমবু, মতিক চাবরা পাম্বীদা য়েংচৌ হাধবদা য়াগম্দবি করম ওইনচাওবী উ'রিবো ?"

"এম ইকাইরেদা হন্দকী বাহৈসিদি"

শ্যাম্না এগী বাহৈদু তাবদা খুমলকপনি অদুগা এখোয় মরাম অমুক ওনশিন্নদুনা নোক্লি।

"উরিবী হায়দুনসু মরা তাবুবা উরিদি উপাম্বীদা থক য়েংলুরে অদুগা মদুবু মনাক্তা উপাল অমুক লোনা থাদুনা য়েংহনবা হোৎনরবসু মরা যুকতংলবনিনা উরি অদু থাওড, থক্তা কংই। মদু, য়েংহনবা হোৎনবিবদুগী মরাল ওইরোইরে।"

শ্যাম্না প্রমান তোদুনা হায়রকপা অমদি হংলকপা বাহৈবি। এনা নোক্লগা খুমখি।

"শ্যাম ঘুসিলাদি অদুগুম্বী ওইনচাওবী উরি নত্তো"

শ্যাম্না পাওখুম পীরকই

"থংজেন-সে — নবুক শেংরবসু !

হুয়ানবনা হনবু মকম অমদগী কয়াবক হৌবা হায়রগে ? মোংখদি শোয়দবা মপুনা কানগবনি। থংলবদি কদিগী মরুপকী মকমদা অদুক থগোই চেংনা লোৎনুবিবনো ?"

"খংবু খংজিনে হুসিলা অদো — ?" ঐগী তৌরম্বা পাওখুম্না, মসি তাবদা শ্যামা থরদি শাওথিংংবা পোক্নমগনি, অদুবু মমাগী মমাং ওইখিবনা মাগী মথমদা অশেংবা লোল-লিবনি খল্লমাম্লে নোঙ্গুদুনা হায়রকই।

"মৈমিরদা তাওরবী মৈরাংনবীনবু মৈমিরবু মশক খংলমগদ্রা ? তাইগী বাতাসে হেক, উরুবদা অসি কনানো হংজবদো চাইখেতলগী Brother শিংনা ইচম্মী হায়রকপগুম তৌইদা, ! সুসিলাদো খংজমদনবকো।"

"O, O still water runs deep ! হায়রবদো রাজেনগুমলবা মাসিন।"

খংহৌদনা ময়ামগী মরক্তগী অমনা হায়রকই। ঐ মখোয়গী চাইহাসিং অসি তাবদা পংলেংক্লা মনোক্নু।

'ভাই ঐসু মাগুম্না লখোইবা শাকলমবগা লোম্না ২ তানপ থোংবা চাবা তারেদা।"

অমনা হায়রবাংখ। মহাক চুম্নক বা কাওবা লেবনি।

"কনা খংদা বনা উদ নংদোমদ সুংশিংবদা, ঐখোয়মচু থবা মফোংদোবকুবদ থরা হেম্না সুংশিংগী চাং মদেনগদবনি — অদুবু খঙহন্নীংদবসিদা !" শ্যামা হায়রকই।

"ফরে বা অসি তোকলসি — কাম্নদবা বান," ঐনা কায়াখিবনি। শামা মুক খুমলকই।

"কুলম্নু যৌরবাননা তোকপুদি তোকলগনিদা।"

অমুম্না ঐখোয় ময়াম বাগির শারাং শারকুনা লাকপদগী কুল যৌরদুনা থেংনবনিবা চৈ অদু হেংলুংদ ঐহাক্কী লোল কারক্ত ডিংতিজন্দা যাওরমলে। অদুগা খংহেনবা ইমাগী ময়াম অদুনা এবু মৌ মৌ তৌরদুনা য়েংশিল্লকই।

ঐনা য়াম্না হৱাওনা থোজাল হেক য়োৗরকপদগী মংহোৗরবোই মতাংশুম পরিক্ষা হায়দোকহোৗরে হাবদা মিপ্যাইহোৗ-রবী ইমাবু হয়া হয়া কোৗরদুনা চংলকখি। অদুবু থোংদি হাংদোক্লি পাওথুমদা ইমা লৈতবরা ফংখিদে। খংহোৗদনা করি-গুম্বা খরনা চিংনহল্লকখি। সাইকল হুমাংদা খনমদুনা ইমা ইমা কোৗরদুনা ইমুংলোমদা চংশিল্লি। মতুম অসিদা ঐগী পলেমদা মিংশেল চল্লবা বাক্সিগী মদোম য়ৌক্চরিবা ফোটো অদু পুথোক্লদুনা পুজা কৎলম্লি। ঐনা চংশিন্দুনা ইমাগী লেংজুমদা পায়রদুনা হায়রুরি।

'ইমা ঐ পরিক্ষা শুমলক্লে''॥

ইমাগী পিতনা থুমলবা মায়থোং অদো খংলৈ লৈখৎ-লদুনা য়েংখৎলকই। অদুগা ফুক হোৗগৎলদুনা হায়রকই।

''রাজেন নহাক পরিক্ষা শুমলকলবা ?'

'ইমা হোই শুমলক্লে।'' ঐনা থুমখি।

পূজাগী হৈনম লৈনম অমদি থুপকী মৈথু অদু কাং-দোক্লিবা থোংদগী হুমলকপা হুংশিনা উরু ২ লৈদনা অমুক মপাক্লোমদা পুথোকখি। অদুগা বাবাগী নোকমি ২বা মিৎয়েং অদনা ইমা ইচাবু হুয়া য়েংবগুমন্থ তৌরি। ইমাগী পিরাংদো লোৎপা শুমদবগুম মাং ২ মরি শিন্থরকলি অদুগা অমুক মফম অদুদা ফমথখি। ইমাগী মতৌ উবদা খাংগুমদ্রবা ঐহাক্কী মীৎলুদা পিরাং লেপ্তুনা শিন্থরক্লি শুহাক চমশ্নবী ইমানা হিক্রবা থোপ্লেম্না অন্থমনা হায়রকই।

'রাজেন নংগী বাক্সিনা লৈরম্বা থোকলবদি শুসি নংনা পরিক্ষা শুমলকপদা ইমাগী মীৎলুদা শিন্থরিবা পিরাং অসি শিন্থরমলোইদবনি।'' ইমাগী করিগুম্বা রা অমা য়াংনা নিংশুমদনা লোৎপগুম তৌবা য়াঙাংনি। ঐনা খংলদুনা হায়খি

"ইমা লাইবক্না তমলদ্রবদা অমুক বারুথগী কান্নদে, তোক্লা।" ঐগী অনিকপা রাহৈনি ইমানা য়ামনা খোইরাং নুংনাংনবগী মওংদা হায়রকই।

"অরাবদি রাজেন নহাক।" অতুগা রাহৈ অসি লোইশিনখিদে। ঐনা য়ামনা ইমাগী রাহৈসি তাবদা চিংনবা অমদি অরাবনা থল্লবা খোঙ্জেল্লা হংখি

'ইমা করিনো হায়য়ু ? .... লাইরিক মথা তমথরগনু হায়বর ?"

ইমানা ঐনা হংলিবদো পুমদনা তুমিন্না তৌরি। লাইরবা হায়বা অসিনা পুথ্রমাল্লে ইমাগী বাখলবু লাপ্না। মমা অমনা মচা অমগী অকবা কম্ম তোরুবগী মহৈ ফংলকপদা মোমোন নোকনবা মাইথোং অদুনা নোং মংলবা অতিয়াগুম ইমম মমশিননা ১দি পিরাং শিন্থরিবা মমা অদুগী বাখলদো হবাওবগী করিগুম ওইরম্লোই. "ইচাদি পরিক্ষা তমলে অদুবু অমুক মথা তমথনবগী উপাইদি পৈত্রেদো" হায়বা অসি ওইরমগনি। অসি খংলদুনা ঐনা ইমাগী মফমদা কমথবদুনা হায়খি

"ইমা ঞাবীগনু! জগৎ সংসারদা মচাবু ফহনলিংদবা কনানু য়াওবা নত্তে।
কুমশিদি তোক্লগা মীগী পৈশাদো শিংনবা হোৎনজগে ?"

ঐগী রাহৈ অসি তাবদা ইমানা হিক হিক কপলক্লি। ঐনা য়াম্না থংনিংবগা লোয়নমনা মথা তারদুনা হংখি।

"হায়য়ু ইমা কনাগী মফমদগী পৈশা পুরুথগে ?"
হন্দক্লি ইমানা পাওথুম পীরকই।

"কনাদগীবু ওইরুগদগে ইনাক থুল্লবা ইমুংদগী নত্তনা।"
'অদুবু কনাদগীনো — লুপা কয়া" ? ঐনা থংনিংবা হংখি।

"লুপা ১০০ মুকতনি, নংগী মিং চনরবা ১দি লাইব্রিক লৈনবদা পুথিবা শেলনি থৌনাওজম ইবোতোলদগী ।"

ঐনা ইমাগী ইবোতোল হায়রবা রাহৈ অসি পল্লকপদা খংহৌদনা ইশাসে মওং অমা তৌরক্লি । ইবোতোলদি লুসিলাগী মপানি, লুসিলাখোইদগী ঐখোয়না পৈশা পুরুরবা অদুগা ঐখোয়না শিংলুক্রিদ্রৈদা থৌবা লাক্লবা । করম্না ইকাইরোই ঐগা য়াম্না লুংশিনরিবা লুপী ১গী মযুমদগী ঐনা পৈশা পুরুরগা শিংবা ওমত্রিবা ? মসিবু ঐগী থম্মোইদা থোককত্রা কপকত্রা ? অদুগা করিগুম্বা লুসিলানা খঙবা থোক্লবদি মপাদা হায়বসু ওমদা মপাগী অথিবা রাহৈনা ঐখোয়বু ওৎকত্রা হায়বা বাৎমা ঐবু উংদা হয়াংগদ্রা মত্রগা পেনখিগত্রা ? ওইখিগনি লুজাগী থম্মোইদা "লুং নগী ময়ক্তা হা" !

ইমানা য়া মখা তারকখি অমুক ।

"রাজেন নংবু মী অমা ওইনবা হোৎনরুবনি অদুবু ওয়ক্তরে ইমাবু বারোগনু । মীগী মীখা পোনবগী রাহৈ অসি ইমা থাংবা ওমদরে, বুমশিদি তোক্লোনে ।"

ইমাগী হায়ওমদবা রাহৈসি তাবদা ঐনা শোয় অমুক্তং শাংনা হোন্দোকখি । অদুগা হংখি ।" "ইমা নচা তোকচগে অদুবু থুরা ইবোতোনখোয়না করি হায়রম্বগে ইমানা অদুক লুংতাইত্রিবা ? নচাদা শেংনা তম্বীয়ু ।।"

ইমানা মিত্তগী পিরাংদো থিংবা ওমদনা পীরোইনবা থম্মোই অদোং তনিক তনিক্রুদুনা হায়রকই ।

"করিবু হায়রুগনি ইচাসিদি ময়ল তোল্লি হায়দুনা পীয়ু হায়বনি ।"

ইমাগী বাহৈ অ'সদম্ব ঐবু খঙদনবা বাহৈ থর লোৎলি হায়বা থংই। ইমাগী ওয়াকৎনবা মতৌ 'অসিনা ঐনা খংই, ইনাক কৈখাক খুদবা ইবোচাউবগী পৈশা থৱা তৌনবগীদমক ইমাবু অখিবা বটৈহনা মিংলুবা পিরা' শিন্নহন্নবনি। ওঃ! সমাজ ইনাক থুনবনা ইকাইব খঙবা মীয়া? লাইরবা ঐ:খ'য়দি ইক'ইবা খংদ্রবরা? করিগী অহুক তোম্বুরি। কয়াদা লুংশি খ'দ্রিবনো?

ঐনা খনখি, লাইরিক তম্বসি তোল্লগ' ইমা কৈবাক্তী সেবা ওইনা নিলটরি চংলগে, অতুগা ঐহাক অসে পোকপক্লী ভসি কাওবদা হিংলক্লিবসে লুখ্রা তস্পাক্লা চ'ওরকপনা ইকিং ইথা তৌদুনা শেৎ-চাবা নিংবা থুংবা হায়বদো খললিক্লে। লাইরবী পলেমম্ব নোংমকাওব মিৎকুপ অমগী মতম নোক্লনা লাইর শঙসিদা' লেন্নক্লে। ঐবু লাইরিক তংহন্নবা হোৎনবদা ইমানা শাবরা কাপেনগী খাম্বী মৈশা কয়া তমখিরবা বাক-চিংগী উলেন কয়া কয়া খাঙহুনা কোক্লা লুবাক অমগা লুংগী কাংকি্রক মরক্লা, সমাজগী মানোক থাদা নৌ'রবা হকচাংগী ইজংপু অমনবা চবৈ শেংতুনা মাংহনবদা কিরক্লে।

হে তমথিরবা লাইবক ওইখিবনা হন্দক মপোক্লা লাইরবা অমা ওইহন্নবনিকো নিংবা কায়বা হয়াওবা লুমিঙা থাদো-ক্লয়গনি পলেম লাইরবী অতুগা লৈহৌরগনি নিংবা কায়রা থম্মোইগী মখেম্মা ওইরিবী মহাকন্ত পুক্লিগী। লুংশি হৈত্রবা সমাজনা নোক্হৌরগনি পেয়া থম্মোইগী অবাবা উরগা॥

লেপ্তনা চাক্লিবা থুপকী মৈথু অ:দা মপাম্লোম্লনী হুরকপা শুংশিং অদুগা লোয়ননা উরু ২ কোয়না ২ তৈরয়গা ইমা'চাগী বারি কয়াদো পাবুংদা ভমলুগে মতাঙম হাংলবা অক্তিয়ারোমদা লৈনা ২ পাইথংখি ॥

তৈকদনো পিরাং

চোংখিবা পুন্সী নিংশিংদুনা
করিগী কন্নী মিৎলৃদা পিরাং ইহোমা
ওইরবোই মংদি ওন্নী চেকপা ?
কাইদোং থংরবা; উকৈথক্তা তোংদুনা
শাখিনা বান্নী, লকখিনি ঈশৈ
ম্মৌত্রিফাওবা আশাগী পনথুং ।
করিগুবা
লোমথ্ বন্থ পুন্সিনা খিরুখিনী মহাকপুদি
নিংথাইরবা আশাগী খম্মোইনা
কংত্রিকাওবা ভমিক ভমিক খাংদুনা ॥

ৱাখল্লা মকম থংত্রবা ঐহাকী থম্মোই অসে লম্না'দা থাববা থাওমৈবা মাল'গী শহুম ফংবদা মুৎকদবগী ফর, ফর তৌদুনা থাংবগুম মিকুপ অমত্তা লৈকম থংখিত্রে ।

সুনিং অতুমকী সুংখিল পুং ১ ভাগ্রে । ইমা কৈথেল কাপনি হান্না লাংলি । অতুগা ঐনা কম্মুংদা লোংনা হিপ্তুনা লৈখি । থুদক অতুমক্তদা মপাম্রোমদগী সুসিলাগা সুমোংনা লাকতুনা মপালদগী কৌরকই । ইমানা পরপ পরপ চেপ্লোকতুনা "হৈমা নখোয়দি কদায় চৎলুরিবনে ?" হংখিরম্মী । ইমাগী ভরাম ভরাখা ৱাহৈসি তাবদা মখোয়না থুমলকই ।

"ইনে, রাজেন পরিক্ষা ওমনে হায়দুনা হরাওদুনা লাক্লীবনি, রাজেনবু কদোমদা চৎখোকখ্রবগে ?" ৱাহৈশিং অসি ঐ লোইনা ভাবা ফংই, অদুবু ইমানা করি হায়খিবনো হায়বা ঙাইদ্রনা লৈরম্মী । অদুগা অমুক ইমানা পুমখি । "থংত্রেদা ইচাখা লাইনা তম্বা হায়বদ্রনি, চংলকউ, চংলকউ তুম্মি !" ইমানা হায়খিবা ৱাহৈ মতুংইন্না ঐ তুমশিন্নরম্মী । মখোয়না ইমাগা চংমিন্নরকতুনা কম্মাং অদুদা ফক থারগা কম্নী অদুগা ইমানা ঐবু হোদোরক্লী । "রাজেন রাজেন — হোগৎলো মচলশিং লাকই ।" ইমাগী মতৌ অসিদা ঐ রান্না নোংক্লিংখি অদুবু থাংদুনা তপনা ২ লেংদুনা রাওনলক্লি । ঐগী ইতৌ উবদা সুমোংনা রান্না তপ্না ২ হায়রকই পরিক্ষা ওমনে হায়দুনা পংতুমদা তুমখ্রমানে ।" মাগী ৱাহৈ অদু তাবদা ঐনা মীৎ তপর্না ২ পাংখোকতুনা তিংলি রাংলিসন্নদ্রনা হায়রম্মী, — "অসি করাম কুইরবগে লাকপা ?" সুসিলানা নোংকমি ২ তৌরদ্রনা থুমলকই ।

"পুং ২ রোম ফারে তুফা ফমবু কবীরিরে মিকপ সুকথোক চেক থোকতেদ্রা ।"

তানজা অসিদা ইমা কৈথেল চৎকদবগী থোরকতুনা ঐথোয় ময়ামদা অসুম্না হায়রম্মী ।

"নথোয় ফম্মীরহৌথোকো ইনে কৈথেল চৎলুথিগে । ইচাশিং লাকপগী চানবা কয়িমত্তা হেক লৈতেদ্রা, মতুং চানিরবা হায়বদুনি ।"

"করিব চারুগদবনো ইবেমিদি লেংবীরো " ইমা মপান থোকখরে ঐনা বা হাংবা হৌই । উম্নবা পাংকুই কুইরে কদোমদা চৎলুবদগী লেংশিনবীরাক্রবনো ?"

সুসিলা তপনা থুমলকই

"অঃ হাতাদি তাংক্রিতৈদ' হায়া কোটি থাংবা হৌরকলে । অদোমগী পরিক্ষা তমলে তাবদা শাওনিংলদুনা হেক্তা অতৈদকা অমত্তা চংলুদনা লাকচরিবা ।" মহাকী মোমোন নোকপা সুংশি বাহৈনি অদুগা সুমোনা অমুকস্থ হায়রকই । "পরিক্ষা তমলে হায়দুনা পংচাওতা চাওথোকপীরেনে ।"

"ই কনানা হায়রকৃইবা ?" ঐনা নোক্লদুনা হংখি ।

"কনানাবুদি হায়রক্তে সুম পংহায়বা হায়রিবনি ।" সুসিলানা থুমলকপনি ।

"ই ঐদি পরিকাসু তমদনা —?" ঐনা কাপী তৌথিবা হাঙাংনি ।

"তম্মিরোইহে" অসি হায়রদুনা সুমোনা মথোয়না পুরক্লিবা সুইট কেস অদুদগী থবল অমা লৌথোক্লকই অদুগা কাকতোক্লদুনা হায়রকই । "য়েংউনে সিবু কনাগী যোলনো ?

ঐনা থবনদো লৌরদুনা কোইরেং য়েংখিরম্মী। থংহোদনা পদিকা কলগীময়াদা মেলটরি থবগী অসুম্না ইরিবদো খেংনরম্মী। মথোংপর :—

তাং ১২ দগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা কনাগুম্বা চহি ১৮ দগী ২০ ফাওবগী কুট ৫ ইঞ্চি ৮ য়াংবা মী লৌগনি অদুগা তাং ১৫ দি চাকোবগী ছুটিনি থললোই।

মফম — মণিপুর 4 বাটালেন।

তাং ৯ | ১১ | ৬৮ ইং

মাপি খেংনরবদগী ঐ থংহোদনা হয়াওবা অমদি অরাবনা থনখ্রে। ঐগী মতৌ অদু উবদা মখোয় অনিনা ওক্লা হায়রকই

"কৈদৌরবগে য়োলগা ওন্নরব্রা ?"

য়াহৈ অদু তাবদা মংফাওনবগুম ঐনা নোকফেং তৌরগা হায়রি।

"হুঁং ওয়দে ইমাযবাশিংগী য়াওব্রা য়েংঙিবনি।" ঐনা ওস্লোক্লুনা থুমখবা য়াহৈনি।

"নখোয়সু তেস্তী য়াওরক্লেদ্রা ?" ঐনা অমুক্তা হংখিবনি।

"ঐখোয়বুদি য়াওজরকএ -।" হুসিলানা ওইনবগুম তৌনা থুমক পনি।

অদুগা হুমোনা হায়রকই।

"য়াক্তেন হুসিপাখোইদি ওব্রা অফবা ১ কৌথরুদুনা টিউসন তৌরিবনি।"

হুমোগী য়াহৈ অদু তাবদা ঐনা ওক্লা হংখি।

"ও। কদাইদগী ওব্রা— ?"

"ইম্ফালদগীনি — মনিংনা ওজিং কোই, মশকয় য়াম্না ফজৈ—।"

সুসিলানা চিংনদনা অসুম্না সুমোনা খুমজিল্লৈঙেদা হায়রকপা বাহৈ অসি তাবদা ঐগী থম্মোই পুম্নাং লাংলকখি । ও ! ফুংশিবা হায়বসে মথোয়নদি কাগী তৌনা ঙাংলম্লবনু ঐগী থম্মোইদদি কল্লকপা বাখল পুকচেল চাওথোকপা ১ লাক্তুনা মহাকপু থাদোকপদি নত্তনা মহাক্না অসিগুম্বা বাখল ১দি থবক অসে পাইখৎখ্রবা হায়না ইতোমতা ব্যরকই অমম্ফুং থোইরাংলকই । ঐগী মাইথোং অসি মপানথোংদদি নোক্লী থম্মোইশুংদদি মকশিলকই ।

"কৈনে তমগদবনি পরিক্ষা ঙম্লগা লোইরে ।" ঐনা ফুংঙাইতবা লোত্তুনা হাৱখিবনি ।

সুসিলাগী থম্মোইদদি ইচম চম্না ঐগী ইত্তৌ য়েংগদবগী হায়রকপনি । অদুবু ঐনা য়াম্না ফুংঙাইতবগী মওংদা হায়খিবা বাহৈ অসিনা মহাক থবা ইকাই-খুংশি য়াম্লবগুম তৌখি । মাগী মতৌ অসে উবদা সুমোনা বা পাংবা ওইনা হায়রকই ।

"য়েংঙো য়াক্লেন সুসিলাসে ওব্বাত্রনদি য়াম্না লুনা তৌই । অদুগা মহাক্লদি নোংমতা হয়াও-হয়াও নোক্তুনা ওব্বা বায়না কৌবিপোংনত্তে ।"

সুমোগী বাহৈ অসে তাবদা সুসিলাগী থম্মোই থয়দি ঐনা খংবা ঙম্মী । ঐনা নোক্লদুনা তপ্না সুসিলাদা ওনশিন্দুনা হায়খি ।

"মাগী হৌনবি পোংলমগনিয়ে ।"

"পোংদদি ।"

নোকখি ২ তৌরদুনা অমুকসু মথা তারকই ।

"মী হায়বসে মখুং লেল্লগা হেক্তা কাওই । ঙম্বু ঙম্মী মীগী থম্মোইবু ওৎলিবা ।"

"ঐনা করি ওৎথ্রবগে- ?" ঐনা তপ্না হায়খি।

"উং কাওথরম্লগনি, নোংমা থেংলবা অহিংদা করি হায়বিরম্বগে— ?"

সুমোগী মমাংদা ইকাইনা নৈতনা হায়রকখি। মহাকী অসিগুম্বা সুংশিবগী লাংনা পুনশ্রবা থম্মোইগী চিংনবা নৈত্রবা বাহৈ 'সি তাবদা ঐহাক করি থুমগানবনো মফম থংখিদ্রে। ঐগী রাথলদি মহাকপু পুন্সিগী ওইনা বিদাই তৌদুনা ইমা নৈবাকীদমক সেব চৎথুগে থল্লম্নি। অদুবু মহাকী প্রেমগী বাহৈ অসিতমা রাথল অদু থজিক ২ কাওহল্লকনি।

"রাজেন .... ," মহাক না মথা তাবা ঙমদনা মিৎলুদসী পিগী ইরানা মরি ২ শিন্থরক্লী। মতম অসিদা সুমোন্‌না অমত্তা ঙাংলকখিদ্রে, মিৎ লু দা পিরাং থম্না লোৎলডুনা লুকথখ্রে। ঐনা মথোয় অনিগী মতৌ অদু যাম্না থল্লুবদা চমমথখ্রে। ঐমু থরদি মাইথোং অসে মকশিন্নমগনি। অদুবু করি মতৌনো না ১ত্তা ঙাংথোকপদি ঙমখিদ্রে।

"নত্তে, সুমো নথোয় অনিনা ঙসি লাক্লিবসে করি থবকীনো- ?" ঐনা না ঙাংঙুদ্রবগী মতুংদা হংখিবনি। সুমোনা পাওথুম পিরক্তে— সুসিলানা থুরকই।

"মরম নৈত্রবদি লাকপা যাত্রবরা ? চৎচরগে ঙসি নহাকী হয়াওবা সুমিত্রা মিৎতা পি ঐহাক্না নংবু থম্না ওৎলম্লগনি।"

থংকৌদনা মহাকী বাহৈ অসি তাবদা থংপ্রেক থংবগুম হকচাংসে কৈনো অমা তৌরকখি। অদুগা সুসিলা মথা তারকখি। হন্দক্তি মহাকী বাঙাং অসে, মীথা পোল্লবা মীনা শিববু কিদবা থোনা কনা ঙাংলকপগুম তৌরকখি।

"রাজেন — ঐনা ঙসি লাক্লীবসে মহাক্কীদি অমাংবনি খনবা য়াই। অদুবু কোংদোক্কবা য়াম্রবা মতাং ওইখিবমনি কনাদসু হায়রুগদবা নত্তে, মংগী মফমদনি ঐগী তোকম থোকপা ঙিংকী পিগা লোইনবা মংগী মথোং পায়ত্নুনা হায়জরি, য়াবিত্রবসু ঐহাক্কী ইয়াম্না!" মহাক্কী মাইথোং অদো চিংনবা লৈতন্না ঐবু চাগদবগুম য়েংলম্মী। "মপোক'সমগীদমক্তদি বাহে অসিনা অয়োইবনি, কম্বিশুম্বা মিতরিবা ভিক্ষাসে হায়্মী. অমসু তোয়বি ভিক্ষারি অদুগী শক্তম অদুদি থংম্মাই কল্লবা সমাজনা হন্নক মপোক্কী ওইনা ১মুক উবা ফংলয়রাই অদুগা হৌজিক্কা মুংশি খংদনা লোক্লীবা মহাক অদো লোংমদি শোইদনা খংলক্লবদা ফংলকখিগমি ভিক্ষায়িগী পিরাংগী দোম!"

মহাক্কী অসিগুম্বা বাহে কয়া অসে ঐ ক'রনো হায়ম ভাব তাবা ঙমখিদরে। অদুবু য়াম্না য়ানা হংখি।

"সুসিলা নহাক্কী বাহেশিং অদো ঐ ভাব তাবা ঙমত্রে, অদুগা নহাক্কী নফমদা কয়ম মীপুংশি খংদবা শাক্লং চংখিবা য়াওবগে মহাক্না হায়গে খল্লিবদো লোত্তুনা ১মুক থম্নগনু হায়রো—?"

"রাজেন— নহাক্কী মথা পোল্লবী পুন্সি অসে সুংশি হৈত্রবা পলেম পল্হৌবা থোইদদম্বা কনাগুম্বা অমদা শিন্নখ্রে মদু মংগী য়াথন্দা ঐনা য়াথিগনি ১দি য়ায়মগনি থমত্রা—?" মহাক্কী অহিক্লবা থোনকম্না হায়মকপা য়াহৈনি। ঐনা মদুগী মতিক চায়বা শাওখুম পিখি।

"মদুদি নহাক্কী আশানি।"

য়াহে অসি তাবদা সুসিলা মওং ১ তৌখি। অদুগা ঐনা মথা তাখি।

"ও অতুগী ওইরে নহাক্না তারিবা, ঐনা হায়রিংবদি পলেম পম্বোগী য়াথং কায়বদগী লাইরবা ঐগী য়াথং কাইবনা হেন্না নহাক্কী ইমা ইপাগী পোকচবগী মতৌ য়াম্লোইদ্রা ?"

"নত্তে, অতুরা নোংমা থাবল ফববা অহিংগী অচেৎপা নহাক্কী পাওমেল ? নহাক্না কায়খিবদাই য়াম্না লুববা য়াইহে অমা, অতুবু পুকচেল শেংনা পাংথোকচখিবগী মইহৌ অসিবু .... ?

মহাক্কী লম্মাংনববা বাখলগী য়াইহৌ অতুবু য়ামনা থোনা ফনা হায়রকখি ।

কাইক অসি তাবদা ঐস্তু থাবলগী অহিং অতুবু নোংহৌনা নিংশিংলক্লি

★ সুসলা চেসিনী থাবল অসিগুম্না যথুবা কয়া নং ঐগী পুন্সিংগা থোরকখিগদ্রা ? অমুক্তা হায়বু মোমোন মোক্লুনা ....

★ মুংশিবা তুসি অসিদগী হেন্না ফজবা থাবল থোরকখিগনি ।

★ মুজাগী শোনথাংবা য়াহৌনা মালংবা লৈনম পুবগুম ঐগী চীক্রবা থম্মোইগী মফম কয়াদা তপ্না তপনা শন্দোকখিবা ? অতুগা ইকাই মুংশি য়াম্নবা বাক্তনা শোন-থাংননা হায়খিবা – লেপথুবা মুজাগী পুকচেলদি কললবা মুতনি ....

থংহৌদনা মথং ২ নিংশিংলক্লুনা ঐগী থম্মোইসে তনিক তনিক্লক্লে । অতুগা হায়খিরম্মী "সুসিলা করমনা পলেম পম্বোগী রাশক থুগাইগনগে হায়মু করম্বা নহাক্কী আশা ? তপ্না ২ চিংনবা লৈতনা হায়রকই ।

"মখোয়গী রাশক অতু থুগাইদ্রনা পাক্রবা মুংশিগী

ঈপাক্তং নংনা ঐগী থুজেং পালোয়নবীয় মহাক্কী নতুং ইপ্লগে।” ঐ মাসি তাবদা বা অমত্তা গুাংদনা লৈরি অত্থগা মিংকুপ থব লৈবগা হায়খি।

“করে লুংশিবগীদমক শিরবঙ্গু শিখিগনি করিমত্তা বারুগনু।”

মোং মংলবা অভিয়াদো থংহৌদবা লুংশিংনা হুমদোক-খ্রবদা ইহাং হাংদোকপগুম সুসিলগী মায়থোংদো থক্তিকভং মকা লাংমথোরকই। লুংশিবা হায়বসে ইকাইবা চিংনবা লৈতবোইরে। স্থমোস্থ মরুপকীদমক রাখিবা থম্মোইদো মরুপকী মায়থোং উবদা -নোকমি নোকমি ভৌরকখি।

কায়রবা থম্মোই

পেল্লুকো সমাজ থানা ২ মোক্কুনা
তনিক্লবা মহাক্কী মায়থোংবু উবদা

করিগী মিংহমরি থম্মোই
লুংশি ইথৌ লাংলবী সমাজ মীনোক চংলবী
রাকচিংগী উলেনবু নংলবী
লৈথোক্তা পোম্মা কংলবী মহাক্কী রাথলবু।।

অদুবু থাংজমদবে মিচৈবু মুংশি হৈত্রবা মহাক্কী।
য়ারোগমুকো মুজা, ভামহৌরগনি লৈহৌরগনি
ভাবখুগনি চৎখুগনি মুংশি চেংলৌনি
লোৎখ্রগনি নংনা উদবা মতমদা মপোকসিমা।

মুমিদাংগী পুং ৫'৩০ রোম ভাখ্রে। ইমা ঐনা থাউমৈ থাঙ্গৎলদুনা অস্রম ফক্তা ফম্লিইজেদা কৈথেল চৎলুবদগী ইমুংদা পরপ পরপ চংলক্লি ইমা উবদা ঐনা হয়াও ২না "ইমা কৰি লৈরকপগে" হায়না হংখি। ইমানা নিকলবা খোঞ্জেমা হায়রকই।

"মাজেন ইমাদি জসি পোৎকা অমত্তা লৈক্ষম থজদে। ইমাগী নিংজমদবা য়াহৈনি। করিনো ১ দি লৈরমলগনি ঐগা থম্মোইদা চিংনদবা জমদে।

"কৈদৌরবগে" ঐগী থংনিংবগা লোয়ননা হংখিবা য়াহৈনি।

"ইবুংঙো জসি ইমাদি মীয়ামগী মমাংদা খোংগোইনখ্রবনি।" ইমানা য়াহৈ অসি মথা ভারক্লিইজেদা ঐ থংহৌদনা জক্লা ইরাং অমা হৌরক্লুনা হংখি।

"কনানা"

"কনানা ওইগনি, মরল ভোলি হায়দুনা মীবু করিমু ওইদনা উরিবদি। জসাই অয়ুক্তমু মরানা থোবা লাক্লম্রীবনি অদুবু .... ।"

"ইবোভোনগী মুপীবা?" ঐনা শোর শাংবা হোন্দোকলদুনা হায়খিবনি।

"নত্তে ইমা কয়াম থিনা হায়রকপগে?" ঐনা মথা ভাখিবা য়াহৈনি।

ইমানা খুমকই

"ইবুংঙো তোকলসি ইমাদা অমুক হংলকলগনু ..
ইমাগী অরাবা রাহৈ কয়াসে তাবদা থরাইদগী হেমা নুংশিজরবী
মরাল লৈজরবী সুসিলাগী রাখল খংহৌদনা থাপতোকখ্রে।
মম' মপাগী অসি-
অদুগা রাখল অসিসু যাম্না তমখিরকলে।
গুম্বা মীনুংশি খণ্ডবিদবা উবদা মহাকপুসু উনিংখিদ্রে সমাজ
.... মাসিনা সুসিলাগী প্রেমগী ইচেলদি লৈখিবা নত্তে, রা
ভাঙবা থোক্তবা মীনা রা ভাংথোকপগী পাঙ্গল থোক্নবগুম
লম্মোইনুংদা মকম খংদনা নিংঙমখিদে। এনা ইমাদা অনুক
হংখিদরে অদুগা অসুম্না হায়খি।

"ইমা নচা হয়েংমক থবক শুবা চৎচরুগে অদুগা
মথোয়গী পৈশাদো চহি মশিং লাকখক্তনা শিংখিসি" এগী
রাহৈ তাবদা ইমা ঙহাক খললুরগা পিরাংলকতা পাওখুম
পীরকই "রাজেন ইমানা নংবু করম্না লাদোকলসিগে ?
নমান্নবা কয়ানা লম্বী সোরোকতা কোইলাং লাংবদা নংদি
উররোই, অদুবু মীগী মীথা পোনগদবগী শরুকপুদি চিংনবা
লৈতনা ইমানা মঙ্গল পীগনি।" ইমা হিক হিক কপলকখি।
এসু মিত্তুগী পি খঙহৌদনা তাখি।

লাইরবী ইমা চিংনবীগনুকো নচানা ইমাগী সেবা
তৌজবা ফংহনবীয়ুকো ওইজগে লেপনমক মপোল।" এমা
লোম্বাংনবা হায়খি।

"রাজেন — হন্দক মপোকলো অতোনবা মপোক
ওইখিবনা নংবু লাংকৈদা চৎপা তারবনিকো, এমা নংবু

পোকপী অশেংবা নুং অমা ওইরবসি নকোংকক্তাও চিকলক্কনা পোৎ চঙ্ক্লকো।" ইমাগী মঙ্গল পীবিবা বাহৈনি অদুগা মথা তারকই

"ব্রাজেন পাব্রবা তাইংতুদা কাইবদা হাংমনা পোক্রবা মপোক তাংখায়দি ইনাকখুনবা মথোয়না মী অমসি চায়বগী বাহল কন্থুং থমচৈংবা অদুগা নংনা মক্কম খুদিংমক্তা ইনাক খুনবা খুদিংমক নুংঙাইবা হেরবনি থংগৎলবনি অদুগা ইমানা তাকচরবদি নুংশিবা মংলু। হৈ হাংমু পাংবা মচুদা মক লুকপদি, ইমা ইপুগী বাহৈথোক মরু লুক্লা চৎপ মীনা শেমথাক্ পুমুং হাংনবিবনি লাক্লুং শোইদুম ইচাংফদি লাংহৈবা মপাল পাবা নত্রে ইনাক খুনবা মং লিংলদনা?" ইমাগী কল্লক পেনজবা বা হৈদি।

★ বাহল ★

ঐনা ইমাগী অসংগুনবা বাহৈ অসে তাবদা মিৎকী পো অসে থাম্ব য়ানবা শিল্লরক্লু। লায়ববা হাম্বা পল অসনা ইনাক-বৈরাক থুম্নদি মুপী মচা অমত্তু থম্মোইগী বাংমদা থনম্নী। শিল্লবিবা গাবাং অসে মহাক্কীনি। ও কয়াদা চমথবা মুপী মচা অমগী পম্মোই। হন্দক মপোক্তা মহাক্কী বাহৈগী লমন ... "প্রেমগী ভিক্ষা নিজবা.... হাপ্পীদ্রবদি হন্দক মপোক্তা ঐগী চেংলো উবা ফংলরোই, বাহৈ অসিন অরোইবনি ....." মহাক্কা হায়রম্বা? ঐনা করি পাওথুম পীখি ....? ঐ মতোন্দা লানখ্রে। মহাক্কী মুংশি লমন হন্দক মপোক্তগীদা মতনা মপোক ২ থুদিংগী তোল্লগনি। তোনখিবনা কৈ হয়েং মপোক্তা মহাকপু থেংনবা। ঋবে মুসিলা— ঐনা নংবু

মীয়াইবা নত্তে, নাহংলমুক্কী মপোকতা নংবু থওইখিদবনা থোক খিবনি বায়োগনু । নোংমা হায়খি মহাক্না নুংদা নাংকতুনা "নংনা নেত্তি চংথ্রবদি ভোয়বী ঐবুদি নীংশিংবীবকলোইদ্রা ? য়াংহে অদো পুন্সিগী আশাগী মৈয়ানা মুৎথিদ্রিবৈ কাওবা লৈবক্তেংই নত্তে অদুবু ভংকত্রবা নুংশিগী থৌদ্বিনা পুনথ্রবগীদমক ইমা লৈবাক্কী সেবানি হায়তুনা চংথৃগা অমুক থোরকতুনা মহাক্কী য়াশকপু ওইথোক্লবোইং হন্দব মপোক্তা ।" শোইননমক ওইথুগনি মহাকসু য়াম্বিংদবা মহাক্কী । নত্রবদি ভাথৃগনি অয়েম্বা মহাককী পুনসি ॥

নুংশিবগীদমক শিবদি লৈগী দোলাই ভোংবনি ।
হন্নু অথুম্বা অমৃতনি, নুংশিবসু পাপনী ।
কয়বা থৌরিসু নুংশিবনা হুকপা কুন্দোং পয়েংনি,
কিক্লগনু — মহাকপু । উয়বসিকো স্বর্গদা ॥"

ব্রাখলগী ঈপাক্তা লমুক্কররি

চীরোম পুষা মালংবা — ও — ....
অপাম নুংশি কাইনগনি খনবদা রাজরবী
লৈখোক লোইদুনা কেন'থগদ্রা তমিক্লবী
রাখস্তনা তপথদ্রবী, লাইজ ইখো ল্যাংলবী
লাইবক থীবী মহাকপু — করিগী হুমদুরিবা ?
অদুবু - ....
তমলকলত্রনে মংাক্লগী অরাবা ?
কাইনগনি খনবদা নুংশিবা পামজদ্রবনী,
কেনখিগনি খনবদা পোমশাৎনজরবনি
থাবনা শ.ৎকাইরবা, লৈচিনা কুপলবা অহিংদা ॥

পুর্ণীমা মতুংদগী থাজগী মাইথোং অদো নোংমা নোং-মগী মরেং তারকপগুম ব্রাখনা কণ্ডাওনরবা কণ্ডাওমরিবীশিং অদুগী পুমনী অদু নুংণ্ডাইবগী চাং হন্থরকতুনা অরাবগী মৈচাক্লা পুনশী লাইনা ওইবক্তুনা মকম ১দা অমুক লেপ মচি ১দা থম্ব ফম অণ্ডাওবী মন্ত্রগা ফুম্বংনবা হায়বদো ওইহল্লি। নুংশি মৈচাক ফংলবা রাখল নুংণ্ডাইতবা লাইবক কমাগুবনা চাবা থকপগী আশা তৌরমগনি ? নুংণ্ডাইবা আশান! মাংখিবগা লোয়নবা মীওইবগী লেমজনকম ওইরিবা উমশাবা কুপলবা শক্তম অতম্ব মাংখিরোই খনত্রা ? শারবা কালেনগী থাবী মৈশাদা মরু য়াওদ্রবা পাম্বীনা অবোবা য়েম্বিং হন্দুনা বসন্ত ইচিক হুনবদা মালং খোংদোই ইনবগুম নোশা জগোই শাররোই।

অদুগা পাংথক ওইরবী মুজা মহাক্কী রথল পুকচেল্ল করম তৌরমাখগনি থাবল্ল শাৎকাম্লরবা ঔচিক হুললবা অহিংনি মুংশি রাংৎক্তুনা অঙাওবীগুম ভুমিনা ভুম্বা মাত্র-ভুনা তপনা মপাল থোরক্লি অদুগা থাজগী ইংলবা মাথ-থোংবু মুননা থেং লুরু কং অমুক হয়গনি. শংবানবা অতিয়াদা মদোম থেকংলবা থাজবু উরগ অহাংনদুম পোদোক কয়া নিংশিংলকভুনা মৈৎরাংপগী লেপ্তুনা দিপ শিন্দুরকল। মাসিবু চিকনা থোকপা থাজগী মরাল্লা ? নত্রগা অংহ দা লাপনা ভম্না থোংলবী চেকলা ভামংগী মরাল্লা ? চিক-লবা মফমদা মুংশিগী মৈচাক্তি ফিৎবুপ পুংশিংগী করুক চাম্মা ২ হাপকৎলক্লি ফিৎবুপ অমা লেম্না ভমংক্তে পুরা মাইথোঙ ভনিক ভনিক চেংল্লোরক্লে পুংদ মপাংগী লৈহংদ মথোংদা। মফম অসি য়েংরগা মুংকত্রা থল্লম্মী — অত্তবু মরাবন মফম অসিদনি মুজাগী শাস্তি পীনবা মুংশিংকী মহৎতা ওয়ং ওয়ং ওংলবা নিংঙমদবা রাহৈ কয়াগী থেংল্লেল মক্তা ভাইরমলে। তাবি থোক্লেলদো লেপ্তুনা ভঙক হঙক ....

"লাইবক চাওবী মুজাও কবিগী অরাবা মাইথোং পুহুনা থেংলবা অহিংদা কনাবু থিগদবগী কোক্লচেল চেল্লি. নত্তে মুসিলা .... মতম লোইখ্রে । ইনথে, নহাক্কী পম্মোগী য়াথং। নহাক পোকচবগী মহৈনি মথোইগী য়াথং ভাকপনা।

হা ... হা .... ও । মু সি ল ।

খুজেং পামোইনহল্লগা ইনখ্রোকে — মশাবীগী মতুং — ঐদি লাইরবনি, ঐদি শাগৈগী অতোনবনি — নত্তে ওল্লোই অদিয়া ?

হু' নত্তে, নংবু পুগনি মঙ ঐনী য়াশক ঙাকলমখিগনি — অমুক্তা হৈংথোকখোনে ইশানৌও .... মিৎলুগী পীয়াংদো ॥

য়হৈং অদু থংহোদনা লেপথুবদা মাংইকৈ মখিমক্তা কে'য়না কোয়না য়েংলক্রি, কনা উদে, কনা লৈরমদে। মতৌ অদু উবদা সুজাগী থম্মোইদা তুজু বনা ইকৌরক্রে, খিপাই চাওবী থম্মোইনি ! পাঙ্গল শোংবী সুজানি !! অদুবু থোনা ফবদি হেনগৎলকএ। মকম পুদিং মাইকৈ কয়া লৈন' লৈবা চৎলক্রে, সু'শিবগী মালংনা সুজা থুকেং পাইথরে — ফুগাইনা শাৎলিবী অখস্নং মমাংবী লৈরাং অমগী মনাক্তা চংশিন্দুনা হংলুরি।

"হায়মু ইভা — নংসু ভাহোরিনী খোঙ্গেলদো কাদোমদনো কনা লাকপগে ?" কদাই মহাক্কী পাওথুম ! ওইথুবোইদো সুজা' য়েকনবা, পাওথুম ফংলক্রবদা শাওরক্রবী সুজানা লৈরাং অদুবু থাংগুথক্তা য়াইবী লৌরগে মভাগুম লৈকা পাইদুনা হেক্কে ভৌরক্রি, থংহোদনা অমুক লৈ অদুনা সুজাগী মাপদা য়াহৈ কয়া নিক্রব' খোঙ্গেম্না হায়রকলে।

★ ঐস্ন নংগুম নিংবা কাইরবিনী; মিৎকুপকী মোকপা পুন্সিদা সুংশিবা মহাক্না লাক্রবদা য়ানা থাংজবী ঐনি। ঐবু হেকনু .... হেকনু .... হেকনু ! ★

লৈ অদু থাদোক্রমা সুজা তপনা তপন; মাইথোং লৈথৎলকতুনা লৈপাল অদু চেৎনা কোম্দুনা কপমিন্নখ্রে। য়াদি অমত্তা ঙাংনদে কোম্দুনা কপমিন্নরি। অরেপ্পা লৈতবা পিগী ময়ক্তা মচাদো থুমহৎলবা মায়থোংনা থাংগমদবা খোনজেম্না তমলকই লৈমাই।

"হে লাইবক চাওবী ইভাৱোই বংস্থ ঐগুম মিংবা কাইরবিনীকো।

ওইদবা রাশকসে থম্মোইগী লাইমন্নিকো বংস্থ নদোম খাংহৌরো ঐস্থ ইদোম খাংলুরগে পনফত্রে মতমসে"

লৈ অড্রবু থাদোকতুনা মহাককী কা ভাগ্ন চংলকই। পলেম পম্মৌ ভাখিনিন্নু মিপাইদে। তপনা ২ 'চিম্ভ' পুদুনা ফমথন্নি। খদাংদা থুংনা শৌরুতুন' ফক্লাং অড্রবু হৌরক্সু মভাগুম য়েংলি। ফুইন' হোনবা শোরলক্তা অমুক অমুক মিংশিংলক্লি, হৌণ্ডবা রান্নি মাংদা শং শং উবগুম।

"অপংবী শাওগনবি, য়েংভোই ফাগী ভোবসিদা"—

ঐগী লেংভুংদা তপনা কোয়দুনা পাওখুম পীরকই। "মীওৎপসিদি" অদুগা চেক্তেৎ কোনশিন্নখি মাতুনা পেন্নক-ত্রতুনা মাগী চিন্দা ঐগী চিন্না চুপখি ওক্তি ফাওবা। মহাক্না মোমোন নোকখি।

"সুসিলা ঐদি হায়বিবা রা হোংলোই, নংগী রাথন্দী থংদে।"

ও! নংগী হায়খিবা রা লোংদ — ঐভন্নি, মহাকনা তপনা শোন্নকই।

"নংনা থম্মোইদ' লোতলিবা ওক্তিক্তা, নোংমনি শোঙ্কনা মপালথোংগী লেমজনকম ওইরগনি, মতুং য়েংভুনা করাম কুইনা হিংথো হায়বগে?"

ওক্তিংনা হায়রকই — সুসিলা মংগী পাবুংনা হায়রিবা থুদিংমক অসে মহাক ভাক্লরোইদ্রা?

সুসিলা — নত্তে ওবা রাহৈ অঁদু নচলদি কবিষতা ভাব ভাবা ওমলত্রে।

ওজিৎ — ঐনা হায়জবদি অহনশিংগী মাপং মতুং ইন্না নং ঐগী প্রেম ···· ।

সুসিলা — ও, অদুগীদমক্তা। অদু ওইরবদি ওবা নচৎলবু য়ারোবীগনু — ঐহাক কনাগী মথা পোক্তজরিবনি, মতম থরা ···· ।

ওজিৎ — থংজবে সুজাগী পূকচেল ····। মাহৈ অশিনা ওজিৎকী অরোইবা ৱাহাংনি, মাগী পুক্নিংদা সুসিলাবু নমদুনা লোগে হায়রবসে মাগী ৱাহাংনা সুসিলাবা লায়রা থ.এ' ওৱাংথ অহুম্ নিংশিংলক্লি মথং মথং ॥

মোৎথ্ৰবা মতম অদুগী ৱাহাংশিং অদুনা সুসিলাগী নাকোংদা তোইনা ফোইনা ভংলরি। খাংকম থংজবা সুজাবা অঙাওবীগুম কন্থ্‌রাদা চংশিন্দুনা হিপথরে। ১০ টা কোবী লাইরেখী অদুনা মরৈ লিশিং তমলগা পাইশিলকহুনা য়োংথুমাগে — সুজাসিবু অরাবা কয়া থাদোকতুনা সুংডাইনা তুমখুন ভাগ্নরি। সুসিলা নথুন্তা য়েন্দাই অমা পায়রদুনা মংগী নৈরাং কয়া হেকপা থোরক্লে ॥

মংগী নৈপাক্লি !

নোং স্থাপ্পা কমা চুঁইগ। নোংময়ক অদুদা কমাঙবা নিপা অমনা মশাদো পুমচোৎ চোৎলদুনা লাক্লিবদো সুসিলাবা উত্থী। মাদু উবদা মহাকী থম্মোইংদুংদা সুংশিবা মখল অমগী চাংদো থংহেন হেনগৎলকই মাদুগা লোয়ন ২মা নোং কপিল্লকপা অমমুং অথেক থাঁরাওনু হেনগৎলকই। সুপাদো কঁরিন্দা যোশাদনা লাক্লি। মাদু উবদা সুসিলাদি মতোমতা মাজোলদা ক.ও ২ চোংর্দি।

সুপা অত্রা পর্বন পরপ চংশিল্লকতুনা মথোয়গী মমাং য়োশিল্লরবদদি খাঁতে কনাসু মৎলমত্রে শ্যাম ওইরমদে।

শ্যামবু উবদা মহাকনা ফিংনা হায়রকই। "হৈমা ভা শ্যাম কদাইদা চৎলুরিবনো নোং মরক অসিদা কাখৎলকউ।" সুসিলানা ইল্লিবা চি মতেক অদু শ্যামদা পীগদবগী তোই। মতু উবদা শ্যাম্না হায়রকই। "ম্নারগনি সুসিলা চৎলগে রাজেন্দ্র' ঐবু থোঙ্গান্দা ঙাইহৌরি সে মাসি নঙোন্দা থরা পীরম্মু হায়দুনা লাক্লিবনি।" চিঠি অদু মঙোন্দা পীশিল্লি সুসিলা মাদুবু ম্নাম্না ঙকনা বা অমত্ত' ঙাংদনা লৈরি। শ্যামসু বা অমত্তা ঙাংলমদনা মনুস্মক সুসিলা চঙকনবিৈডদা থোকখিরম্লে সুসিলা মদূবু উহৌত্রে। অদুগা ভপনা ভপ্না চিঠি অদু কাক্তোকতুনা পাবা হৌরকই। চিঠিগী অয়াংম্বা মরোলসু নোংনা চোৎখিদুনা ইচাই চাইখ্রে। মরেক থব অসিদি চোৎলমত্রি।।

সুংশিরবী মরুপলোই।

পম্মোকোন্দা কপতুনা লেললিবী সুজাও, লাইথক থীবা পাখংনা সুজাগী রাশকপু ঙাকচগে খঙ্গদুনা পাইমা রাহৈ ২।৪ দং হায়রূখি।

সুসিলা ঐ শোইদনা মংনা হায়রবা মতম অদুমকতদা লাকে মহাক শোইদনা থোরকউকো। চংলকতুনা রাহৈ কয়া মিৎকা মিৎকা কোংলোকনগদবসু ম্নাখিদবা মতাং ওইখ্রে রাজোগসু।

পুম্নিসিমা —
রাজেনগী সুসিলা।

“রাজেনগী সুসিলা হায়বা মমেক অতুম্ম মচাই ২ মশেল মরাং তৌরম্রে। মাতু উবদা সুসিলাগী থম্মোইদা থও-হৌদনা অরাংবগী লৈচিন অমনা কুপশিল্লকখি। তংনজা অসিদা ওঁজং চংলক্লুনা মাগী মখুত্তুগী চিঠি অমু লাক্লুনা চেনখ্রে। সুসিলানা মাবু তাম্মরম্মী। তৌইগুম্বসুং ওঁজংনা পাগদবগী শৌরকই। মতু ফংলদুনা সুসিলানা চে অমু থংপাই পায়-শল্লগা শেগাইখ্রে। ওঁজংনা মাম্না ইকাইনা হায়রকই

সুসিলা শেগাইগনি থংলমলবদি পায়জরম্মোইদবনি।

সুসিলা মাগী বাহৈ অমু তাবদা য়ামনা নিংতমদবা অমদি শাওনিংবগা লোয়ননা হায়রকই।

“শেগাইরোই হায়রবসু মীগী বা তাদনা থক পায়বীগনু।”

“ইস সুসিলা য়ামনা ইকাইজখ্রে এরনা অমুক শিংবা য়াদবনিনা শাওনিংলবসু তোক্লো। বাহৈ অসি হায়রমলগা ওঁজং মাগী কাদা চংখ্রে। সুসিলানা মাবু অশাওবা মীংথেংনা মুম্না য়েংহৌরি। সুসিলা মুৎখিবা মমেকশিং অতুনগা থংদবনে — মুমতুনগা শেগাইখিবনে কপনাং ২ তৌরতুনা মপাল থোরক্লি। মহাক্না মপাল থোরকপদদি নোং অমু হাংখিতুনা আতিয়াদো পুমহাং হাংলমলে।

কুজা চাক্কৌবা

লৈংথাক্কী কেল্লবী লৈবাংনি,
য়েংচকম কংদ্রবী উরিনী
মপাং কাম্বনববী চেরাংন ।
থবায় মাওদবী মুত্তিনি ।

নোংজাল্লমদাইগী শক্তিক্কা লোইনবদা কোংলৈহনবা মুখিংনা হাংলবা নোংশাক থংবা নোংমদোল থকক কনা ২ ভান্দাংখ্রে । অথুব কোয়রৌ মন্ডল উবদা মকম পুদিং ঠবা হোয়রতুনা পোক্তা চেক্লা কয়াদা হংঙি মথোই কাবঙুম উপথক্কা লোংতুনা খোংলক্লি অসিগুমবা নিংশিঙবদা অহুক অদুদা অমুক্তা হেন্না কঙ্গঙ্গরনা লাকতুনা মপু মচাক্লা নিঙ্গোল কনগী মপাম চাক্কৌবা হায়বা পুংচা অদুনু ওইখ্রে । কুজা ওইবা কয়াগী পান্থোইনা মমা মপাগী কোন্দা মনিং চন্না হোনজবগী খুংজাইবা খুদিং কয়াদো হোংজবদা নিংশিংজনবগী মতক শানা কুপলুবব যুথল অতু হাংদোকপাৰক্লি । মনা অমনা অসি-গুমলবা খুদিংশিং অসিনা মমা-মপ লৈজবদগী চংচবা ফংলরোই হায়না লেপ্পা ২ কপলি । অদুগা থরা অমদি খুম্না হনাও ভয়ামনা নোকচরি ।

এৈগী মনলবা থাংপোক্কী পিরবা কানি । ইমানা ধুপ মেক্রুক থাত্তুনা পুজা কৎলি । অদুগা মরক মদক্তা হিক ২ ভাদবা খোঞ্জেল কয়া তারি । এৈ ফি শেংপা হোংনরি । ইমানা মরক মরক্তা অফাইবা খোঞ্জেলনা "ইমাগী ইবুংঙো মতম

খুদিংমক্তা নপা অমদি নমাবু থাদোককম্ম মথোয়না নংগী লাই-পোল ওইগনবনিকো !" ইমাগী বাইচেন তাবদা থাম্বা য়াদনা মংকী পি শন্তর্য়ক্লি। কায়রবা থম্মোই — কয়মনা ইমাবু থাদোকলমদিগে থয়াংদগী হেনজরক ইশুং লাংগী বাক্তা মহাকপুম্ম।

"ইমা পোকপদগী ভুমিগাউদদা মুংঙাইবা ফংলক্তবা পুন্সি অসি লোংমদা শেংদুনা মুঙ্গেংকদবগনি, অনুক বাবা অমক মুংঙাইবা পাম্মী ... ইমা ইচাগীম্ম ? ঐনা ... হেক ২ নোকপদুন্নে "তনলকউগনি ইমা !"

ইমাগী পুগা লোয়বনা মৈদেন লোকলদুনা চেংনা কেংবা তুনা হায়রকই

"চাগী ইবুংঙো — কৎখিগী কমলক্তনি, চংলো ... লৈতেং — নকোক ফাওবা চিকলকতনা হয়রকউকো — হন্না ... ইমা ইচা মুংঙাইমিন্নবিগনি।"

লৈ...ক পামেন !
... মৈচাক কোকনবা
চংচাবা নপাব — ।

অঙাকা পুং মাপলোম তাখ্রে।

... ওইবা কয়ানা হয়াও মথোই কাদুনা লৈজবা ফি-বোল শেংদুনা মপারি মমোম মাদা থা পাংলক্লি মপাম মায়কৈ। থরা অমম্ম চংখ্রে মায়কৈ অমদা। ঐম্ম চংলি অরাবা মাইথোং পুদুনা — । থংহৌদনা ঐগী মীৎ অনিমক মফম থঙদনা চোংলকখি।

অমোখোইগী থোঙ্গান্দা পরপ পরপ চংশিনখি।

মতা চাবগুম সুমো পুখ্রি মপান্দা কি শুত্নুনা লৈরম্মী। ঐনা মাব উবদা ঐগী অরাবদো লোংনবা কন্না হোংনখি। ঐহাক মিংকুপ খরা রা ঙাংদনা লেপলী। অদুগা ফাগী ওইনা ঐনা ফোংদোকনিংলকপদো ফোংদোক্তনা হায়খি।

আই, সুমো নংদি চাকোবা চত্তবাইরে ?"

ঐগী খোঞ্জেদো তাবদা শকনা য়েংখোরকই, অদুগা মোমোন নোক্লদুনা হায়রকই।

"কদোমদগী লাক্লিবনো ?" চাকোবা ঐত্ত হংক-দবনি অতুদা ঐখোই ইমানা য়াদ্রিবা !"

ঐনা মাগী মনাক্তা চংশিন্দুনা লেপ্পী। অদুগা রা মখা হংখি।

"কৈদোবগী য়াদ্রিবনো ? মদি সোরোক্তা য়ামনা চংহৌই !

"লৈশাবী ফারে হায়দুনা য়াদ্রিবা !" মহাকী মোমোন নোকপা পাওথুমনী।

"হোইদা — অত্রবুদি নংসু পংকুইদি কুইদ্রপোংনি !"

"উং" মহাক্না মঙক নোমলগা ইকাই ইকাই খুমলকপা রাহৈনি অদুগা কিদো অমুক শুরি।

"য়েংঙোই সুমো নখোয়গুম্বী নমাম্নবী কয়াদি নিংঙোল ওইদুনা চাকোবা চৎহৌই ঐদি মাদুবু উবদা নখোয়বু পংমুংডা সুংশিখ্রে।"

মহাক্না নোকলদুনা ঐগী রা অত্তু তাবদা খুমলকই।

"রাজেন অসিগুম্বা নিংঙোল কয়াগী চাকোবা অসি সুসিলাসু য়াওহনবীরো মহাক্কী চাকোবা পামজমনখিদুনা মখোইগী মামাদকা চাকোবীমু পংহায়দা হায়"

মুমোগী অসিঙবা বাহৈসি তাবদা থওহৌদনা থম্মোইদা থুক লাওবা অমা কাওয়কখি ঐ না পাক ওম্মোকপা ওমলক্লে থম্মোইসে তমিক তনিক্লে।

"মুমো না অমৎতা হায়রগে।" ঐনা তপনা হায়খিবতি।

"হায়মু করি বানো?" মহাকমু ঐগী মতৌ অহুদা ইথংথংনা হংলকই।

"অহুবুরো অরুবা নত্তে ....

মহাক্না ফি অদু শুবা লেপলহুনা থংনিংবগা লোয়ননা হংলকই।

"ঐগীরো?"

"নত্তে মুসিলাগী —"

"হোইনে হায়রগে করি বানো?"

"কৈগু লৈতবা বানিদা?"

"অ নাকন্দগী নহাক্না বা অমত্তা হায়বীদবতুদা মহাক্তি কপতুনত্তা লৈরি"।

"ও মহাকনা মঙোন্দা করি করিদি হায়রম্মী — ?" ঐনা ঐগী বা হায়রিবা মঙোন্দা ওন্দিন্দুনা হংখিবনি। মহাকনা হৌগৎলগা ফি অদু মুংশাদা কৌনা কৌনা হায়রকই।

"হন্নক্তি মহাক মাক্না পোংখ্রে। অদুগা মাদি মানিংদবা ওঁৎকা লৈমিন্নগদবগী শরুকপুদি হু চারগা শিগনি হায়। অদুদগী অমনা নখোং পায়দুনকাও হায়রখিনি মতুম্না অরোইবস্ত ওইগনি হায় মায়রগা শিবা মহাক্কী অরেম্নি। মাম মাম্মীনে মানা হায়বনরো লোইনা কাওখ্রবনি। কাক্লেন মহাকপু খাদোকপীগনু। মহাক্তি নহাকপু মাক্না মুংশিজে

অঙকপানি মহাকী রাখল।" মহাকনা ঐগী লাক্লিবা ফিভম অদু মুন্না য়েংলগা অমুকস্তু হায়রকই।

"নত্তে রাজেন নহাকপু কদাইদা চৎকদোইনো?" হন্দক্তি হাংলবা অ'ন্সয়াদো নো° মতুম মতুম পাইশিল্লকতুনা গুরুং গুরুং থেংগাইনরক্তুনা মালেমদা থক ২ নিক্র'ক্লে।

ঐ মাগী পাওথুমদো থুংক্তা পীবা ঙমখিদরে। কায়-রবা আশাগী মীৎলুদো' পিনা থুমলক্লে। মহাকনা লৈরিবা মফম অদূ ফ'ওবা তশেংনা উখিদরে। মিৎকুপ্ শ্ৰগী মতুংদা ঐনা ফুনগংলবা খো'ঙ্গম্না হায়'খি।

'সুমো কোম্না থংলক্কনি মরাল লৈরবা লৈয়েং অসিনা নংগী নফমদা অচুম্বা রাইহেদো' ফোংদোকপা ঙমখিদবে"

'নত্তে রাজেন .... !" শোম্ব'ংনবা রাইহেনা ঐবু য়াম্না মুন্না য়েংলক্লি। মহাককী চক্লবা মীৎয়েং উবদা থুমহৎলবা পিরাং থরদো মালেম থক্তা তপ তপ তাখি নোং মংলবদি থাজগী মায়থোংস্তু থুমখি। অর্থ থংদনা মীনা কল্লি হায়ত্রনা হেকতা মতৌ তমগনবী সুজাগী থম্মোইনি নোংজুখা য়ৌরক্লবদা লেপ্পা লৈতনা চুথরক্লি নোং! সুমো অমুকস্তু নিকলবা খোন-থাংগা লোয়ননা হংলকই। "রাজেন কৈদোরবগে নহাকনা মিতুগী পি শিন্থক্লিবা? নত্তে মহাকনা কল্লি হায়রকলবগে? লোত্তনা থমলগন্ন ....

হন্দকতি মহাকী পাওথুম ওইনা ফুন্নিৎ থাওদগী চিঠী অদু লৌথোকলগা হায়রম্মী।

"সুমো মাসি নংনা মাঙান্দা অমুকতা পীথো'।"

"অরম কব্রিগীনো?"

"কোম্না নখোয় অনি পামিন্নরগা থংলককনি।" ঐনা

পিরাংলক্কা যেমোন নোকলড়না হায়খি।

"কৈদোবগীনো অমুক্তা হায়যু!"

'ইচলগুম সুংশিজববী সুমো ঐনা মংগী পাওথম পীবা গুমদয়ে হংলকলগদ্রু পীদা পীরুসে। নংনা ঐবু সুংশিববদি য়াফম থোকই।"

ঐগী ৱাইহ অসি তাবদা সুমো বা অমত্তা ঙাংলকখিদয়ে মমাই অদো তপ্পা ২ লুকখখে। ঐগী খিংবা য়াত্রবা মীৎকী পিনা চিঠি অড়গী মথক্তা তপ ২ তারি।

'রাজেন — মহাককী সুন্দিলাবু থাদোকপীগদ্রুকো!" মহাকনা কপনা ২ হায়রকপনি।

"থাদোক্লোই মহাকপু ঐগী বাথম্না — অরোইবদা সুমো ঐনা চৎলমদাইদা অমুম্না হায়রম্মী তম্মৃকো — রাজেনগী থম্মোইদদি মেৱাগী থাবল কয়া থোকলবস্ত লৈচিলনা কুপশা থাবলনি; অড়গা সুংশিবনা থোরাংনা ঙাইজবদি কায়নবনি— কায়নবসিনা মা ঐগী অরেপ্পা রাশককী পম্মুংমি!"

মহাকনা ঐগী বাবিদো সুংগী মূর্তিগুম লেপ্পুনা তারম্বদগী তপনা তপনা লেংলকতুমা হায়রকই।

"ইস .... রাজেন!" মহাককী ফুইনা হোনবা শোরলক্কগীনি।" নখোই অনি পুনসিগী দমক কায়নরগদবা।" রা মখা তারকখিদরে।

সুমো মহাকপু থয়া থেমজিনবীয়ুকো মপোক ১গীদমক মাবু ঙাইক্লরগে।

সুমো লৈহোয়ো — চৎলগেকো।" ঐমা চিঠী অড়

মাগী মথুত্তা পীরম্লি অদুগা পেনবা লৈতবা য়াহৈ অদুনা মাবু অগ্নোইবা পিরাংলককী মীৎয়েংনা পুন্সিগীদমক লাপনা বীপায় পীরম্লি। মাদু ঐবু ভনিক ২ পিনা থুমলবা। মিংল্লা অদুনা মিৎকম হোংদনা য়েংহৌরি॥

অমুকী পুং ১০.৩০ রোম তাখ্রে সুসিলা মমা—মপা অমদি ওজিৎপু চাক পিজরম্লগা মাদি চানিংত্রি হায়ত্রুনা মাগী চিক্লবা কাদা চংদুনা তুমিল্লা ফমলি। তাঙ্গা অসিদা সুমোনা সুসিলাগী মনিং ফম্লবা য়াথলগী অচিকপবু থুগাইনা "সুসিলা সুসিলা!" হায়দুনা মাগী মনাক তাম্লা চেনশিলকই। সুমোনা শোয় মপী শাংনা হোল্লদুনা মমিৎ তঙাং ২ ইপোম পোমবা চেনশিল্লকপদু উবদা সুসিলা মতকাওনবগুম কম্লবগী ফুক হোৎংলি। সুমোনা য়ামথা ফিংনা হায়রকই।

"সুসিলা পাবুংথোয় লৈব্রা-?"

"লৈ" সুসিলানা ওকনা পাওথুম পীখিবনি।

সুসিলা য়াজেন্দী ---- য়াহৈ অসি হায়রম্লগা সুমো হিক হিক কপলদুনা টেবল মথক্তা তাখ্রে। সুসিলা য়াম্লা ওক্লা মাগী মনাক্তা চংশিন্দুনা সুমো কৈদোৎবগে?" হায়না মাবু মপাদা পায়দুনা চিথৎলি। হন্দক্তি সুমো পাওথুম পীরকখিদরে, অদুগা সুসিলাদি সুমোগী পাওথুম কংলক্ত্রবদা নোং মংদনা ত্রজ তারকপগুম তোথ্রে। য়াজেন্দি হায়বঃ য়াহৈ অদুনা হম্লা হম্লা ওৎলরি। অদুগা অমুকত্ত সুসিলানা হংলকই। "নত্তে সুমো মহাক কৈদোৎবগে?"

সুমোনা তপনা চিঠী অমা লৌথোক্লগা মহাকী পাওথুম ওইবা মতোন্দা লানসিল্লকই। সুসিলা মাত্থু ফিংনা কাক্তোক-লগা পাগদবগী তোৎকই।

মরোল —

লাইবক চাওবী খুজাও।

নহাক্কী মকমদা ওসি পাখং লাইবক থীবদা পুন্সিগীদমক বিদায় নিজখি। হন্দক মপোক্কা লায়রা মপোক ওইখিবনা খুজা নংবু য়াহৈগী য়াংমদা পুরমদরে য়ারোগথুকো খুংশিবী! ঐগী লায়রবা থ খ্যাইনা নংগী মতৌ য়েংগদবগী শরুকপুনি নং" খুংশিবগী অকনবা য়াখক পুদুনা ইমা লৈবাক্কী লানকখদা পুন্সি ওসি কৎলুরগে—লৈহৌরোকো।"

সুসিলা চিঠি অদু পাবা ময়েক উশিল্লক্করে, পিরাংতনা থুমখিবনা অদুগা য়াহৈ পরেং অদু থেংনরুবদগী মহাক শনজিং কিপ্পরক্তুনা মনশিল্লকপগুম ভোৌরক্নি। খংহৌদনা পুনসিগী ওইরগদবা শোৌবগা লোয়ননা চৌকি অদুগী মখোংদা তুথখ্রে। মাত্র উবদা সুমো কিংনা চংশিন্দুনা সুসিলা ২ হায়না কৌরকই, লোইশুবমুং সুসিলাদি ভাইব গা য়াংমদা চৎপা হৌখিরম্বনা মাগী পাওথুমদো ফংখিদ্রে। সুমো খোক্কেন য়াংনা সুসিলাগী মমা মপাবু কৌরক্নি।

য়েংউবে খুংশিল্লা ?
কোরো থৈমশা কিকনী
পুনসি তেমবী শিল্লারে
খম্মোই' মানজা চারবা
শুকিক থবানা মুৎথুবদা খুংশি য়াখক ভাক্কুনা
পাখ্মু মতুং ইমখিরবসে॥

নোং ভারে ঐনা হোস্টেলদগা হৌগৎলতুনা কি-খোল শেৎ-চিন্নে অদুগা 4 বাটালেন ভামা শরপ শরপ খোরক্কুনা পাকিংলোমদা লাক্লমী। মতম অদুদা অমুক্তী পুং ৮'৩০ য়োম

তাশিংবনা খবর যেংনবা চৎলমাল। ঐনা খবর অমা লৈরদুনা পাবা হোৌরম্মী। থংহোদনা খবর অদুগী ময়াম্ব ওই-রপনা ★ মুক্তা চাকোৱা ★ হায়বা বাহৈ অমঃ থোংনখি, মতু উবদা ঐগী থম্মোই অসে চিংনবা হোৌরকখি। ঐনা পাবা হোৌরকই।

শ্রীমাং নিংথোল চাকোৱা সুমিত্রা কৈরক্কী সুসিলা হায়বী মুপীমচা অমা মথন্তা মাগী কাদা শিন্দুনা লৈরম্বা মহাক্কী মরুপ মুমোনা থেংনখি। মহাক্কী মনাক্তা মাগী য়ামনা মুংশিনজরবা রাজেন কৈবা শিপ অদুনা পীরম্বা চিঠি অমম্ব থংখি। ডাক্তরনা অংনবা মশা অদু য়েংবা মতমদা অস্তুমনা হায়খি। কবিগুম্বা লৈনা অংনবা মহাক শিবা মতমদা মহাক্কী রাজন মুংঙাইতবা অমদগী হাড এংক তৌখিবন। অদুগা মহাক্কী মনা মাগী মুংশিনজরবা রাজেনা মংনম্মু হাৎপন হায়না পুলিসতা রিপোর্ট পীখ।

সুসিলা শ্রীমাং নিংথোল চাকোৱা সুমিত্রা অদুককী পুং ১০.০০ রোম তাবদা মহাককী মুংশিনজরবা মমা মপা অমদি মকপ-মপাং কয়াবু থাদোক্তুনা সংসারগী অৱা মুংঙাইবা হুন্দোক্লম্বগা দমকত নিন্দা লৈখ।

সুসিলাগী মফমদা অৱাবা ফোংদোকখিবা
কককচিং গার্লস হায়স্কুল।

মহাককী মতারোয়শিংনা তেংথাজখি।
বসন্তগী ইপাক্তা খোংদামিন্নরব্বী মরুপলোই,
তাইবঙগী অৱা মালংবা হুমদুনা
চৎলবোই মহাক্তি নপাংলকতগী নতোম —।
কবিবু থম্বুনা,

থাদোক্লম্মী নহাক্কী মপিক্লাসিংবু-?
অমুক্তা হায়বখোনে মুংশিবী !
লমথুং নাইদ্রবা তাইবঙ মালংদা

মুংশি মৈচাক থাংওমদনা বমুং লৈবাক্তা প্রেমগী শান্তি থিববু ফংজনবান মকপলোই ? ও কাওরগনি হায়নথিবা নহাকা চক্ক ঐগা

ইতা লোইংদি নং-এসে ওইরকখিগনিকো
মপুঙফাবী লৈশাবী অমা।

ভংলন নং ঐ লৈশাবী থারক্লে করিগীদমক নংবা ঐবু থাদোক-লিননা ? চাবা কেইব থাখিদবা, হংনখিবা মুসিলা মুমো নংনা বদায়দা মকম চুপ্পন অঃ কয়াদা মুংশিগ্রবা, রাথন খেনবাগী হেনশা

চংলি নংনা রাহৈ অতুগী রাংমদা ॥
ও পৃথমদার মকপলোই নংগী কায়না রাথমা
অত্রবু তার এগী থম্মোয়না নংগী মুংশি বাঙাংদো ॥

চান্নবা নহাকপু পলেম পাম্বগী চৈদ্রাক কিবদগী
তাংবাচ কনা উদ্রবা চিন্নবা শান্তিগী লৈবাক্তা
নশারোই অমদি নংগী মুংশিবা লৈকোয়রি কাওদুনা চৎপবু
ফংলত্রান মফমদুদা নহাক্কী পনথুং ?
উরয়োই, তারয়োই মপোকসিমগী
তামথ্রবা নংগী খোঙ্গেলদো ॥

মুংশিরবী মরুপলোই তারবদি অমুক্তা ঐগী খোঙ্গেলসে থুমলকউনে মহৌশাগী লেম্বাংগুম, করিগুম্বা তারবদি চান্নবী মুংশি রারী শাথিসিনে হম্রকখোগবা অমুক্তদি নহাকপু !
সেকমাই তুরেলগী খোঙবান্দা

ইভাগী নিংথিবা হকচাংদো মৈরাইথিবনা
উরগোইদো অমুক হন্না ॥

অদুবু লাইবক ফবা ইভাগোই নহাক্কী শান্তিগী লৈবাকপু মোরবদা
মরুভূমিবু ওইহৌরবা মভাগোইবু কাওরগে মক্তা থমখ্রবোই

ইভা অকোন অহানবনিকো
যংগা ঐগা লাকমিন্নদবনা
যংবা নদোম চৎথিবনি.

ইভা ঐহাকশু লাকনি ভাইরম্মু:কা,। মোক্লা ১ চামবা কপ্‌' ২
কায়নরি ভাইবত্তবা চৎলোকে। চামবী লৈহৌরগে থিদায়
হায়বা বাহৈসিনা নহাক্কী থুদোল ভমভথিবনি
নহাক্কী লৈহৌবগী শমানবী মভাগোইনা ॥

মসি পাবা লোইরকপদদি ঐহাক মিৎকুপ অমা লেপ্পা ভমশিন্নরুবে। থবাই য়াওরবা মুর্ত্তিশুম মকম অদুদা অতুম্মক কপা "অ ঙ সুসিলা।" হায়না শোলন্নগা লৈমাযথক্তা হায়থত্রে। মতম অতুদা লাপ্লবা মকম অমদগী ওইনা শৌই সুসিলা'না লাওরকপশুম শাখি, মি'মখ' খোঞ্জেলনি— হো .. রাজেন. হো রাজেন ... চৎলগে লৈহৌবাকো হন্দক মপোক্কা নংগী সেবা কংখি'নে, হৌংমুক্কী মপোক্ত' নংগী রাশক ভাক্লগে রাগোগম্প' লুং'শ থংত্রবা মীওইশিং অতুগী মনাক্তা মিৎকুপ অম' নহাকপু ভাইজবা কংখিদ্রে। হো রাজেন লৈহৌদ্রোকো চৎলগে....।" খোঞ্জেল অদু লেপখ্রবদা ঐসু লৈমাযথক্কী হৌগৎলকতুনা মায়কৈ য়াংদা ওন্দুনা "হো সুসিলা - নংবু কদাইদনো-?" হায়বা লাওখি। খোঞ্জেলদু শাবদা মীপুম থুদিংমক ইনাক্তা চেনশিন্নকখি। ভাসাসদা ইমানা ঐগী হকচাং লোমতুনা হৌদোরকই ঐবা মিৎ থংপাও পাওখোবকপদা ইনাক্তা লৈরবা

মী ময়াম উখিদবে। মমবা ঐগী কা অদু ফিজাং শেংপা অকিবগী মপাক ফংলবা শন্তম ঙাক্তা উখ্রে, মদু উরুবদগী অমুক্তা হেন্না থনকম থঙ্গ্রবা য়াথল অদু য়াম্না লাপনা চংপা তৌরক্লে। মখোয়দুবু উবগা ঐনা মিত্তগী পি শিন্থরদুনা লাপ্না চংপগুম তৌখি।

ইমানা ঐবু হোৎনোকপা তারকত্রবদা মীপাইথীবী মুপীগী মপোক ওইথিবনা শেংলবা অহিং অদুদা ইমাগী মিকপুনা কা অদু মিনলক্খী। ঐদি মদুবু তাদনা সুসিলাগী খোঞ্জেলদো তারি, "হো য়াজেন লাইবক থীবী ঐহাকপু য়ারেৎগদুকো।"

"সুসিলা" ঐনা ওনথৎলুরবা মিৎ অদু হপ্পরকতুনা শোললকপনি। ঐনা জ্ঞান থরা তারকতুনা ইমাগী খোঞ্জেল অদু তাবদা য়ামদগী নুংশিবরমবা পুক্নিং অদু পোইনা অহোইনখিদুনা থাওনিবা মোন অদু পিতনা পুমচোৎ চোংলে। ইমানা ঐনা জ্ঞান তারকপা উবদা ঐবু থংকোন কোনশিল্লদুনা হায়রকই। "ইমাগী ইবুংঙো কৈদৌরবগে ইমা নৈরি।" ইমাগী য়াহৈ অদু তাবদা হিক্লবা খোঞ্জেলনা হংখি। "ইমা নোং তাবগদবা কয়াম য়াংলিবগে?" "য়াজেন কুইদ্রে।" ইমাগী অরাবা পাওথুম্নি॥



মনা

য়াংঙলবী তুরেন্দা ঈচেল কংখিগদ্রা রাজবংশদগী খঙহৌদনা কুমগী নোং চুরক্লবদা হৱাও মখোই কাদুনা ঈচেল কয়া চেন্থরক্লি য়েংউ কয়াদা পুক্লিং হুত্রবা প্রকৃতিগী খুৎশেম্মো ? বসন্ত ঋতু চংলক্লবদা মরুকোক্লবা পাম্বৈশিংনা অনৌবা ফেমাং হুন্দুনা মালং পুঙলোন্দা লৈকা জগোই শারক্লি ! য়েংখি য়েংখিবা মাগৈকে থুদিংমক্তা উলেন খাঙদুরবী নীঙোল লৈরাংশিংনা নৌহৌনা অমুক শাৎলকপগুম পুমশং শাংদ্রে । পোখাকম খঙলুত্রবা পোনবী চেক্লা কয়া পে.খাকম কঙলবদা নুংঙাইনা ইশৈ শকলক্লে ।।

জয়ুকী পুং ৯ লোম তাখরে । ঐহাক ঐগী কম্রুংদা হিপতুনা লৈরি । তাঙ্গা অদূদা ইমা চংশিল্লকতুনা হায়রকই । “রাজেন অতুম হিপচিন্দুনা লৈরগনু ঙহাক ঙাহৌ ২ চৎলুদনা ।”

“উং” ঐনা খুমখি । অদুগা ইমানা’মুক অমুক্না হায়রকই ।

‘ইমাদি নুংঙাইরে নহাকী নত্তৌ অসিদ’, নত্তে নহাক কা কৈদাকা ইমাবু খ’দোকতুনা চৎলগনু মীগী পৈশা তোল্লবনু ঐখোয়গী য়ুমগী অরাংথংবা ইখোল মচেৎ অমা লৈখিবসে য়োল্লগা শিংখিগনি; ইমানা নংবু মীৎকুপ অমা থাদোকপা ঙম্মোই ।”

ইমাগী রাইংসে তাবদা পুক্লিংসে ইনৌ নৌই, খঙহৌদনা মিত্তগী পি তারক্লি । ইমানা হায়বা থুদিংমক ঐনা হোইনু হায়খিদে মাইনু হায়খিদে ~~কুম্মিনা~~ অহুম তাখি । ইমানা ঐবু মূরা অমুক্তং য়েংলম্লগা চাক খোংগদবগী চংখি ।

ইমানা চাক খোংবা লোইরমদাই অদুবাইদনি, খঙহৌদনা ঐখোয়গী শুমাংদা হন্না ক্লিপ অমা খৌক্লিল্লকপা মখোল তাখি ।

অদুগা মী অমনা অসুম্না হায়রকই, "কম্না ২ লৈবগে-রা অমত্তা চংজগে-।" সুপা অদুগী থোরেক্কো ভাবদা ঐনা থুমখি। "হো কম্না ওইরবনো, করি হন্দ্রবগে— ?"

"অ রাজেন লৈবরো— ?" সুপা অদুনা হায়রকই। ঐনা মুক হোগৎতুনা যপান্দ থোক্রম্মী ! তৌইগুলক্কং ঐখোয়গী কলেজগী প্রিন্সিপাল অদুগা ময়াং অমগা লেপতুনা লৈরক্লো উরম্মী। মখোয়বু উবদা ঐনা য়াম্না ওক্না নোমুক্না হায়খি "সার কদোম্দা লেংবিরক্রিবনো— ?" ওবা অদুনা "জুম চৎখোয়ক্লিবনি" হায়রকই। ঐ পয়প ২ চংশিন্দুনা চৌকি ১গা মোয়াগা পুখোরক্তুনা মাঙ্গোলদা থাম্মী। অদুগা য়াম্না রেসপেক্ট উৎনা হায়খি।

"সার সোম্দা অমুক্তা লেংশিনবিরকও।"

ঐগী য়াম্না তোনবগী রাওাংসি ভাবদা মখোয় অনিমক হরাও-২ কাখৎলকতুনা ফম্বিরি : মতম, অসিদা ইমানা চাকথুমদগী থোয়ক্লগা মখোয়বু য়েংতুনা লৈরম্মী। মদু উবদা ময়াং অদুনা ঐখোন্দা হংলকই "ডিস আর ইয়োর মাদার—" ? ঐনা থুমখি। "এস সার" ! "সি ইজ ভেরি নাইস" অসি হায়দুনা মতোমতা থিক ২ নোক্লি।

"ইমা ইচে মেন্মাখোয়দগী কাগা চুরুগ্না লৈম্বিরক্কে।"
ঐগী য়াহে অদু ভাবদা ওবা মবকুমারনা হায়রকই।
"করেদা ইবুংঙো লৈহল্লুরম্নুদা।"

"এ সার' কবিমতা লেবা ওমজখিদরে রাংলোবিগম্বু।"

ঐখোয়না বা ওাংনরিরেদো ইমানা মকোক্তা থুক্রি মতেক অহনা কুপ্লতুনা লৈব চংখ্রে। ঐনা য়াম্না ইকাইবগী মওংদা নোক্তুনা লৈরি। অদুগা ময়াং অদুনা মৈতৈলোন্দা লেংকাক্তনা হংলকই।

"রাজেন বাবু নংগী ফাডর শিখিবা কয়াম কুইরে ?"

"ও সার ঐনা পোকপা: চহি ফাত্রিৈভদা শিখে ।"

ঐগী পাওথুম অসি তাবদা মহাক মথবাই শে কপক্তুম শোনখি ।

,'Alas My GOD !"

মহাক্কী মতৌ অসি উবদা ঐহাক্কী মায়থোং অসি পুক্তমখিদরে

"রাজেন ঐখোয়না ভসি লাক্লিবসে নহাক্কী লাইরিক ফবা ১ডি লাইরবগীদমক লুপ খরা ইন্দিয়া গোভরমেণ্টনা মতেং পীরক্লি মত্তু থিনবা লাক্লিবনি ।" ওঝা নবকুমারনা হায়রকই ।

ও লুপ খরা ইতোমতা শোনজখিবনি । পোকপদগী ভসি কাওবা অসিগুম্বা মুংঙাইরবা পাও অসি তাখিক্লি খত্তহোৎদনা ঐগী হরাওবা থম্মোইগী মায়থোং অদো ম ক। লামথোরক্লি । ঐনা য়াম্না হরাওনা তপ্পা হায়খি ।

"সার লাইবক ফবনি !"

ময়াং অদুনয়ুক ঐগী বাঙাং মতৌ অদু তাবদা হয়াম ২ হায়রকই ।

"থেঙ্কিউ বোই" মতম থুদিংমক্তা নশাগী নখৌ মশক থত্তগদবনি । য়ারবাকান্দা নংগী নতেং ঐখোয় শোয়দনা পীগনি কমিমস্ত্রা চিংনগম্বু ।"

অসি হায়রত্তুনা মহাক্না অমুবা লেডর বেক অমগী বোই অমা পুথোরকত্তুনা চেনা থরা ফাক্তোক্লগা হায়রকই, অদুগা লালশিন্নকই ।

"রাজেন... নংগী পৈশা য়েংউ অদুগা নশাগী ফংবগী শোহি পীয়ো ।",

ঐনা মাগী থুংতগী তপনা লৌবগা মত্তু য়েংনম্মী ।

ইংলিস্ত অমুম্না ইরম্মী।

মমা মপা শুনা লৈতবা অমদি লাইরিক লাইশুদি ফবা ভম্বদি ওমদবা মীওইশিংগীদমক্তা ইন্দিয়া গোভরমেণ্টনা লুপা ১২০০ থক্তুং মতেং পীরি। মদুগী মথুংদা শ্রীমাইরাং-ময়ুম রাজেনস্ন অমনি হংয়না গোভরমেণ্টনা মতেং পীখ্র।

ঐনা নোকমি নোকমি তৌরদুনা ইশাগী সহি অমদি লৈফম্না চিংবা ইরদুনা মাগী খুত্তা অমুক পীশিনখ্রে। ভাঙ্গা অসিদা ইমানা প্লেট অমদা কা অতপ্পা থবা অমম্তুং চুরউ থরগা লৈরগা পুশিল্লকই। ঐনা ইমাবু উবদা রাদি হায়দোকপা ওমদবা মীশিংদুদা অমুক য়েং ইমাদা অমুক য়েং লম্মুক্করি। ইমানা চংশিলকতুনা ওয়াংশিং অদুদা কা মতপ ১/১ য়েল্লি, অদুগা মখোয়স্ত মদুদা পেনবগুম হয়াও ২ লৌবিরি। ময়াং বাবু অদুনা কা অদু শায়ন ২ হায়রকই।

'ইমা নংনা য়াম্না রানা নচাবু লাইরিক তমহনবগীদমক অরামম তেম্বাং ওইনা লুপা থমা থিল্লক্নী। য়ামদি য়ামদে হয়াও ২ লৌবিগদবনি।"

ইমানা মদু তাবদা হয়াওবগা ওকপগা য়াম্না হংলকই।

"ও অচুম্বরবে বাবু ?"

"মান্নি ইমা, নংবু সরকারনা মচাবু নিংথিনা শেমগং-লকপগীদমক্তা মতেং পীরক্লিবনি।" মসি তাবদা ইমাগী মোমোন নোকপা মায়থোং অদো পিতনা তনিক তনিকহল্লক্লি। ময়াং বাবু অদুনা লুপা তরাচৎপী মপুল অমা পুথোরকলদুনা হায়রকই। ".সে ইমা লৌশিল্লো"।

ইমানা চংশিন্দুনা ফিগাও শানা য়ারদুনা পৈশা অদু

লৈশিল্লি। মখোয়না ইমাবু সুংশিবা মীৎয়েংনা য়েংলি পৈশা পীরবা মতুংদগীদি মখোয় অনিমক চেৎতুনা চৎকদবগী তৌরব্রী। "ইমা এখোয় অসুক চৎচরগে!" ওন্না নবকুমার মোমোন নোক্রতুনা হায়রক্কই।

"ইবুংঙো লেংঙোকো!" ইমানা পুমখি।

"রাজেন বাবু লৈকৈরোকো!" ময়াং অদুনা হায়রম্মী।

"সর গুড বাই!" এনা মোমোন নোক্রতুনা মখোয়বু মুম্না য়েংহৌই অদুগা মখোয়না জিপ মসুঙদগী মথুং থিন্দোরক-তুনা হাইরম্মী।

নহানমথৈ লুপা অদু লৈতবনা বাকরবা থম্মোই অদু ঙসিদি ফংলবসিদা ইমা-ইচাগী মায়থোংদা মোমোন নোক্রকই।

'ইমা থুরা ইবোত্তোনখোয়গী পৈশাদো ঙসিমক শিং-লুরো, মখোয়গী লুপা ১০০ অদুগী চহি ১গী শেন্দোই লুপা ৬০ থরুনি অদুবু মখোয়না অরাবদা তেম্বাংবিরকপগীদমক লুপা ২০০ অহেনবসে শিংলুরো।।"

এনা ইমাদা মোমোন নোক্রতুনা হায়খি। ইমানা লুপা ২০০ পুত্নুনা থুরা ইবোত্তোনখোয়দা শিংগদবগী হরাও মোমোন নোকতুনা থোকখ্রে।।

পম্বুংফমদা

থম্মোয়গী তোর্বান বাংমদা লেপতুনা
মুংশি লমদম য়েংলুব
পামজবা শক্তমদি লোৎথরে
মিঙজবা মায়থোংস্ত তামথরে
শিমরম্বনি ঐগী পুক্নেং পাইদুনা মালংদা লোম্না
অদুবু কদাই মহাক্তী— ?

তারমদাই কোন্বা পুমিংবা মালেমদা মুনা ২ য়েংলকপা তাংলুনি। কনাগুম্বী মুক্তা অমথক্তা মশাম মনা ইকা ফারদুনা পুথী মমুংগী থরাদ 'নং'কাইবগীদা নক্রগা চুম্না কম্রীত্রা থঙদে মরক মরক্তা লাই ঙ - মু ং দা তারিবা মশাগী মমিদো! মপুং অদুনা হেক ২ চৈথায়রি। মমায়দো মথক্তা মুকয়েং য়েংথংলক্তে, অদুম্মক লোন্দুনা তুমিন্না কম্রী অসিগুম্লবা চিরব মতম অসিদা ঐনা তপ্না চংশিন্দুনা পুথ্রী অদুগী শিরি অমদা ফমলুরি। অদু কাওবা মহাক্তি ঐ লাকই হায়বা থঙথিদে।

মহাক ফুরিৎ লিংতে, মাগী মশাদা ফি হায়ববু মান! শেৎলিবা ঈ মচুগী ফনেক অদু হন্নি। তোইঙুমলুং চিংথৎতুন শেৎলম্বা অদো নাম্থিদুনা তজ্ঞৌ তজ্ঞৌরবা মনঙল অদু শম্লাং থরন কুম্লি ২ তোরদুনা লৈবদু ঐনা উবি। য়েংবদা মিৎকম হোংঙমদে, বাথল চাওরবা কনানা হাংলব অতিয়াদা অপাবা লৈচিন্না থাজবু মুক্তদু উরগা মহাকী বাথন্দা শেন্দবগুম মাগী ঙৌপ্রোক ঙৌরবা মনঙল অদু উবদা থ ম্মো ই মু ং দ।

ইথিল অমা খঙহৌদনা ফাওরকখি। এনা ভপ্পা মী কোয়েং য়েংলগা শিন্নি অদুগী মনাক্তগী লৈত্তুম মচা অমত্তং ফক্লত্তুনা মাগী ফি কুপ্তুরবা পাক্তক শাংভক ভৌরবা মনঙ্গল অত্রুদা থাখি। মহাক্না খংপ্রেক খংনা "ইমা....।" হায়রগা হঙ্গংনা য়েংখৎলকই। এবু উবদা মহাক্না হনা৭বা অমদি পাখৎপগা লোয়নমনা নোকমি ২ ভৌনা য়েংলয়গা মাগী কোমলিবা ফি অদো শেমজিল্লম্মী। এনা থিক ২ নোকত্তুনা মাগী মনাক্তা ফমথয়গা হায়রম্মী।

"থর! মুংঙাইবিরিত্রা- ? চিক্না ফম্বিরিবসিবু ??"

"অহোয় হৌজিক্তা মুংঙাইংৌদনা করম্বা কান্দা মুংঙাইগদগে— ?"

মহাক্না মোমোন নোক্লত্তুনা হায়রকই। অত্রগা ঐনা অমুক থুমখি।

"মুংঙাইবিয়ু—মুংঙাইবিয়ু!"

'ও, অদোমস্থ ঐখোয়গুম্বী কয়াগী মুংঙাইবা মতৌ উবদা মুংঙাইবিরিনিয়ে।'

"অহোয় মুংঙাইতদি— মুংঙাইতে হায়রত্তুনবু মীগী নিংবা কোকহেক থুগাইরুগত্রা—?"

"কনাগী" মহাক্না খোইরাংননা হংলকই।

"নংগী!" ঐগী লম্মুক্তবা পাওথুম্মী।

"হোয়" মহাক্না নিংঙমদনা হায়খি।

মহাকী মাঙাং অমদি মতৌ অসে উবদা ঐহাক থরদি মুংঙাইখিদে। ইবাম্নিমক বা অমত্তা ঙাংনখিত্রে, মিৎকুপ থরদি পুমচিক চিকখি। মাঙাং কায়ন চয়বস্থ মুংশিবদি থাক থাক হেনগৎলকই।

"মী হায়সে মশাগী কায়রবদি অমুম্না ভৌবোইয়ে?" ইথত্তা শোপ্পবনি।

"উম মীওইবগী হৌনশানি মত্তুদি। কনাদনো হায়রিবনু ?"

"ইথন্তা হায়জবনি, নাঙোন্দা নত্তে, হংবিরকনু।"

ঐগী মঙোন্না ওইনবা পাওখুম্নি।

"মীওৎপা" মহাক্না হায়বকই।

'মাম্নি ঐহাক্তি মীওৎপনি মতম খুদিংমক্তা কাংগবিগনু'

ঐগী থরাই সুংডাইরবা পাওখুম্নি। সুসিলাগী মায়থোংদ অদা ঐবু অমুক্তা নিংঙমদনা য়েংলম্নগা লৈপোকখি।

'সুসিলা মীওৎপা ঐগী ব্রাথন্দদি কনা অমত্তনু অরাংনা লম্নীদা লমজিংখিদ্রে। 'ও মামি ঐ মীওৎপা!' মহাকনা মমায়দো নোকমি ২ লৌত্তুনা লৈশিন্নরক্লগা অমুক হায়রকই।

'মহাকপু মীওৎপা নত্তে হায়বসিদি ঐদি হায়বা ঙমজরোইয়ে— ও সুংশি থদুদবও।' ঐ মাগী ব্রাহ্মংশিং য়াম্না নোকনিংই অদুবু নোকথোকপদি ইকায়বনা ঙমদ্রে। তারমদাই কোরেগী মশেক্না য়ৈবদা ইবাম্নিগী লাইজম্ন দা আরিবা মীরেন অদো তশেং তশেংনা উরি। তৌইগুম্নসুং থঙহৌদনা মালংনা চুমলকত্তুনা মাবেনশিং অদা মথেক ২ মচোই ২ তনিক তনিককলক্লা। মদুবু মহাক্না মুন্না য়েংলগা শোম্নাংননা হায়রকই।

'ও, লাইজমুংদা তারিবা মিরেন ফাওবা অরেপ্পা লৈখিদবে....।' মহাক্না নিংঙমদবা রাহৈনি।

'পুম্নমক য়েকনবা তারব্রা ?' ঐনা ফাগি তৌদুনা মাগী মতৌ অদুদা হায়খিবনি। ঐগী রাহৈ অদুদা মহাক থিক ২ নোকলকই। ঐসু থিংবা মঙম্রদুনা নোক্রমই।

'ইঃ ইঃ মীগী মতৌ তমদুনা নোক্লিসে, ঙকত্রা।'

মহাক্না ঐবু মুন্না য়েংলদুনা হায়রকই।

'ঙক্লিবদি নংনি। মীনা ৱা ঙাংবদা নংনা নোকহন্নিংগ'!', মহাক্কী চোইঙাইনরবা লুতুংগী শন্নাংশিং অদু ঐনা পুলপনা পাইশিল্লদুনা হায়খি।

'ক্নোইদংলগেদো?'

'অয়ে' ইমা সেমি থাদোকউ, মীওৎপা!' মথুং অদুনা ঐগী থুং অদুদা পাইরকই।

'হায়খিদ্রা অমুক্ত?' ঐনা মাবু মুন্না য়েংলদুনা হংখি।

'হায়ভররোইসে থাদোক্লো মুংশি খঙদ...!' মহাক্না ঐবু লংনরকপা ৱাহৈনি

'অমুক্তা হায়রক্লী হন্দক্কি সুকথা থাদোকলরোই। নংনা কদোৱা ঙম্বগে য়েংগে–।'

'রাজেন সে থাদোক্লো ঐখোয়গী পাদুংলোয় খোরক্লবদি' ঐনা মাগী ৱাহৈ অদু তাবদা মহাক্কী মশাম অদু থংপা থাদোকই॥ অদুগা মহাক্না ঐঙোন্দা মমায় অদো হৈশিল্লকই। মদু উবদা ঐনা হায়বন্মী

'পুপাকনা পাক্কন্নিংখ্রেদা।'

'থাক্কোসে' মথক্তাই অদু ওৎশিল্লকই। ঐনা মাবু পুপাকনা থাবগী মহুত্তা মাবু কন্না কোনশিনখি। অদুগা মহাক্কী মাইপাক অদু কপ্পা লাইঙাকুংদা তাৱিবা মি অদুদা ইকাই খুংশি য়ান্নবা য়েংলি।

'রাজেন চৎসিন—?'

মহাক্কী ইচম চম্বা ৱাঙাংনি। ঐনা মাগী হায়ৱিবা ৱাহৈদু খঙদবা শাক্তনা থুমখি।

'কদাইদা?'

'মখোয়মদমিদনা !' অর্থ হৈরবা মহাক্কী ৱাহৈনি। ৱাহৈ অসি তাবদা ঐগী থম্মোইদা মহাক্কী মুংশি ৱাথন্নুনা মৈরি ৱাংমা চাক্লিবদো হরাওবা, মুংশিবা অমদি অদুগী ইথক্কুনা ৱপশিল্লক্রি। মুংশিবমা অরেপ্পা হৈতমা ইহৌরক্লবা মহাক্কী ৱাহৈ অসিবু ওইদবা অমনি হায়না থাজরগুমশিরা — ? নত্রগা মহাক্কী পাওথুম !

'নংবু ভমগদ্রবে ?'

'থোক্লগে ঐবু শোয়দনা পুবিগদ্রা— ?' মহাকনা ইংশং লেংনা থুম্লকই।

অথোংবা হুইস্ন চিক্লবা নাক, লণ্ডবু লণ্ডনরুরবদি শাংলক্নুনা কোংশিল্লকই। থাক্নদ্রবা মহাক্কী ৱাখাং অদু ইরাই শাইনা শাওগম পীরুবদগী. ঐগী থম্মোই অসি হন্দক্তি পাওথুম পীবা ভমখিদরে। তাঞ্জাসিদা হাওলবা অকিয়াদা হৈচিল মচোই ২ থরা ২ খাইশিল্লক্লে। ঐনা চঙক্লনা হৈচিল অদুবু য়েংদুনা হৈরিবৈদা মহাক্না ঐগী লেংজুম পায়দুনা হংলক্লে অমুকস্ন।

'হায়রো ঐবু শোয়দনা পুবিগদ্রা— ?' — নত্তে ঐবু ওন্তুংকী মথুক্তা তাহনলগদ্রা— ? হায়রোম্মি সে।'

মঙফা ওনবগুম ঐগী অচিকপা মীংথংগী মুংঙাইবা অদ থঙহৌদনা কাইখিরম্মি। অদুদগী অন্দ্রাইবদা শুমহৎলবী মহাক্কী হৈচলনা কুপ্লিবী মায়থোংদা কোক্রুরি। চঙকনরবা মায়থোং অদু মুম্না য়েংলুরগা মোঙ্গরদুনা থুমখি। 'মুসিলা অদুদা.... !'

ঐনা চিংনবা অমগা লোয়ননা থুমখিবা ৱাহৈনি। উংলেন তোরক্লবদা তনিক ২ খাওলক্লী নৌরিবী হৈরাংশিংনা। মুংশিৎ মুংশা চপ লেম্লগুম চেক মোক লাওখিদরে। অদুবু ঐগী থম্মোয়নদি নংবু ভমগদ্রবে হায়বা ৱাহৈ অদুতনা অচিকপা হৈত্রি।

'অদুদা রাজেন মতিক চাদবিনি — অসিরা— ?'
মহাক্কী অরাবা রাহংনি।

'অদুগী নত্তে!'

'থন্দুনা য়েংবিয়ু লোল্লবী সুপীমচা অমগী প্রিন্সেস। ফুগাইমা শাংলিবী থারো অসিগা কপি খেন্নবগে? সুংশি হৈত্রবা খোইমুগী লৌনমজনা অস্তম্মক ইযায়দা হৈমন চন্দ্রনা ইরাকনখিবসে। মপোক থিবীনি তোল্লবীনি থওন ২ লান্দোক-পিরমগদ্রা— ?' মহাক্কী খোন্তাংনবা রাইহনি, রাইহ অসিগা লোয়ননা মিংসাদো পি থবা থাগৎলক্লী। অমকশু মথা তারকই। 'রাজেন কপিগুম্বা রাইগী রাংমা লান্দনা পুথিদবা খোক্লবদি ঐদি হেক্তা শিংদবনি থওৎজো। মদুনা মহাক্কী অপেনবা ওইরবদি তেক্তা হায়বু লৌশিংকতু মদু পাতপোকপা ওমগনি।' মহাক্কী শিবা হায়বা রাইহ অসিনা লৈগী পান্থাইবু অওকপগা লোয়নবা ওরাং অহিংগী 'নজ্জা চাক্কৌবা' হায়বা মও অদু থংনিং নিংশিংলকতুনা থম্মোইদা লোবা হৌরক্লি। 'তুসিলা ওমগনি ঐনা নংবু পুবা অদুবু ··খোয়গী·· পাদুংখোয়না পামদবসিদা নংবু...।' ঐনা ওনশিন্দুনা হায়খিবনি। মহাক্কা থুমলকই।

'সুংশিবগী মফমদা লাইরবা ইনাকখুনবা থায়দুনা নং ঐগী অশাবু থৎলিবা মখোয় ইমা ইপা নত্তে য়েকনবনি, ঐমদি নংগী দমক য়েকলবনি থল্লগা নহাকনদি ঐগী দমক্তা কপিগী মখোয়বু কিখিগনি নত্তে রাজেন ঐবু থাদোকপীগনু— নখোঙ পায়দুনা হায়জরি।'

থিওবা ওমদ্রবা পিরাং অদু শিন্থরক্লে। মায়পোং অদূসু তঙাং তঙাংলে। মহাকনা ঐগী থুৎ অদু চেৎনা কোন্দুনা থমগ্রে।।

তারমদাই কোরৌস্থ নোংচুপ চীংম্বা পাংলক্লে। কাইদ হুন্নবা মালংস্থ লৈমা ২ শিংলক্লে ইবানিনা লৈরিবা পৃথ্রী অদু উরুম লাংশিনখ্রে। অদুবু ইবানিদি কৈরিশু থোশাদনা লৈরি।

'কবে সুসিলা! নং মতম খরদি ঙাইখো' ঐনা মাগী পি অদু তৈথোকপীরদুনা হায়খি।

'নত্তে ঙাইখগী মতম লৈত্রে, ঙসি হয়েং খঙদনা ঐবু মুংশি হৈত্রবা মঙাক্না শোয়দ্রবনি!'

মসি তাবদা ঐনা খর শাংনা হোম্নখি তাঙ্গাসিদা ওক্লিংকা মপাগা থোরকতুনা ইবানিগী মতৌ অদু য়েংলম্মী ঐনা সুসিলাগী তারিবা পি অদু নোকমি ২ তৈথোকপা উবদা মখোয় অনিগী মিত্তে পেন্দ্রমাল্লে কোরিগুম ঙাংলদুনা হায়রকই।

'নখোয় করি তৌরিবনো?'

য়াক্লবা মঙাক্নী ব'হৈদ্র তাবদা ইবানি খংপ্রেক খংনা মথকলোমদা য়েংথংলকপদা মখোয় অনি লেপ্লিবদো উরম্মী। মখোয়বু উবদা ইবানিমক তৌকম খঙদনা অমুক য়েংবা মখোয়দা অমুক য়েং অমুক লুকথ তৌরি। লাংদা থুববী পোম্বী-চেক্লা কয়ানা মখোঙ মথং পুনশ্নবদা চোংফনবা ঙমদনা নিংঙমদবা মিৎয়েংনা য়েংবগুম্লী অদুগা মপানা হায়রকই।

'হায় ও ক্রুবী ক'খং'ত্রব্র! ঐনা কায়বসি নহাক শুকয়ামক য়ংদ্রেদনা? কাখংলকউ থুনা!' ইকাইবনা মায় থাং পুবা ঙমদনা লেপ্পী। তাঙ্গাসিদা সু সি লা না তপ্না মপাদা হায়খি।

'পাবুং ওক্রুবী নমোমবু ঙাকপীয়ু—।"

'করি ঙাকপীয়ু, ইকাইবা খঙদবী। হে লমজা! নংস্থ চৎখ্রো চৎলু, ইকাইবা খঙদবা শা নমায়দি পান্দনা!'

মহাক্কী অসিগুম্ববা ৱাহৈ অসি তাবদা কায়রবা থম্মোয় অসে. থুমলগে হায়না খল্লবমু ইকাইবনা লৈয়েং থংপা থোক-খিদরে। সুসিলাগী মিংলুদা ইকাই সুং'শ য়ম্নবগী পিরাং ইনো নোনা শিংহরক্রু। সুসিলা এগী ইংগী উবদা মপাবু য়াম্না তুকচবা অমম্নং সুংশিবগী য়েক্রব। অংগুম খল্লহুনা মপাদা ওনশিন্দুনা থোন ফনা হায়রকই।

'পবুং মীগী মচাদা অদুগুম্বা ৱাহৈ তাহনবীগনু— ! পাবুংবু এনা য়াম্ন মাবু মশক খঙদব শাদগী হেক্না তোৎরবা মচাগী মায় কাদনবা য়েংবিদব মখোঙ অমন পানব শা মথল অমনি হায়না লৌরি। মাবু চৈবগী মচম্বা এবু ৱারকপীয়ু'

'মহাক্কি শাদি, ইঃ ইকাইবা থঙদবী নংনসু অদুগুম্বা ৱাহৈনা ৱারকপগুদি এবু !. ঐদেন্দা অমক ওনশিনক হুনা হায়রকই। কয়াদা ওয়িবনো ? হায় ইকাইবা থঙনবা ! নমা নপা শুন ৱারক্রুবগী হোনবা মানা ওংলবসে ইকাইবা থঙদব্রা লেপহুনা লৈরিবদি— ? নংতক নপা চাদনা, ফংগদি হৌনা অাশা তেরুগনু ! মপু লৈতবা কৈথেল শ ন ঙ ম ভাওশিন্নবা শারদনা ?'

এনা মিংকুপ অমা লেপ্লা ওমদ্রনা সুসিলাবু অমুক্তং নিংওমদনা য়েংলম্লগা মফম অদুদগী তংগা লুকথরগা থোরক্লী। 'সুসিলা নংগীদমক হিংবনি, নতোমতগী লৈবনি। হোংলোই কৈদৌনুং সুপাগী পুকচেল— থাদোকপীগনু অরোইবদা চংমিম্নসি থুজেং পাল্লোইনহুনা ।।' এগী ফোঙদোকপা ওমত্রবা কায়রবা থম্মোয়না য়েংলম্বা অরোইবা মিংয়েংহুনা ফোঙদোকলমবনি সুজাগী মকাদা ৱাহৈ অদু। ইকাইবগী মৈরিনা সুসিলাগী সুংশি ৱাথলবু চা ক থো খ্র ব সু মহাকপু অমুকংদি ইকাইবা

মীরম্ব্রিবা মথোয়গী মমাংদা ওমুক্তংদি মশাগী রাশক ভাকপা ওইনা খুজেং পায়দুনা লেম্ন মীনোক লোইননা পুগে হায়বা আশানা ময়েংন ইনৌ নৌনা চোংথংলকই, ঐগী কায়রবা থম্মোইদো অমুক।

নুমীদাং পুং ৭ লোম তাখ্রে।

নুংসিনা মাগী কংদা কপলদুনা তুমিন্না ফমলি। মহাকী রাখলদা মমা মপাবু নুংশিবা হায়বদো মচেৎ অমফাও মমি তাংখদরে। ও কয়াদা ওমথিরবা নুজাশিংগী রাখন্নে? মপাবু মনিং থুংদ্রগা য়েকনবনি খল্লি মরুপ। মশিবু নুজাশিংগী রাখল থেংনবগী মরাল্লা নত্তগা মমা মপানী মরাল্লা? ঐনা হায়জনিংই অংসঙুম্ব' নুজাশিং অংসদি নুপী চান্নগী মনুংদা ৯৯ দি থম্মে ই অংস চেল্লি, মমা মপানা হায়বা ইনবদি ১ থক্তনি হায়বা য়াই। মরম অদুনা মসি মমা মপাগী মরাল্লি। নুংশিবা হায়বসংদ মীৎতাংবা থোংতেকপা চাকলীবা অতোনবা থাইদে চপ মান্নে হায়রিবনি, অদুনা অতোনবগীদমক নুজাশিংগী নুংশি রাশক থুগাইবিবদ মমা মপা অদো নুংশি থংজ্রবা রাথল নৈতবা শা মথল অমনি হায়বা য়াই অদু ওইরবদি চিক্কবা কাদা হিক ২ কপলিবা নুজাসে মমা মপাবু রাগোম্বিবঃ থোইনা লান্দে। মুংসলা বুইনা ফম্বা ওমশিল্লকতরে। অমুক হোগৎতুনা মাগী কা অতুদা হঙ্গৎ হন্দা চৎপা হৌরক্লে। মহাক্লা থল্লকই অমুকসু ":ঐবু মাগী মনাক্তা হেক্তা চৎলসিন্না .... অদুদা ঐমক্লা ওমথিরবা পাবুংবু মহাকনদি করি থল্লমগনি, অদুগুম্বগী মচাবু মহাক্লা নুংশিবিরমথিগদ্র' নত্তে ঐনা মহাকী মনাক্তা চৎহোজ্রবদি শোয়দনা ঐবু ওজিংকী লাংদা থুখুগনি, কন্নিগুম্বা মসি পাংথোকপা ওমদদুনা মাগী মপুক্তা

তাথুবদি .... মঢুনা ঐগী অয়োইবা নুমীৎনি। ঐ মাগী মনাক্তা চৎকনি, মহাকনা করিগুম্বা লৌশিনবিত্রবদি ? নত্তে মহাক নুপানি শোয়দনা ঙাকপীগনি।" সুসিলা মাইথোংদো ইপোম পোমলদুনা খর ফুইনা হোল্লকই।

তাম্না ১ কৌজবা
নুংশি মাহে তাবীথো
লাপ্ন ২ থিজরুই
কংথিদে উথিদে নহাক্কী চেংলো
ইথৌ লাংলবী খুজাগী নাক্ত

কমলথোনে অমুক্তা, অদুগা ——
নুংশি ২ হায়রম্ব্থে'ন
নিংঙমদ্রবী ঐহাকনি পুন্সি শিথমনরুবনি
থাদোকপীনু ঐহাকপু !।

নিংঙমদবা মৈমিনা চাকথৎলক্লবদা আশাগী নৌবেল খুত্তা পাই নুংশি পন্থুং তম্বা হোলক্লি; অদুবু কমানা থংগনি ইথক কল্লবা পুন্সিগী ইপাকনি হিরাক্লখিবন্থু য়ারি। হে অধব তারা নংনা নুংশি মৈচাক্লা ঙাওরবি নুজাগা মাশক পন্থুংগী লম্বী চৎপদা লম্বাংনরবন্থু লমজিংবীউকো। সুসিলানা তুমশিন্নদুনা লৈরিঙৈ তাপ্লাসিদা ওজিৎ চংশিল্লকতুনা মাগী থাংবা চৌকি অমদা কমথরি। সুসিলানা মাবু হন্না য়েংথোরকই; মদু উন্দা মহাক্তী নুংশিদুনা য়েংলম্লিবনি থল্লরমাগ্গে মোমেন নেংরদুনা হায়রকই। "সুসিলা না অমত্তা হংগে ;" মহাকী মাহে অসি তাবদা সুসিলানা অশাওবা মীৎয়েংগা লোয়ননা হায়রকই। "করি হংবিগদৌরিবনো ?"

"মতম কয়াগী মমাংদগী শাগৎচরক্লিবা প্রেমগী মন্দির অসে মহাকী নুংশিহৈতবা থম্মোইদুনা নিংখাইহল্লগত্র ? "মান্না

ওকপা বানি, 'ওঝা' থেংলবা অচিংশিদা সুপামচা অমগী কাদা চংডুনা য়াহং অদু হংবগদবা নত্তে, মীনা উখ্রগা করি থনখিনি। থরা থনা অদুক্কা লেংথোকপীখ্রে!"

সুসিলাগী অসিগুম্বা ইকাইবা য়ৌবা য়াক্লাং অসি কাবগা মহাক্কী থম্মোয় অদু ইকাইবগী মহুত্তা য়ামনা ইংথনা হায়রকই। নং ঐগী অসিগুম্বা মতৌ অসে উখ্রবসু করি অকাইবা লৈখ্রিবগে?"

সুসিলা হাগী ইকাইবা থংদবা মতৌ অসি উবদা থৌকম খংখিদ্রে. মমই অদু লৈথোকতুনা লৈংরে। মীকুপ থরগী মতুংদা সুসিলা কলংকা তৌবনদি মশাবু লাম্বাকচবা ওমকরোই থম্লদুনা অশাওবদা উহন্দনা হায়কই। "চিনগা ২ মিৎকা, ২ চাম্বদুনা ফোংদোকপদি ইকাইখিবা মপাংক ওইপরে বারৌবিগনু ওঝা য়ামনা তুম্বিংলে হায়গদবা য়া লৈবরসু হয়েং ফোংদোকপীরো লৈদৌবগে? থাবল পোক্লগা অমম্বা কোকই হায়বসে নচনসু থংলৈ অদুবু উ বাগী মরুমদি লৈতবা নৎতে।'

"সুসিলা নং ঐবু য়াম্না শাওরিবা করিগীলো?"

"নঙোন্দা করিমতা শাওদে, অ ---- তুম্বা থেংলগনি-চাক চাথোকপীরুরো ইমানা চাক লোইহৌরবনি"

"অদুবু অরেপ্পা অমত্তংদি হায়বিয় — Please,' ইকাইবা হঙোইবা লৈতে, য়াওদে মাগী বাইহৈদা। "অরেপ্প" সুসিলানা লোকনিংদবা অমুক্তং থিক ২ লোম্লদুনা খুমখিবনি।

"হোই নংগী অরেপ্প!"

"ওঝা মীংচৎতি অরেপ্পনি, অদুবু ঐগী পুকচেলদি

কৈরৌংদা অরেপ্পা হায়বা ভুমজোই।"
থোক্তুনা ইমানা চাক লোইরে হায়না চংলকই। ইমাদি পিরুৎলা অশাওবা নিংথোংনা অংকুং য়েংলুবগা হায়রকই। 'অ ইবুংঙো নাকও চাক থিদলু, নগী গুরাসু ফমংজৈরবনি।' ইমাগী থাউনশ থাবদা য়াম্না নোম্লুকনা খুমখি। ইমাইপেম্মা! 'হোই ফান হল্লোন" অসি হায়রদুনা চাকশংদা চংখরে। মরাক চংদুনদা ইমা না হায়রকই। ইবেম্মা এদি নগী পাবুংগী মচা অমদা 'নংবোল পোক্তবা দিয়ো।" ইংগী থান্ডুয় শোকপা হাইবা অসি তাদা এনা ইমাদা চেংনা কেপ্তুনা পুনসিগী কায়নবগাদবনি মতমতুম শোঙ্গংনা হিকব থবন কপতুন হায়খি

'এবু পোকপা পক্লেম-ন্যাকু এতুম পাক্তনা লেংকবিনি, হায়দু অমুক্তা কারগী নক নচাবু ইনানা নুংদ খুপাদা থাক্তরবনো?" মচাগী পিদংবু ভবদা মমানা — কনানা পদাংবু থিংদুনা করমনা থাংগনগে? মালৈত মচাগী মতৌ উবদা পিরাং শিন্দু-বদুনা মচাগী নুমাংগী শমলাং অদো খোমগংপদি। অদুগা হায়রকই 'ইমাগা ইবেম্মা ইচাশিংদ বারগম্বু নথরাইনা থাম্না খুপাদা হেক্তা চেনখো ইমানা কৈদৌরৈদা ইচাগী অনিংবা থুগাইরে ই!" মমা মচা কোক্লদুনা পুনসগী ওইবা রাহৈ কয়া পাওমেরক্তবি "নাকও ইমাগা চাক চাখোকলুরাসি 'ইমা পাবুংখোই হায় 'পক্লবো অদুগা চানশাস।" সুসলানা মমাগী পাওখুম পিখি। মচাগী তারবিবা পিরাং অদু তৈখোকপীরম-লগা চাকথুংলোমনা চংখরে।

মমানা হেক চংখিবগা স্তুসিলা পরপ পরপ চেকলম পাথাকতুন চিঠি হবা হৌরকলি। মমৌ মনাদো লাংদা থুরবি শক্ত অমোমনা শাদনবা লাক্তুরৈদা তপক তথক চেনবতুম

তৌরি। মহাকনা ইৎখিবা চিঠি অদু ওঙ্গিং অমদি মপাদা পিরমলবনি।

মবোল।

ইকাইবা থংদ্রবা ওঙ্গিত !

ঐগী অংংাইবা মিংকুপনা বাইহ খংদে নহাককী নফমদা কোংখ কচরি। কনিংগুম্ব ঐগী বাইক অসিনা নংগী বাথলবু ওংহবা। থেংকলবস্তু খ্রাংক্ল থেনবী পুন্দ মচা অমনি হনবিদুনা ক্ষিদব কয়া যুওর্নস্তু অপ্রখদা প্লনরুবগী মনিং পুংদুনা ... চপ ... লর্ল থনদুনা খ্রাইরৌপু, কারগী বারেফম লেংকই। থেই মগুংশা চৈনা থিংদবদুনা চিকলকপবু কনাগী নরাংলে ?

ওঙ্গত .... ভুসি নহাকী খংমু ইগী চিক্রবা মফমদা ঐগী খংয়ুই খংদনা উংলংবাগী মপোকন হুমগী মতাংগুম খন্দুনা ইবাংগী মতু নগী অমাংবনি। মহাক অসে ওঙ্গাক্লা পংখ উকংনীঁ মপোক্লা পোকলবস্তু ককয়েল পুক্তলদি থক লংজুদরে। খনা খংনা মৈরানবানা মৈংখদা চেংশিল্লবাদ য়াইবা মংউ হাংব নংসু খংলনিদা মতু খংলবদি ঐগী বাথল ধংলাকপাঁদুনা এম, এ, অমগী চওরবা মগুন ভাকপীগনি ... নাইদনদসু মগুন ভাকপদা লমক্তা কাখংলগা শিথি হাংনৈ, ... নংমু নংগী ইকাই খংদবা মতৌ অদো উংথোকচুনা। পুকচেল চমথোকলবদি ঐগী পুনসিদা কাওবা তমথোইদবনি, ঐগী পুনসিদি মতম থর ইমা ইপাগী মথা পোল্লবসু ভসিদগীদি নুংশিবা মহাকী মথা পোল্লবনি কাওবীগনু, মতুদা নংনা য়েকনবনি খন্দুনা লাম্বা পারকলবসু ঐনা লেপলি চিংনকগনু, তৌবগীদি নহাক্লা থলিখা য়েক্লবা

অদুদি ইকাইবা খংদবা মমল য়াওদবা নংঙুমবা হন্দ্রবগা থক লামবা পারকলোই। থল্লুবদা নোকতুম মোকনিংই নংঙুম্ববু অরেপ্পা .... ও ইকাই খংদবা মীগী হোৎশা অঙকপনি।

মিষ্টর ওজিৎ শাংকপু চাওখৎলবা সহর অমদগীসু লাকলিবনিকো নহোংনি সহর অদুদা নংঙুমবা য়াংমবা চোপথবা নিপা কয়া লৈরবদি লৈবাক্কী ঈ-পাও তাপলিবা থবরদো নুপী কয়ানা অক্কুংঘাট তৌবগী খোঙ্গাওজেনা হাপ-লোইদা নহাক অসি নহোং তেকতে নমাং তাংদে, নশাগী ক্লাসসু মতিক চারবা মীওইনি অদুবু মী হায়বসে পুক্নিংগী অরোনবা মাইথোংদা থংই হায়বদো খংদ্রবরা নত্রগা খংনা ২ পুকচেল পিকপিরিবরু মোইরাংগী নোংবাম হায়বদো শাবিরিবু? নোংবাম' মচন খোইবা নচ্ছদে।

রাহৈ কয়া ফোংদোকলমগদবসু মতম লৈখিদরে, অরোইবা ওইনা হায়জরি — লুরবা লাইজমুংগী লেমলৈ তানা থাজগী ফজবা মাইথোং ভনিকপা উবদা লাইজ থকতা ভাওরিবা কোঙ্গোলদো থাজ ওইরবোই নিংদুনা চোংথৎ চোংথৎতুনা লাকপগুম অরেমবদা কান্নদবা রাৎমা সঙ্গ্রিংদুনা নশাগা মমল মাংহনবিগনু নচন চচ্চরে শাস্ম্রবগা খোংদোই ইন্দুনা।

নহাক্কী শেম্মোই কনবি।

তাং ১৫।৮।৬৮ ইং,

যুমশকৈশা।

অদুগা সুংশিরবা পন্থোও!

লাইবক শিরবা নমোমবু হন্দক মপোক্লা পন্থোগী য়াথং তাকলমদে হায়দুনা রারোবিগনুকো। পন্থোগী অশেংবা

নমোম ওইরবনবদি হয়েং মপোক্কা অমুক পোকতুনা য়াথং ভাকচগেকো অপোকপা। লমকেং লমহায়বা ওক্তব নমোম্ব থন্দুনা সমাজগী মমাংদা থোঙগোয়নবিগে থনবিরবসু খঙজগে নমোম্না পাম্বোগী চৈরাক। পাবুং ইকাই খুঙনবা হনুবা মীচোপ অতুদা লৈগদবগী শরুকপুং থবাংনা পামজরবা মতৌক্তে চাত্রবা সুংশি মহাক্কা বারবসু বান লেনমিন্নজরগে। নমোম চৎচরে— পাম্বো লৈবিহেৎরংকো মিৎওগী অংগম্বা লৈতনা শিন্থরক্লিবা পগা লোয়নননা ফজেক খোইদোম লেৎপনটৈ মতনা কায়নবগীদমক মপোকসিনগী থনহু নিজরি।

অতুগা— মংগম লৈবিকো পাংলম চৎলমদাইদা তাক্রমদরে, বারোবিগসু নমোমবু!

সুসিলা মাহু ইবা লোইরতুনা মথাইদা অনুক্কং থুপচিন্নগা টেবল মথক্তা অতুম থনস্লি। অতুগা তুফং তাফংন ফি থোল থবা শুপকোন কোনাশিন্নতুনা মাগী ফম্মুংগোমদা অংগোইবা মিৎয়েং ওইনা অমুক্কং বিদাই লোরগা অমম্বা অহিং অতুদা মপাল থোরকতুনা পনথুং মায়ৈকে তমখি।।

কবম্বা নোংজেন্দা কুণ্ড পরেং হুক্রগবা?
চৎমিন্নসি সুংশি লম্বাদা খুজেং ২ পামোইনন, বাশকপা
তোংলরো থম্মোই অক্লাদা, থোংলরো নখো পোঙনা!
সুংশি য়েংংশিলং থাংলগ চিঙ্গাক থন্ন. হুনজগে।

ইমানা চাক লোয়রতুনা চাক চামম্নরি— তে হগুম্বসুং ঐদি ইকাইবনা চাক চাবা য়াথদরে। থবা চারগা অতুম তোক্লে। ইমাসু ঐনা তোকপগা অতুম তোক্লক্লে। ঐ হায়না ঐগী কাদা থাওমৈ জনা পায়রতনা চংলকই মতম অসিদা সুসিলানা থোঙদা কোক ২ তৌরকই। ঐনা মাহু

তারদুনা হংখি 'কনানো' 'রাজেন থোঙ অমুক্তা হাংদোকপিয়ু ঐনি।' মহাকনা থুম্লকই। ঐনা সুসিলাগী মথোল মাল্লদুনা শরপ ২ থোঙ অদু হাংদোক্লম্মী। সুসিলা ফিংনা চংশিল্লকই অদুগা হায়রকই 'থোঙদো লোলশিল্লো!' মাগী রাহৈগী তাবদা ঐনা থোঙদু ওক্লা লোনশিল্লগা মাগী মনাক্তা চংশিল্লি অদুগা তেৎক্লবা মাগী মওং অদু ভাব তাবা ওমদ্রদুনা তপ্না ইমা তাদরবা হংখি।

'সুসিলা কৈদোরবগে– ?'

'রাজেন ঐ লাক্লবনি।' মহাকী অঙকপা রাহৈনি। ঐনা জ্ঞান তাদনা মাগী মনাক্তা লেপলি। খঙহোদনা ঐগী থম্মোয়দো সুংভাইবা অরাবনা লম্মুকনখি। মানা ঐগী নাক্তা চংশিল্লকভুনা তপ্না ২ কোনশিল্লকই।

রাজেন রারম থুদিংমক নংনা খঙলিবদুনি। ঐহু থাদোকপিগনুকো— ॥'

মহাকী রাহৈ অসি তাবদা ঐ জ্ঞান থরা তারক্লে। মহাক মমা মপানা ঙাম্না ঙাংবদগী অনম্মুং ওজিংকী ইকাইবা খঙদবা রাহৈদগী মহাকনা ঐগী নাক্তা লাক্লিবনি। ঐগী নিংবু থুংলে মাবু থাদোকলোই।

'সুসিলা কনা কনা লাকমিন্নে!'

'করিগীনো, মতম অসিদা মাদু হংবগী কামবা লৈতে, নংগী সুংশি রাথলন লমজিংবিরক্লিবনি। নত্তে থিবা লাকলগনিএ, কদাইননোমা লোৎলুরসি।' মহাকী সুংশি পাওথুম্নি। ঐনা মাগী মশাদা চংশিল্লগা কোনশিল্লুর।

'নংবু থাদোকলোয়নে সুংশিবী'

'য়েংঙোই রাজেন…' ও, I am sorry ..।

ঐবু খঙকোম কোনশিল্লকতুনা ঐগী থবাক্তা মাইথোংদা লোৎশিল্লকই ।

'কৈদৌরবগে ?'

থিক থিক নোকলদুনা খুল্লকই,

'কাওড়না রাজেন . হায়রুরিবা !'

'সুসিলা' কদাইদা লোৎলুসিগে ?'

'ঐদি খঙদে কদাইদনো ইয়া য়াই, অদুগা চৌংদকাদি লোৎলুগুমসি— !'

'ই: কৈদৌবগে চংদবা হেন্না কৈ !'

'চৌংদদি চৌহৈংনে খংভব ! অ: থুংনদে হায় ঐদি ঙমলোই চৌংদদি !'

'অদুদি কদাইদা চৈরুগনি ?'

'অমম্বদবু ইথ্না য়াইনা !'

'কৈনে চংশসি .'

ঐনা কি শেং'চল্লদুনা' ইবান্নি মপাল থোকে তৌরকপদা ইমানা ঐগী কাদা রারী শাবদো তারদুনা চংলক্লম্মী । ইমানা ঐথোয় অনি উবনা ঙকনা চপ লেপ্পী, ইবান্নিসু ইকাইনা চপ লেপ্পী । ঐনা ইমাদা অমুক য়েং মঙোন্দামুক য়েং তৌরম্বদগী ঐনা মাগী মথুক্ত' সাইন অমা পীরগা চঙকনরিবা পলেমগী মথোঙদা ভপ্পা নোম্বুরকই । ইমানা ঙকনা হায়রকই । রাজেন ··· ···· ····

ইমা ··· ···· ····

'মহাক কনানো ?' ইমাগী অশাওবা রাঙাং নত্তে অঙকপা রাহংনি মদু তাবদা

'অবোক !' হায়না সুসিলানা খুল্লকই ।

'হৈমো সুসিলা নং ওইরেকো ? কদাইদা চৎলুরিবনো — ?' ইমানা ভাংখ্রিবা বাঙাংশং অদু করিমত্তা ভাব তাদনা হায়রক-পসিদা সুসিলা ইকাইরদুনা পাওখুম পীরকত্রে ॥

'ইমা মহাক অসে ইমাগী '' এনা লোকমি ২ ত্তৌদুনা হায়খি । ইমানা খঙ্গানরুরগা মোমোন নোক্লদুনা হায়রকই ।

'নত্তে সুসিল। নহাকপু ?'

'ইমা মহাকপু নচাগী অমনি খন্দনা লৎনবিগনু — ।'

মকম খঙদ্রবা ঐগী বাহৈসি তাবদা সুসিলা অমদি ইমা নোক্লিংবনা মচিন খুমলম্মী । ঐদি ঐগী বম্মোহদা লেবা অশেং-কদা হায়খিবনি ।

'নখোয়দি করম ত্তৌরব্রিবনো অসুক ভন্না ?' ইমান অসি হায়না চংশিল্লকভুনা সুসিলাবু কোনবিরি । ঐ ইমাগী মত্তৌ উবদা ইকাইবা করিমত্তা লৈখিদরে ।

'য়েংঙো ইমা মহাক ভসাই মুমিৎ তারমদাইদগী ঐখোয়গী য়ুমদা লৈরবনি, মখোয়গী মী থিনবা লাক্লগনি লোৎলুরগে !' ইমানা মোকফেৎ ত্তৌনা খুমলকই ।

'লাক্লগা ভসাইনা লাকই হায়বা য়াত্রা ? চাকসু হাপ:ল, নত্তোমত্তা চাগদোগী হায়ত্রিব্রা— ?'

'অবোক মানা হায়জিল্লিবনি ঐদি হুজিক্তা লাক্লিবনি য়ুমদগী । ঐগী বারী কয়া অসি কোম্না লিজগে থিবা লাক্লগনি '

মাগী বাহৈ অসি তাবদা ইমানা ঈংনা মোমোন নোক্লদুনা হায়রকই ।

'করে হুজিক নখোয় কদাইদনো লৈরুরো অদুগা নখোয়রোমগী বা অমা তারগা নখোয় ইমানা লৌশিল্লগে, চৎলো থিবা লাক্লগনি । ইচাসিদি রারুগনু ইমা লৈরি ।

ঙসিমক সুম লৈরবদি ফজদে।"

ইবানিগী সুংশি ইপাক লানবসিদা ইমানা থুবত্তরাগুম লম-জিংবীরক্রি। ঐখোয় অনিনা ইমাদগী বিদায় লৌরদুনা মংলবা ইপাক অসিদা পঙ্থংফমগীদমক্তা মাগী খুজেং পায়দুনা লমহাং অমদা লানথোকনবা হাথু২ অমুক চেললি অমুক তপনা চৎলি অহুম্মা থোংশাল্লক্রি। মমথিবনা মীৎ উইশিল্লগা চৎপগুম ক.স্বী মফম থংথিদরে। পংচৎতা মচৎলি চৎপদা বায়ককতুনা মহাক্কা স্বয় থবেৎ থবেৎ হোল্লদুনা ঐগী হকচাংদা পাম্মদুনা হায়রকই "সুংশিবা ঐদি পাগল শোনবা ওইবনা থোঙ থাঙবা ঙম্লক্রে মিৎকুপ থয় পোথাম্মিমথিশ।" মাগী সুংশি বাহৈশি তাবদা ঐগী থম্মোয় অদো ইথক কয়া হোরকই। মফম অদুদা তঙ ইবানিমক ফমথখি। অরাবা কোক্রে অমুক চৎপা হোরক্রে। মহাক থোঙ কম্মা থাঙবা ঙমলক্রে, ঐনা মাবু কোম্লগা চৎপা হোরক্রে। অরাবনি তানজাসিদা কদোম্দগীনো থংদে নিপা ৩/৪ ঐখোয় অনিগী মাংদা চেমশিল্লকতুনা থৎখরে। ইবানিমক ঙকনা লেপলে। নিপা অমনা ঐগা ম া ই দ া টোস লাইটনা কাপশিলক্লতুনা হায়রকই" নহাক কনানো ?" সুসিলাগী মপাগী খোঞ্জেল্লি। মপাগী বাহৈশি তাবদা ঐনা সুসিলাবু খুৎ ওইনা কোললদুনা থোনা ফনা থুমখি।

"ঐ রাজেন্দ্রী, অদুগা মসিনা-মী।"

"মী অদুদি কনানো ?"

"ঐহাকী মরুপ" ! নহাকী মরুপ হায়দুনা ঐগী খজাইদা খুৎপাকনা কননা থাজিললকই।

"নল্লা নং ঐবু মশক থংত্রা ?"

"পাবুং নমোঙ্ ঙাকপীয়ু ইশাগী য়াত্না চৎলবনি। মহাক্কী ময়ান নৎতে!" সুসিলানা মপাদা হায়খিবনি। তানজাসিদা সুপার্শিং অত্তনা ঐখোয়বু কোইশিল্লক্লে!

"সুপীমচা খোয়কউ শা অত্তুগী মথক্তা কনখিগে?"

মপাগী সুংশিহৈতবা বাহৈশি তাবদা মহাকনা খোনা কনা হায়রকই। "পাবুং নঙ্গে নচাগী লম্বী থাদোকপীয়ু। ঐনা প্যাংখোকপা ঙমক্তরোই।"

সুসিলাগী খোনা কনা শাংলকপা বাহৈশিং তাবদা ঐগী থম্মোই অসি মখোয় মনামনী হাত্নবগী খোইনা কিবা অত্ত কৈখিদরে। ওসাই সুংথিল ঙাংখিবা বাহৈ অত্তুগী লমমন্থ শিংনিংবা আশা অমা কাওরকলে! ঐনা সুসিলাবু অমম্বত্তুদা চেৎনা কোনশিল্লি, মহাক্কী মশা অসে থক থক নিকলি।

"সুপীমচা নং ঐমা হায়বা ইন্নরোইদ্রা?"

"পাবুং বাহৈ অত্তুদ'দ নমোঙ্, ঙাকপীয়ু মতম হেনখ্রে।"

সুসিলাগী বারবা থম্মোইগী পাওথম্মী

"য়াজেন নহাক সুসিলাবু থাদোকউ"

মপাগী বাহৈ অসি তাবদা ঐনা হায়খি।

"উং থাদোকনি, ঐগী হকচাংনা থবাইগা কায়নথুবদা মাবু।"

"ও। য়াজেন নহাকনী নথবাই কনখিগে মাবু থাদোকতুনা চৎখ্রো।" ওজিংনা নাকন্দগী হায়রকপনি! মদু তাবদা সুসিলানা হায়খি।

"ও! নোংবান শিথ্রবোই নিংলুরে, ও শিরমত্রেদনা? মাঙ্গে সুংশিবা চৎলসি মংনা শিবা মফমদা ঐহাকস্থ শিগনি বাখিগন্থ মীগী মথুক্তা নোকনা ২ থবাই থাবদি কৈগী দোলাই ভোংবনি,

সুংশিবগীনি !" সুসিলানা থিনা চৈবা বাহৈ অসি ভাবদা ইকাইবদি লৈতনা হায়রকই।

"এ সুসিলা মপুরোইবা নিংবী সবিত্রী অরোইবা মীৎকুপতা কয়াম কুইন। হিংখিগদগে শিমিন্নরোহনা।"

"ও ওজিৎ বাবু থবাইদগী হেন্নবী মহাক অসিবু বংগী নথুত্তা শিন্নরমলগা চেনখ্রো সিরা ?

অ .... হৃদনা থোহবীবু কবোদগী চেন্নকপদা মপা ইবুংঙোগী শন্নাইদা থিনখিত্ররে ?'

'নত্তে রাজেন মাবু থাদোকলোইদ্রে ?" ওজিৎনা অমুকন্থু হায়রকই।

ওজিৎ ওহথোকলরোহদবা পুনাসনিদা, নত্তে অততাই ওইরবার থোংকম লেংলগনু নত্রবদি লম্বী থাদোকতুনা চৎখ্রো ॥"

ঐগী থোনা ফবা বাঙাং অসিদা সুসিলাগী মপানা শাওবা রাজেন হায়বা কোরকহ অদুগা মথোয় ময়াম অদু এখোয় অনিবু কোয়শিন্নকাল। ইবোতোম্বা সুসিলাবু চিংখোকদবগী মথুৎ মাম্মা পায়রহুনা চিংলকই। মহুদা সুসিলানা হায়রকই।

ঐবু থাদোকপীয়ু। পাবুং নচা মোনি, নচা মোনি ! পাবুংগী বাথলহু লাম্লে।" সুসিলানা ঐগী ইশাদা মথুৎ নাম্মনা কন্না যান্নহুনা থাংলি। মথোয়গী সুংশি হৈত্রবা মতো অদু উবদা ঐনা শাংলবা থাং অহু শৎতুনা মথোয়দা উংলমই। মহু উবদা মথোয় থৌতক তোনা হন্দোক্লরি। ঐনা সুসিলাবু থুৎ ওইনা কোন্নহুনা চৎপা হোরকলি। করিগুমবা মথোয় চংশিন্নকপা থোকলবদি লোয়দনা ঐগী থাংগী মযাদা তারগদবনি। মহু থহুনা কনা অমত্তা চংশিন্নকতরে তোইগুবসুং যাম্নগা মখনে মথোয়গী মীবগা ম্নামবনে মথুৎ চাবা থুৎলাইসু পায়নখিবনা থঙহোদনা ঐগী থাঙগী পায়রিবা

খুৎ অদুদা ওজিৎলবা কল্লা অমুক্তং কল্লরকবি মতুদ খংকৌম্লনু থাং অদু তাথরে। মমৈথংদা মখোয় ময়াম চংডুনা, এৈগী হকচাংগী মকম খুদিংমক্তা ফুরক্লি। এৈ মখোংন যুংন্দুনা মান তাদনা লৈমাই অতুদা লোংনা হায়থখি অদুদগী মখোয়না করি তৌখিবগে খংখিদ্রে॥

"হোসপিটাল"

অরাবনা থল্লবা সংসারসিবু
করমনা, নুংঙাইরিব 'হংবগী ?
মাংখ্রগদবা হকচাংশিনা
কাওরি কল্লকপা, নুংশিব !
মতুনা ওইহল্লি মীওইবনু অরাব;
নত্তে, নুংশিবা হায়বসে পাপনি।

হোসপিটালগী চিল্লবা কাদনি রুম নম্বর টু ন। অমুক্তী পূং ৬ লোম তারে। এৈ নুংঙাইনা চুমলুবদগী মংতো তপ্না তপ্না পাংথোরকলি। এৈগী অচম্বা মীৎয়েং অদুদা হলেংক্তুরকী কেন অমনা উরু উরু লৈবদো উখি। মতু ঙকলদুনা নাকল্দা অমুক য়েংথোরকই তোইগুম্বগুং অরংবা লিক্লি থবা উরি। মতু পুম্বনমক য়েংলুরগা মিৎ উইশিল্লগা খল্লকই "মসিবু মুম নত্তব্রা ?" মীৎ অমুক তপনা পাংথোকতুনা হোগৎকে হাপ্লনা তোরুই, অবাবানি হকচাং অদু লেংবা য়াখিদরে। কোক অসিন্থু কি অমনা কল্লা য়েৎশিনবগুম তৌরি। চিল্লবা কা অসে কনা কনা লৈবগে হায়না তারি। অদুব, হাংদোকলিবা থোংনাওরোমদগী হবা গাড়ী অমত্তুং রিকসোগী মথোল নৎঙ

অতৈ ভাখিদরে। ঐনা মতৌ করম্না অ'সগুম্বা অঙকপা কা অসিদা লৈরম্লিবা ইভোমতা মিৎ কৃগুন খল্লুই অদুবু বাখল অদু লেপখিদুনা মিংথেং অদুদা পংথা অদুনা লৈবগুম বাখল অদুস্তু উরু উরু লৈরক্লি, লংলব লিক্লিশিং অদু উরুবদগী থম্মোয়স্তু তথক তথক্রে, ভোইগুম্বস্নুং করিমত্তা নিংশিংবা থোক-খিদরে হিপ্লিবা কম্মু অদুস্তু উরু ২ লৈবা হোরক্লি। ঐনা খর শা'না ২ হোনলক্লি।

'ইমা _ !' ঐনা কম লাওখি অদুগ মিত্তো উইশিনখ্রে। ইমা হায়বা ঐগী খোঞ্জেল অদু ভাবদা নার্স অমা চেনশিল্লক্কনা ঐগী নাত্তোম্দা মখুৎলা খর হোল্লিত্রা হায়না য়েংলকই ঐনা ভাঞ্জাদুদা উইশিল্লিবা মিত্তে থংপাং পাংথোক্রদুনা অমুকস্নু ফিংনা লাওখি। 'নত্তে. ইমা— '
খর থবেৎ ২ হোল্লবা খোঞ্জেনি। নার্স অদুনা ঐবু মুম্না য়েংখি, ঐদি মদু কায়মত্তা থঙখিদে, লম্মাংনরবা বাখল অদু কা অদুগী অকোয়বদা কোয়পাই পাইরি। মায় অদো হুয়াং অনপ্প কারক্লে। নার্স অদুনা মদুবু অমোনবা ফি শমনা থৈথোক্লি। ঐনা নার্স অদুবু মুম্না য়েংলগা ভাব খরা ভাবগুম ভোখি। অদুগা য়াম্না ঙংথন. হায়খি।

'সুসিলা---।' ঐগী ওম্না তৈমরবা বাঙাং অদু ভাবদা মহাক্না মোমোম নোত্তদুনা থুম্রকই।

'ত্রডর ঐ সুসিলা নচ্চদে অমুক্তা জ্ঞান ভাবিখো; ঐহাক নার্সনি !'

'ও, মহাক সুসিলা---- !' ঐনা বাহৈ লোইশিন্দনা অমুক জ্ঞান ভাবগুম ভোরি।

'ত্রডম কৈবোরবগে ?' নার্স অদুমী পাখৎলবা বাহৈনি।

অদুবু ঐনা মহু চোইরোনগুম তাখি অমুক মাগী পাওখুম পীবগী মহুত্তা শোনখি।

'ইমা কদাইদা চৎলিবনো— ?'

'নত্তে ত্রডর অমুক্তা তপথবিখো— ।'

নাস অদুনা খুংশাখিনা হায়রকই।

'মাম্মি নং নার্সনি! অদুবু নং সুসিলা নত্তে; ঐগী ইমা নত্তে নংসু— কদাইদা চৎখ্রে মখোয়দি— ?'

ঐনা তপ্না ২ নার্সতা যুম্না য়েংলদুনা হায়খি। মদুগী পাওখুম মানা পায়রকই।

'ত্রডর মকম অসি যুম নত্তে হোসপিতালনি;'

মাগী ঈংথবা পাওখুম অসি তাবদা ঐনা জ্ঞান থরা ২ তারক্লে। অদুগা অমুক শোম্বাংনবা হায়খি। 'নাস হোসপিতাল! কয়ম্না মকম অসিদা ঐনা লৈরম্লিবা— ?' মহাক্না মোমোন নোক্লদুনা খুমলকই। 'ত্রডর বারা অহু কোম্না লিজগে; হকচাংবু থম, পুংভাইথবরত্রা ?' ঐনা মাগী বাহৈ অদু তাবদা থর্ক্ননিংবনা য্যাম্না ৱানা মোমোন শোক্লদুনা হায়খি। 'ও নার্স ঐ ফরে, লিরে ৱারাদে!' ঐগী য্যাম্না ৱানা হায়জবা বাহৈ তাবদা শকহেনবী নুংঙা অসিগী চিংলেম্নবী মায়খোঙদো তঙাং তঙাংলদুনা তানক তনিক্লে। বাহৈ অমা ফাওবা খুমকত্রবদা ঐগা নিংবা কায়রবা থম্মোইনা অমুকশু। 'নার্স কৈদোয়বগে ঐ ফরে, ৱারাদো লীবো.... নার্স প্লিজ.... !'

'ত্রডর হকচাং ফবরা কান্দা লীজগে, বাথল অত্ত থাদোকপীয়ু!' মহাকী ঐঙোন্দ হায়দোকপা ঙমদবা মরম অমা লোৎলি হায়রবসে ঐনা তশেংনা খঙই। মতুমা ঐগী থম্মোয়বু হায়নিংঙাই লৈতনা চিংনহল্লি। অমুকশু হংগে খল্লি অদুবু খুম্বীগদবা মা ন দি

খুম্বিগ্রবদা ঐগী উপাই কল্লি লৈরি।
ভাগ্গাদুদা ডাক্তর অমা হিদাক কাপকদবগী মথৄক্তা খুৎলাই থম্বা পায়রদুনা চংলকই। মদু উবদা ঐ মাবু মুম্না য়েংলি, মহাক্না ঐবু মাম্না জ্ঞান তানা লৈরম্বা উবদা নোকক্লেৎ তৌখি। অদুগা অশুম্না হংলকই। 'ইবুংঙো নহাকপু মশাদূ থম্বা মুংঙাইরব্র? এনা মাগী ৱাহংদো মিৎকুপ থম্বা লম্মুক্রক্লগা খুমখি। 'ডাক্তর বাবু— অহোয় থরদি মুংঙাইজরে!'
অদুগা মহাক্না ইথক্তা কুপ্লিবা অঙাংবা ফি অদু থজিক্তুং হায়দোক্লগা য়েৎ থংবা পাম্বোম মরুদুদা কাপাশল্লকখি। ঐগী পাম্বোম অদু ইপাঙ পঙাশিন্দুনা লুম ২ লাওনগুম তোই। মদু কল্লিনবো হায়বফাও য়েংজগদবনু ঙ ক শ ম অদু নামনখিবনা য়াখিদরে ডাক্তর অদুনা হিদাক কাপ্পা লোইরদুনা ফুব্লিৎ থাওদগী গুলি থম্বা লোথোরকতুনা ঐগী মোন মম্বা অদুদা থম্লগা হায়রকই। 'ইবুংঙো নহাক গুলি অ স হৌজিক অমা চাম্বো অদুগা ঙহাক্তং লৈরগ মসিমমু চাওকো।।'
'অহোয় ফনি ডাক্তর বাবু।' ঐনা খুমখি। অদুগা অমুম্না হায়খি। 'ডাক্তর বাবু ঐগী হকচাং অসিবু কয়াম শোক্লবগে?'
ডাক্তরনা খুমখি— 'ইবুংঙো খুৎ য়েৎ থ বদা থম্বা অদুগা কোক্তা থম্বগনি।' ডাক্তরগী ৱাহৈসি তাবদা ঐ নিংশিংলক্লে, ঙৱাং ঐনা থাঙ প্যায়খিবা য়েৎথঙবা থুত্তনি মথোয়না ফুখিবা! অদুদগী ঐ করম তৌখিবা— ? মসি ফাওবদি নিংশিংবা থোকখিদরে।
ডাক্তর বাবু ঐবু ফমবা থম্বা য়েংবিয়ুকো।।'
'বোয় ! কল্লিগী য়েংদনি, ৱাগনু— ।।' মহাক্না মোমোন নোক্লদুনা হায়রকপনি। অদুগা ইনাক্তা লেপ্লিবী নার্স অদুদা

চানবা লৌরুচো হায়দুনা ইঙ্গিৎ পীখি। নার্স অদু ডাক্তরগী য়াথং মতুংইন্না চংখ্রে। 'করে নহাক চাক চাথোক্রো ঐসু অশোমদা অমুক চৎলুখিগে।' 'কনি সার' ডাক্তর রাহে অদু হায়রম্লগা অমুক থোকখ্রে। ইথস্তা ভাইরবা ভাঙ্গাদুদা নিংশিং-লকখি। পাবুং নচাগী লক্ষ্মী থাদোকপীয়ু নচাথোয়নি।' সুসিলানা হায়খিবা। নত্তে মহাকপু ওজিস্তা.... নত্রগা মহাক, মহাক্না হায়খিবা রাহে 'ওজিস্তা লৈগদবগী শরুকপুদি শিগনি।' নত্তে মহাকপু লৈরমখিগত্রা— ? ও ইমাসু ঐগী ইনাক্তা লাক্তে কদাইদা চৎলমগনি। ঐবু কনানা মক্কম অসিদা পুবিরক্রিবা ? ভাঙ্গাসিদা নার্সনা চাক পুশিল্লকতুনা ঐগী বাথল অদু থুগাইদুনা হায়রকই।

'ত্রডর চাক থজিক্কুং চাবা য়াবরা য়েংসি!'
'চাক চাবা!' ঐনা ওক্না হায়খি!

'হোয় থরা কনথৎনবা!' মহাক্না নোকমি নোকমিবা পাওখুম্নি।

'নার্স ঐ চাক চামিংবা ফাওদে— বংনা ঐবু শুংশিবিরবদি রারী অদো লীখিয়ু— ঐনা খোইরাংশিনবদি অদুতনি!'

'অদুবু কোম লীজগে— চাকসি থজিক্কা চাখিসি।'
নার্স অদুনা ভনৌ ভনৌরবা মথুৎ অদু শেংনা হামদোক্লদুনা চাক থরদুগা য়েঙ্গাং অদুগা তোৎশিন্নরদুনা ঐগী নাক্তা পুশিল্লকতুনা হায়রকই। 'ত্রডরসে থজিক্কা চাসি— চাক থরসি চারবদি শোয়দনা কল্লগদবনি! ইনজরগে সে!' অসি হায়রদুনা মহাক্ন চথোম অমা ঐগী চিন মথাদা থাংজিল্লকই। ঐনা য়া কাথৎতুনা চারম্মী। চথোম অসিরোম ইল্লবগী তুংদা ঈশিং চমন মচা অমদা তপ্না ইনশিল্লকই। ঐগী নিংদোল অসে বাথল কয়া খল্লুবদগী পিক থনগৎলকতুনা চাক য়োৎশিন্ডলকত্রে।

মহাক্না চখোম অমা পায়রগা অমুকশু ইনগদবগী তৌরকই। মতু উবদা ঐনা হায়খি নাস´ চানিংত্রে তৌ:ক্লসিবা !'

'ব্রডর অ'সমতঙ্গা— !' মহাকী নোকমি মোকমিবা বাহৈ তাবদা চানিংদ ২ চাশিল্লি।

'করে ব্রডর চানিংত্রবদি, শজোম থয়' অমুক থক্লসি।' ঐনা মাগী শিজ-শিথক্লিংবা উবদা ঐনা য়াম্না নোকনিংবা ক:ওরকতুনা মোকফেৎ তৌরগা হায়খি। প্লিজ.... !' 'নো প্লিজ.... !' মহাকন্না নোক্লদুনা খুম্নকই। অদুগা মিলাস অমদা তথাইমুক হৈরগা ঐগী চিনবান্দা থাংজিল্লকই। অদুগা হায়রকই 'প্লিজ .. মসিদনা থক্লবদি শোইদনা কনখৎলগনিএ !' ক'য়গুম্বা কনখৎত্রবনি কুমদৌনি? ঐনা থকনিংমন্দ্রবদা হায়খিবনি। 'শো ই দ বা কল্লগদবনি— সে' ঐনা মাগী পুকচেল শেংনা শেবা তৌবা অসিদা পেল্লদুনা হয়াও ২ থক্লি। মতুংদগীদি ঐনা ওক্লে হায়বদুনা অয়েন্বা মযামতু পুথোকতুনা থোকখ্রে। অদুগা অমুক চংলকএ মহাক্না ঈশিং থয়া পুশিল্লকতুনা চিনথা নিংথিজনা তেংথোক্লে অদুদগীদি অমোনবা রুমাল অমনা চিন্দা ছৈথোকপিরি।

'নাস´ অদোমগী লমনবু কয়ম্বা কান্দা শিংগদগে— ?'

ঐনা তপ্না হায়খিবনি।

'কৈদৌবগী লমমো— ?'

'নহাক্না সেবা তৌবিবগী !'

'ও লমন্দী ঐখোয়না তৌল্লিবনি !' নহান মপোক্কা ইবুংগী লমন তৌল্লকপনা হন্দকমুক মপোক্কা শিংজরবনি— ঐখোয়না সেবা তৌজবদা পেনবিদতুনা হায়বিবা ওইরমগনি ! নোকমি নোকমিবা মহাকো দাওথুম্লি। তাঙ্গাসিদা ডাক্তর নুপী অমা চংলকতুনা হায়রকই। সিস্তর লতা রুম নম্বর ১২দা অমুক্তা

লেংশিনবিরকউ, এমারক্লেমসীনি ।' হায়ৈহ অদু তাবদা মার্স অদো বামতং হায়রমদনা ঐবু মুরা য়েংলম্লগা থোকখিংদবগুম ভপ্না ২ থোকখি ঐগী মাবু মুম্না য়েংহৌরি । মহাক্না ঐহাকপু নুংশিখিরমগদ্রা— ? অমুক লুনা সেবা ভৌখিরিবসিবু ! মহাক্কী মশক উরগা ঐগী অনাবা থবা ফবগুম ভৌরি । মহাক মার্সনি অহানবদা ঐনা থনগদবনি ফোরেন্দা নাইটিগেলসগুম্বী মীওইবগী সেবাদা মপুন্সি কথোক্লবী নুরা অমনি হায়না অদুবু মহাক্কী নিংথিরবী মায়থোং অশিদা শাবী শানোগী নুংশিবা হায়বা পোৎশক অদুগী মমি তাবি ! মহাকসু মীনি অমসুং পুকচেল চাওবিনি । মীওইবগী অপাম্বা কল্লকপা মিহৌবা হন্নাওবা নুংঙাইবা থাদোকতুনা নুমিৎচুপ্পা মীগী সেবা ভৌবনা হন্নাওবী মার্সকী পুন্সিনি অসিগুম্লবী নুরা অসিবু পুকচেল পিক্লবা ঐহাক্কী থম্মোইনা মৈরানবিগুম থাওমৈ মঙাল উবদা কোই-ঙাওনদুনা পাইবগুম থিরি মহাক্তবু চিক্লা !!

নুংথিলগী পুং ৩ লোম তাথে ঐ ঙহাক তুমলুবদগী মিৎকপ হোরক্লি— । ঐনা ঙবাং থোকখিবা থৌদোক অদো তাঙ্ক অসিদা থঞ্জিক থঞ্জিক নিংশিংলকপগুম ভৌই । ঐগী থম্মোই, বাখল অদুনা তিং তিং লাওহল্লক্লি । থোদোকশিং অদুদ ঐ থবা ফাওবা ভাব তা র ক্লে ভৌইগুম্বসুং মফম অসিদা কনানা পুরক্লিবনো হায়বসিমদি নিংশিংবা থোকখিদে । অদুগা কম্নিগীদমক্তা ইনাক্তা মী অমত্তা লাকত্রিবনো ? ইমানা কদাইদা চৎখ্রবা ? তনিব্রবা থম্মোই অসিগী মরক্তা নুসিলাবু নিংশিংলক্লি ভাঙ্গাসিদা মার্স অমুক চংলক্লে মাবু উবদা ঐগী অরাবা পুম্নমক লোৎখ্রে । মহাক্না চংশিল্লক্লগা মথোঙ অদো শেমজিল শাজিল্লহনা হংলকই, 'ত্রডর তুম্মুরত্রা ?, 'হোয় তুম্মুরে ।'

মহৈক্কী ঐগী থুম্না ওইরপ্পা চৌকি অমা থাম্লগা ফমলী। মহাক্কী মায়থোঙ অদো য়াম্না ইংই মহাকপু উবদা শুমহৎ-তনিংঙাই লৈতে। মহাক্কী ভঙাং ভঙাংলবা চিন্বাল অদুনা শক্তিগী মীওাবু ওমজবী মিস্না অদুগা লোয়ননা মোকমি নোক-মিবা উরুবদদি অনাবগী চৈনাখোম্ন' ইমা ইমা হায়রমলগা মিৎকুপ থম্নদি' মহাক্কী ফিভম অদুদা লম্মূক্লগনি। হায়বদি পোৎশাগনি। মহাকপু ইভোমতগী ফজবনি থনবিগনু মম্নামগীনি মহাক্কা ফঞবসে অা ফিলমগী ষ্টারিং গুংম্ব ববিতাগুম্বীনি!

শরৎ থাদা থোকপী ১৪ নি শানবা থাজগী মায়থোংদা ভোকনবা লৈচিম নোংফাই থরনা থাজগী মায়থোং লাংশিনবগুম মহাক্কী নিংখিরবা মায়থোংসিদ' ঐনা চিংননা অমকপা অমগী মমি উরি 'মতু' ঐনা ওসিদমক উবগা থংগদবা নত্তে; ৫/৬ নি নত্রগা' মতম" থবগী মতুংদা মহাক্কী অমকপা অদূ করিনে। হায়বা থংগদ্রী অদূবু মাসমদি থোনা ফনা হায়বা ওমই; থাদা মযি কৈরিবা, মাইহিংনি হায়রিবদো মাইহিং নত্তে. চাওরবা পাক্রবা চাংমি; তুরেম্নি। অত্রগুম্না মথোৎ কারকপগী অসিগুম্বা অসিগী মায়থোংদা উৎলিবা অমকপাসিদি কোংওমদবগীনি। চুম্নম-দবস্ত্র য়াই। হায়রিবা নার্স অসিগী মিৎয়েং থুদিংমক্তা কোং-ওমদবগী পাম্বিবা য়ুথল অদুনা ঐগী থম্মোয়বু থজিক থজিক কুপশিন্নক্লি। নার্স অদুনা তপ্পা মেংলবা থোনফম্না হায়রকই।

"ব্রডয় অৱাবা ৱাথল থনবিরুগম্নু! হকচাংদা মুংঙাইনবা হোৎনসি।"

"হোই নার্স ঐ ঙামতা হংজগে মসিনা থোইবা ঐগী হকচাংদা কায়গদব. নত্তে।"

মহাক্না ঐমী খংনিংলবা মতৌ অমিদা লোৎপা [illegible]মারে।

"ত্রডয় করি হাবো ?"

"পুকচেল চাওয়বি নহাক্তি খংলমবা য়াই [illegible] ইমা মকম অসিদা লাক্তুবা করিগীনো ?"

য়াহং অসি অপংবা মীদা হংবগুম থোকখ্রমায়ে মার্কী হাইথোং অদো ইমক মকশিন্নদুনা তুমিন্না লৈপ্রে করিকো মহাকী য়াথল ঐনা হংপ্রিবদো নার্সকী মথোংগা মরি লৈনত্রবরা ? মমাগী লৈত লৈত কম্ম ভোজনদ খংহোদনা মোং হাংশন্নবদা ঐগী থম্মোইদা বারিবা অসদগী শরুক কয়াম হেন্নমগবা ? মোং মংলবা আতিয়ারোমদা ওবথৎতুনা থাংলবী ইথোলাংবি চেন্নাগী থম্মোয়নি চুথরক্লোনে হো নোং।

"নত্তে নার্স নংনা ঐগী ইমা হংলগ থুমখিনত্রিবা করিগীনো ?"

"ত্রডয় ঐহাক্তি ইমাগী মরমদা খোইথোকপা [illegible]।"

নার্স অদুনা ইমাবু মশক খংদবা অমদি মকম [illegible] অমুক্তা লাক্নমদবনা থুমখিদবনি। ঐ মহাকী [illegible] [illegible] ভাদবা মতৌ অসিদা পূমওক ওকখি। মহাকী থম্মোয়দা ঐগী য়ারী অদু হুকথং খঙদবগুম ভৌরি। অদুবু অমুকন্থু ঐনা খাজদবদগী হংখি।

"নার্স মতৌ করম্না ঐ মকম অসিদা থন[illegible] অদুগা ঐগী ইমানা মকম কদাইদা খংবিরবদি অমুক্তা য়ারক্লি।"

"ও ত্রডয় ইমাদি হন্দকী মতৌ অসে করিনগী খংলমলমোই।"

মহাকী নিংঙদবা বাহৈদু ভাবদা ঐনা হংখি "মরমদি ?"

"ত্রডয় বাখি অদু শম্না লিজগে, ত্রডয় ওয়াং থোকখিবা মৌলোক অদুবু লিংশিংবা ওমবীরিখমা ?"

মার্স'কী থম্মোইদা অঙকপা রারী অদু ডপেংনা তাক্লগে হায়না থল্লমারে। ঐস্থ মাগী রাইহৈ তাবদা থোকখিবা থোদোকপু মামনা রানা মঙেক মঙেক নিংশিংলদুনা হায়খি। নর্স নিংশিংই ঐহাকপু মী থমনা অমম্বদ শোয়োক্না চৎলিজৈদা কুপস্পী, অদুগী ঐহাক জ্ঞান তাদনা শোয়োক অদুদা তুখি; মতুংদগী ঐ থোয়না খংস্ত্রে মকম অসিদ লৈরমজিবসিনি" ঐগী রারী থন্না অসি তাবদা নার্স অদুনা অমুক হায়রকই। "ব্রডর মকম অসিদা ব্রডরথোয়গী মী অমত্তা লাক্কবগী মরম'দ ব্রডরনা রাম্বুদুম লৈরিজৈদ শেটো'লং চৎপা মেপটবি থেংনবদগী মথোয়না মকম অসিদা ব্রডরগী অশোকপবু উরগা পুয়ক্লিবনি।"

ঐথোয়গী মী অমত লাক্লমদে হায়রিবা অসিবু কয়িগী'নো থোইদোক্লা লাম্না মকমস্থ নত্তে; রাথল অসিনা চিংএবা থংহেন থেনগৎলক্লি। কবিগীদমক মচানা ডাক্তরদা লৈরগা লাকত্রিবা? মদি মী অমগী থম্মোইদা রাম্না চিংনবিংডাইনি। ইমা শাংওবদগী লাক্কবা ওইরমগত্র? নত্তে কয়িগীদমক শাওগান? অদুগা কবিগীদমক অমুক নকপাসিদা লাকত্রবা? বাথল অসিনা ঐগী থম্মোই অসে তমিক তনিকলে। হন্দক্কি মহাকী মায়থোংদা নোকপগী মমি তাখিদরে।

"নত্তে নার্স অমুক নকপা মক্মদবু ইমানঃ কয়িগী থংত্রিবনো?"

"অত্তরবু কবি লমদগীনো? মহাক্লা হংলক্লিবা রাহৈ অসিনা ঐগী বাথলবু চম্মমনহনত্রে মরমদি মহাক্লা কয়িগীদমক কৈরক্কগী থংনা থত্তনা হংলক্লিবা মহাক অসিবু মকম অসিদা লাকপা হুইত্রিত্রা কয়িনো? ঐনা থল্লকখি। অদুগা পাওথুম পিখি।

"ও নার্স ঐ কৈরক্কগীনি!" ঐগী পাওথুমশি তাবদা মহাক্লা থংপ্রেক থংবত্তুম তৌখি।

"ও ব্রডর; অদুদি ঐ ভাব তাবে ঐথোয় থংলম্লরোই, লম অসে লাপলবনিশা ।"

"লম লা প না ...... মত্তে নার্স ঐনা নৈরিবসে কদায়দনো অমুক্তা হায়রু ?" থংহোদনা ইশাসে অমুক হমাং কাখৎলকই । নার্স অদুনা ভপ্পা ২ হমাং অদু ভৈথোকপীরদুনা হায়রকই ।

'ব্রডর ভপথবিয়ু ইম্ফাল হোসপিটালনি করিমতা চিংনবীগনু ইমাংোয়দা চিঠি থাজখিগে ।"

ঐনা শ্বর শাংনা হোন্দোরদুনা হায়খি; "ইসঃ ঐবু ইম্ফাল হোসাপটালদা ! .... করে নার্স নহাক্না চানবীদুনা ইমাদা ঐহাক অকম অ'সদা থুদোং চাদবা ঋরা থোকতুনা লৈরে হায়না ইবিখো ।"

'করে ইজরুরগে " নার্স অদুনা হরাও হরাও ঐগীদ দমক্তা চিঠি ইবিগদবগী থোকখ্রে ।

অহুম্না তুমীৎ ২ | ৩ নি য়োম হোৎখ্রে ঐস্থ অতেকপা থুত্তোঁ য়ারদুনা মপাঙ্গ ইপাল থোকপা থজিক থাজক্তি ওমলে । অদুবু ঐনা করিগু হরাওনিংঙাই লৈতে, ওসিকাওবা য়ুমগী পাও অমত্তা কংথিদে ঐনা থাখিবা চিঠি অদুবু কংদবকাংলা ? ঐগী থম্মোয় অসে নার্স লা ভা গী মাহৈতংনা অচিকপদা পোথাহল্লবস্থ স্থসিলা ১দি ইমাবু মিৎকুপ অমতা কাওখিদে । মথোয়গী পাও অসে যত্তাবকত্রবদা ঐগী থমোইসিবু নহান্নগী মও অদো নিংশিংহল্লকতুনা স্থসিলা ওঙ্গিকাওবা হিংলমখিগনি থাজরকত্রে । মতু মাওত্রবদা চেক্লানা নোং তুংশিৎ মরক্তা

খাংবগুম ঐগী থমোই অসে মচেৎ মচেৎ কাইবগুম তোৎরক্লে ॥
লুংখিলগী পুং ২ রোম ভাগ্রে, লতা ঐগী ঈ তৈরবা ফিদো শুদোকপীরদুনা ইসতি মিংখিবা তক্লগা পুশিনখিরক্লি। ঐনা মাবু উবদা মিৎ তপনা পাংথোক্লদুনা নোকমী নোকমি তোৎরদুনা য়েংলি, অদুগা মহাকসু নোকফেৎ তোৎমলগা য়াদি ওাংলমদবা ঐগী ফিদো ইনাক্তা থনমলগা থোকখ্রি।

কয়াদা শুকচেল চাওরিবা নার্সনো— ? মহাক্না তোৎখিবা সেং অসি অপোকপী ইমাময়ক্কাও শুয়োই। মহাক্না পুতিমকী চাদ ইনবি; অদুগা অহিংচুমা তুমদবমথৈ সেবা তোৎবি। ‘নার্স অসিনা উৎপিখিবা থোজাল অসি মীপুম খুদিংমকসু উৎলমগদ্রা ? ইংতোমতা হ নৈ পাওথুমদি ঐতনা পীৈজ থম্মোইগী মপোম য়াহংদা উৎকয়োই। মহাকী মোমোন নোকপা য়াহৈতনা ঐগী থম্মোইগী মৈচাকপু মরেং তাহল্লি। মীৎকুপ অমা থাদোকতুনা মহংকী মথৌ তৌদবা য়াদবা অদুকাওবদা ঐবু থাদোকনি থনবদা মাগী মায়থোং অরাবা উৎলি।

পুথাইম্নুকী মতংদা ঐনা লোংনা থিপ্লদুনা য়াথল অসি থল্লিজৈদা মহাক্না ইমভেলব অমা পায়রদুনা পরপ ২ চংশিল্লকতুনা হন্নাওবা অমদি থকৎপগা য়াম্নরদুনা হায়রকই। ‘ত্রজর ইমাথোয় লাক্লগনি চিঠিসু অমা পীরক্লে।’ ‘হাঃ নার্স!’ ঐসু থকৎপগা হন্নাওবগা য়াম্নরদুনা হায়খি

‘হোয় চুজিক্কা থুংলরিবনি!’

ঐনা তোৎরবা মওং অসিদা চিংনবা অমা ফাওরক্লে, মরমদি ঐগী চিঠীগী পাওথুম করিগীদমক্ত ইমানা হন্নকদোৎরবনো— ? থম্মুনা য়েংবিয়ু— মচাগী অদুগুম্বা পাও অদু তাবদা পম্বদুনা নৈগদবী কনানো— ? ঐনা থওহোদনা মায়থোং মকশিল্লদুনা

হায়রিবি 'লভা অমুক্তা পারকও !'

মহাক্না নখুম অদু শেংদোকতুনা লোখোক্রগা হয়াঙ হয়াও পাগদবগী তৌরি। তৌইঙখদুং মহাক্না ইদ্রিবা মরেক অদু হেক উবদা খংদ্রেক খংখঙদ চপ লেপতুনা মায়থোং মকশিন্নতুনা চত্তরিখি। মহাকন হাঁকৈদো পায়ক্তুগা। অমদি মীংশুনা পিরাং চেবখা মতৌ উবদা ঐহু হায়নগী লকরগা থ ছে ম । ই অদো চয়মখঙদুনা হংখি।

'কৈদৌরবগে পায়োদনা !'

অঙকপনি মহাকী মায়থোং অদু উবদা মীপুম খুদিংমক তুমুংনিঙাইদনি, ইথৌ লাংলবী চেক্লনা অমংবা মোংবু উবদা লাইক কংলগনি হয়াওরুবদা খঙংহৌদনা নোংনৈ মুংশিংখা হমদোকখ্রবদা বাকয়রবি চেক্লাগুম মহাকনা ঐগী পুংঙাইবা পাও মুংঙাইবা তাবগনি কয়াওরুবদগী অরাবা নৈচিলবা কুপশিন্নকখি। মিন্না অদো পি চদুম ২ তাংক্লি। ঐগী থোইরাংলবা থম্মোইগী মাহংগী পাওথুম পীরকত্রবদা ঐ শাওনিংবা অকনু পোক্রে, মরমদি ঐখু অরাবা পীদুনা লেপলিবা কর্‌গীনে:— ই

'নক্তে লভা নং পাখিংত্রগা ঐ পারগে পীরকও।'

ঐগী পাওথুম কংলকত্রবদা শিন্নরক্লিবা মহাকী পিরাং অদুগী আর্থিক থঙদদা খংনিংদনা হানখিবনা অরাবা ওইরমগনি মত্রগা মহাকী চিঠি ওইরমগনিসু ইথল থল্লুদনা হায়খিবনি। মহাক্না মায়থোং অদু নৈথোখ্রগা চিঠী অদু ঐঙোন্দা লাংশিন্নকই। ঐখা ওইথংবা খুং অদুনা লোয়গা পাগদবগী হোৎনরুরি।

মরোলপ্দ—

★ শ্রীহরি ★

ঐগী থম্মোই অসে তুজুংবগা লোয়নবা থংহৌদনা মতুপ্‌ তোবকবি, ইশা পুম্নমক কিং ২ থাঁদিবা থোম্লেল থাঁমনা মিত্তো

তপ্না উইশিনখ্রে নার্স অদুনা ডাক্তরবু কৌবা চেনখোখে খুদক্তা ডাক্তর অমদি লোয়নবা ময়াম চংলকতুনা ঐবু লাইকননরম্মী ঐনা জ্ঞান তারকপদা ময়াম অদুনা ঐবু কোকশিন্দুনা নৈরম্মী ঐনা ডাক্তর বাবু উবদা হায়খি "ডাক্তর বাবু ঐগী ইমা নৈত্রে .... " বাহৈ অদু তাবদা ডাক্তর অরাবা কোংদোকপগুম ভুমিন্না লেপলি। ঐন হিক হিক কপলদুনা শোনখি ' অমুক উবা ফংলরোই হন্দক মপোক্কী; ঐসু সংসার অসিদা অমুক হিংনিংদ্রে কথাম কুইনা ওৎপিখিগদগে হে ঈশ্বর "

মখোয় ময়াম অদু ভুমিন্না মপি তৈথোক্লি ডাক্তর বাবু মহুনা ঐবু পেমক্তনবা বাহৈনা হায়রকই।

, "রাজেন নহাক্কী লাইবক্না তমলক্লবনিনা, মীওইবা খুদ সক মমা-মপা কাইনরিবা ওাক্তনি করিদত্তা বাগমু।"

ঐনা মতুগী পাওথুম পিখিদে; ইমা কাইনবগী মৈচাক্না কনাগী বাহৈসু তাখিদরে। ওহাক্কী মপুংদা মখোয় লোয়ন খোকনে, মখোয়না থোকখুবদা মীৎকী পিগা লোয়বনা চিঠী অদু অমুক পাথরক্লি।

শ্রীহরি

মুংশিরবা মরুপ রাজেন ....

নহাক্কী নফমদা ঐনা খংহজ্ঞখি। মরুপ নহাক্কী অরাবা পাও অদুসু ফংজরে. অদুবু লাইবক খিবদগী মরুপকী পলেমসু রাক-চিংগী ১৮ নি পানবা শগোলশেল মুথাৎকী অয়ুক্ত মরুপ ঐখোয় পুন্নমকপু থাদোকপীরমদুনা তাইবঙ বিদায় লোতুনা সংসার ইপাক লানথ্রে। মরুপ লাইবক থিবনি লাইরবী পলেমদো মপুং—১ তম চাদনা পুন্সি লোইখিবা অদুবু মরুপ অমুক রাকুরগনু নং ঐসু

নোংমদি মকম অদুদা চৎকদৌরিবনি। মরুপ ঐহাক্কী ইমা নত্তে হায়দুনা হায়জবা নচ্চদে নংগীখু নমানি ঐগীসু ইমানি। মরুপ ইমাগী কম্ম ঐহাক্না তৌজগনি চিংনবীগদু। মরুপকী হকচাং সুংঙাইনবতা হোৎনবীযু ঐ শোয়দনা লাক্কগনি।

অদুগা মরুপ অরোইবদা হায়জখি মরুপকা থোকমিন্নবা খুমিৎতুদা খুসিন্না ওইজত্তা নমদুনা লুহোংখ্রে খুসিনানা হু চাদুনা শিগনি হোৎনৈ অদূবু ফত্তবা মপাবুংগী চেকশিনবনা মতু ওইথোকখিদে। অদুগা মরুপ নহাক্না ওইজত্ত লুহোংবা যাদ্রিবদো অতৈগী নত্তে নহাক্কীদমক্কি। নহাক অমুক ভর্থবা যাই হন্দুনা যাখিবনি, মহাক্না চৎলমদইদা অহন্না হায়রম্মী, কান্নদ্রবা দেহ অসি ওজিৎকী ওইথুবসু থম্মোয়দি রাজেনগীনি মহাকদমক হিংলিবনি, মহাকপু ঐনা থাদোকপ নত্তে, মহাকী বাশাক্কদমক্ক। মরুপ মহাক্কী মপা অসে ওল্লোক্না মীপুংশি খংবিদরে মরুম্ম, শিখ্রে হায়দুনা ইমাবু ওৎপিখি অতগী আভাগ্যনা ইমা....

মরুপ হকচাং ফগৎলবা ঈশ্বরদা থুরমজসি মরুপকীদমক্কা হিংজরি। মরুপ মথোয় অদু হিংলি, নোংমদি ইমাগী জমন। মরুপ মতাং অসিদা ফোংদোকচবা লোয়জরে।

নহাক্কী মরুপ
শ্রীযুম্নাম শ্যামদত্ত সিংহ।

তাং ২২ | ৮ | ৬৮ ইং, কৈরক পার্ট টু

"ঐগী কোক অসে উরু ২ লৈরক্লি। শান্তী লৈত্রবা পুন্সিনি, হিংবগী কান্নদ্রবা মপোকনি অদূবু ঐগী ইথৌ পাংথোকত্রি।

অ। পু ন্সি অসিনা সু ং ঙা ই ব।। লাইবক থীরবী পলেমও,

নপাল্লী লমজা লৈহৌরি কাওবীরত্রা? করিগীদমক মচাবু হুন্দোকপীরমদুনা চৎখ্রি ইমা নচাবু লৌশিনবীরোগবা হিংজনিংত্রে অমুক।"

তাঙ্গ'সিদা লতা চংলকই মাবু মুন্না শেংলদুনা ঐনা হায়খি "লতা ন'স্থ ঐগী ইমাবু মুংশিত্রা পিরাং শিন্থরিবদি?" ও! মহাকনা শাওথুম পিবা ভমদে "লতা রা অমত্তা হায়জগে নং' ম্রাবিরব'দ পুন্সিসিমা কাওজরোই।"

"ত' রাজেন ভমগনি করিনো হায়'বিয়ু তৌজগে।"

"লত্তা চানবীদুনা হু খজিক্কা পাঁ'বিয়ু থাম্মায়সে ইংত্রা য়েংগে।"

মহাকনা কপ্পা কপ্পা হায়রকই।

"নত্তে তাদা রাখল অদু লাম্লে সংসার অসি অমুক পোকপা অমুক শিবা হৌনরিবনি অকোন অহান নাইবতনি! ইথক কল্লবা সমুদ্রগী ইথক্কুম হৌরক্লব' অরাবা পুম্বা মহাকী রাহৈ খরা অসিনা খজিক খজিক থৎপগুমখ্রে। অমুকসু মহাকনা শোন্থাংনব' রাহৈনা মখা তারকই "ত' রাজেন য়েংজোই ঐসু নহাকতুম্না ইমা লৈত্রবনি!" অদুগা মহাকী মিৎস্না অদু পিতনা পুমকৎলকই

"নত্তে লাত্তা নহাকসু ঐগুম ইমা কায়নখ্রবা? নং ঐগী লাইবকসে থাদ্র'?"

'রাবি কয়া শারুরগা কান্নদে, তা রাজেন করিমত্তা চিংনগম্ব ঈশ্বর লৈরে"

মিস্নদগী পিরাংদো মতোমতা তৈথোকচরগা ঐগী পি থরদো নোকমি নোকমি তৈথোকপীরী, অদুগা মথৌ তৌগদবগী অমুক থোকখ্রে। মহাকনা থোকখ্রবদা চিক্লবা ঐগী থম্মোয়সে অরাবা রাখলগী মনিং তম্বা হৌরকলে।।

লমজিংবীয়কো

মোংমগী মুংখিন্দনি, চিক্লবা ঐগী কাদা হৌখিবা খোদোক কয়া অমসুং থাবল অহিং কয়াদা শাখিবা মুংশি বাণ্রি কয়া নিংশিংলুবদা খম্মোয় অসে খাংডমখিদরে লংলগী। অমদ হুসিলা কায়নবগী খল্লুবদা ইত্তোমত: চিকমা থাখল অনিগী মরক্তা ফুংবংনওক্লি। মী অমা ওইবগী মকমদা মমা অমদি মরুপ পুম্নমকপু কায়নরবা মীশক অদু মহাক্কী খম্মোয়দা করি খল্লমগদগে ?

ঐহাক ইমা কাইনরে, অমসুং মুংশিনবা মহাকসু লুহোংরে। মী অমা ওইবগী মকমদা অস্নক য়াম্না থুদোংখিবা অসি কনাগুম্বশিংদা থোক্লম্বসু য়াই, অদুবু মহাকশু ঐগুম ব রমগনি অসিগুম্বা মতাং অসিদা ফজবা নিংথিবা কয়া মাংখিদুনা 'শিবা' হায়বা অরোইবা মিৎকুপ্তা মাংদা হেক্তা চংশিল্লকই। মতম অদুদা মী অদুসু অসিবগী লম্বিদুদা হেক্তা চোংশিন্লি। মীপুম থুদিংমক মুংঙাইবা নিংবা থুংবা কয়াগী লম্বিদা চৎলগা ঙাকতনি অদুবু অমুক মম্বা অমুক ঙানবা য়ুথল অনি থোকখিবনা চৎলিবা মহাক অদো লম্বি লানথি। মতম অদুদা মহাক নিংবা কায়বা লম্বিদা চৎপা হৌরক্লবনি; মদুগী অরোয়বা পম্বুংদা মোংফম নৈ।

হে সংসার নহাক্কী তম্পাক্তা ঐনা হিংবগী কান্নবা করি নৈরি ? কনাগী মকমদসু ওৎলরোই, লাতা এহাক্কী মকমদা ঐনা কোংঙমদবা অসিমদি ইন্নাম্নি। নত্তে লাতাদি ঐবু চুম্না মকুং অমাগুম খঞ্জবনি, ঐগী থাখল লাল্লে।।

য়াখল কয়া অদুনা থুক্কেং পালোয়নরদুনা হোসপিতালগী রুম অমদা চংশিল্লি. কনা অমত্তা লৈরমদে. লংলবা লিক্লিশিং অদুনা ঐবু মমিৎ থৎনদুনা কোশিনবগুম তৌরি। পোইজন লিক্লিশিং অদুনা 'লাওনে অপঙবা শান্তিদি ঐহাক্কি' হায়বগুম থংহোদনা থম্মোইদা তেংবাংলক্লী। ঐনা লিক্লি অমা তপ্পা থাজৎলদুনা পিন্না থুম্নবা মিস্না অমি অদুনা মুম্না য়েংলগা মথুম হাংদোকতুনা থক্লগে হায়না থাজৎলকপদা ঐগী থুত্তগী লিক্লি অদু কনানো অমনা থংশৎ শত্তোকখে ॥

ঐনা ভুকনা য়েংথোরকপদা লাতা ওইরম্লে। ঐনা মাবু উবদা ভুকনা ইকাই মুংশি য়াম্নবা লৈথোক্লি। মহাকনা লিক্লিদু থম্লগা হংলকই। "করিগীদমক হু থকদোরিবনো ?" মহাকী অঙকপা মীপাইবা য়াহংনি।

"লাতা ঐবু খিংগন্ন, অমুক হিংনিংত্রে!"

"নহাকনা থক্কি ভৈদা ঐনা হাম্না থকনি।" মহাকনা য়াম্না য়ানা হায়রকই। ঐ রা অদু তাবদা চঙকনরি, মহাকনা করিগীদমক্তা হু থকদোরিবনো পুকনিংদদি, চিনবালথোংদা ফোংদোরকই মিৎকুপতুদা।

'মত্তে নহাক্কি করিগীদমক্তা থকদোরিবা ?"

"নহাক্কি ?"

"ঐহাক্কি হিংনিংত্রে।"

"করিগীদমক্তা ?"

"মরম থোইনা লৈতে!"

"ফরে ঐহাক অপনবা অমুক পিররোই, অমদি মিৎকুপতুদা হংজরি।

মহাকনা ঐগী ভক্তা মথুৎ অনিমক কোল্লদুনা অরোইবা মীৎয়েংগা

লোয়নবা অরেম্বা লৈত্রবা শিরাংলক্কা হায়রকই। "তা রাজেন অসিগুম্বা অগুকপা থবক অসে করিগীদমক্কা চৎথগে থোরাং- বিরিবনো ? অমুক্তা শেংবা হায়রমখো।।" মহাকনা থম্মোই লোকপা উবদা পিসে অমুক কংখিদরে, সমুদ্রগুম ইহৌরক্রে "লাভা অমুক হংলগনু .... সংসারসিদা নিংবা কায়রবা কবাবা হিংনিংলমগদগে ?" অর্থ কয়রবা পিগী ইচেল্লা মতুম মতুম তাশিনখিদুনা কা অতুগী লৈবাইদা তোপ তোপ তাখি। অর্থ লৈরবা রাজং কয়া অদু তাবদা Poison লিক্লিশিং অদু তুমিন ২ লৈরি। লাতানা লিক্লি অদু পায়রদুনা হিক্লা ২ হায়রকই। "সে থক্লো!" অতুগা রা অমতংদি হায়জহোগে! নহাক্তি নিংবা থংদে হায়দুনা পোইজন থক্কনা নতোঙ্গা শাস্তী থিরবদি নহাক্কীদমক্কা লেপচরিবী মরাইবক থিরবী কপা- গুম্বীশিংদি নিংবা কায়দুনা মরুভুমি ওইহোরোইরা ?" খুমফম খংখিদরে মতম অসিদা পাপ চেন্নবা খুৎ অসিন লিক্লি অদুবু লৌতুনা থক্লগন্দ্রা ? মথুৎ নাম্মনা ঐগী পী তৈথোকপীরক্লি "সে থক্লো।" রাহৈ অসিনা মহাকনা অরোইবা ওইনা হায়রম্লগা থুনমক মপাল থোকখ্রে। রাহৈ কয়া অদু ইথস্ত। খনবা হোরক্রে। করিগীদমক্কা মহাক্লা থিংলিবা— ? নত্তে নহাকী অচম্বা রাহৈগী পাওখুম করিগী পীখিদ্রিবা।

লাতাদো ঐগী কাদা চংদুনা গুরু ২ নৈরদুবা কম্মুং অদুদা কপতুনা লৈরি। ঐহাক অমুক শিনিংদ্রে। ইঃ করিগী শিনিংদ্রিবা— ? নত্তে শিবসে ঐহাকী য়েক্কবনি। য়েক্কবনা কৈদৌনুংদসু শান্তি পীগদবা নত্ত্রে।। ঐনা ঐগী কাদা চংলকপদা লাভা কপতুনা লৈরম্মী, ঐনা মহাকী মথুৎ অদু পায়শিন্নি. মতৌ অদুদা মহাক্লা ওক্লা য়েংশনকতুনা হংলক্কই। "কৈকদৌরে

অমুক হল্লক্লবদি মহাক্কী রাহৈহেসি ভাবদা অমুকা হেন্না রাখে। 'অহানবদা নহাক্ক থিংলিবা করিগীনো— ?' হন্দক্তি মহাক্কা থোনা ফনা থুম্নকই। 'ত্রডর সংসাম অসিদা মীগী উপকার তৌবমা মী অমগী খুাইদগী চাওবা য়েখোনি, মরম থোইনা লৈজদে ঐগী থোকপনি।'

'লাত মী অমগী খনিংবদা থিংলিবা অদুবু উপকার ?'

'উং মাম্না; অদুবু হোৌক্তি থিংজত্রে— অদুন্মক অপাম্বা চৎথবিখিবা য়ায়ে।'

'লাতা মতম অদুদা নংনা থিংলমত্রবদি— থওহোৌদনা কাওরক্লিবা হিংনিংবগী মওাল অসে উরমলোইদবনি !'

ও অমুক হিংনিংলত্র — ?' মহাক্কা শাওবগী থোনফমদা হায়রকপনি।

'মতু হংলগা নহাক্কী অমুক করি কামগদোরিবা— ?'

ঐনা মহাক্কী মিৎলুদগী শিন্থরকপা পি অদু তৈথোকপিরতুনা হায়খিবনি; মহাক্কা ইকাই খুংশ য়াম্না পাওখুম পীরকই। 'থোইদোকপা কামগনি থজদে।' মহাক্কা ঐগা মায়থোকননা রা হায়বা ওমখিদরে, লুকথখ্রে। অদুগা অসিমক্ত হায়রকই, পুন্সি হায়বসে ই থ ক্ত গী থন্নবদি লংখুং খুংওাইখিবা য়াই, অদুদা— ' 'অদুদা' হায়রগা লেপথোকখ্রে. মথা ভারকল্লে।

'অদুদা, কনাগী থল্লিবা- ?' ঐগী থওনিংলবা রাহৈনি।

'মতাক অদু লম্নানবনি অমসুং শকথংদবনি।'

ঐ মহাক্কী রাহৈ পয়েং মম্নাম অসে অমতা ভাব ভাবা ওমখিত্রে তুমিন্না মহাক্কী মনাক্তা চংশিন্দুনা কমগা ঐগী বিলামাত্তি চান্নবা খুৎতো মুন্না য়েংলদুনা নিংওমদবা ফোংদোকচরি। মহাকনা তপ্না ঐগী ইতো অদু য়েংলন্নগা অমুক হেন্না রাবগুম তুমিন্না লৈখ্রে।

অচিকপা অত্থু কনা অমতন! থু্গাইকবা ওমদ্রে । তাপ্লাসিদা অমুক হেন্না মহাক্কী মায়থোং অত্থু তঙাং তঙাংলমলে, অমুবা মায়থোং ওইরমলবদি অমাইবেষ্য'অহিংগুম মমশিল্লনগদবনি ঐনা খর শাংনা অমুক্তুং হোন্দোক্লমলগা হায়খি "লাতা নহাক্কী মতম য়োরক্লগনি, চৎলো !"

লাতা থুমদে. ইল্লিবা ফি অত্থু'মনাদো থাঙ্গৎতুনা চিক্লি।

"মহাক্লা ঐগী থব্রাইবু কনবিরে মতম অমদা অমুক নহাক্কী অৱাবদা তেংবাংজগে !"

"মত্থু অন্নানবা বাইহেনি, নংগী নিংবা: থু্গাইরুবা কম্নিগী মহাক্কী অবাব' পাওথুম্নি।

'থবাই কনবিববু অন্নানবা, ... চুম্মী ! ঐহাক অসে হিংবগী কানবত্রবা মপোক্লি !"

"মত্থুন্থু ওইথোকপা নত্তে, বাঙাং হৈ হায়দুনা ঐহাকপু ইন্নাল পিবিরিবা ?"

"মত্থুনম্থু নহাকপু ঐনা ন্বাথল চাওবী অমনি হায়না লৌখি ! বা থুদিংমক তোক্লশি।"

মহাক হন্দক্তি থজিক্তুং মাইথোংদো মকা লামথোরক্লে ঐবু লোন্না ২ য়েংবা হৌরকলে । "বাবুদি করিমতা হায়জন্নগ্নোই অত্থুদা নহাক্লা ওসি থল্লমলিবা ন্বাথল অসিমতংদি থঙজবা পাম্মী 'অত্থুদি য়াম্না লানথুবা রাকম্নি তাও, অদু্গা থম্নু বসন্তগী অয়ুক্তা থুইথরকলবা য়েন্নিংনা যৌবনগী চিয়োল হৈথুবা মালংনা তোইনা হুমলক্লবন্থু অতৈঙন্না কয় ২ লেংহুনা জগোই শাত্রা ? অত্থুগুম্বা মী অমা নত্রা ঐহাকগু "

হন্দক্তি লাতা মোমোন নোকলগা, হায়রকই "মত্থু অন্নানবা ন্নানি, ইশা ইথন্তা থনগ্নবনা অচুম্বনি থগ্নোইদবনি।"

'হোয় অদুদা লাতা ওসি ঐগী চাওরবা ইরাল অমসু ত্তাকপিরে, বংহৈ অমতঙ্গা হায়জগে—'

'শিবদুবু নহাক্কা নরাল্লা— ?'

'থংদে— কনাগীনো- ? নহাক থংত্রা- ?' ঐহাকসু মাগী মিনোকচু উবদা থরায় সুংঙাইতবা লৈতনা হায়খিবনি।

মহাক্কা হকায় সুংশি য়াম্লবা মিৎয়েংগা লোয়ননা হায়রকই ! 'থংই নহাক্কা ঐবু সুংশবীদনা থোক্রবন নত্রও " ঙসাই মথৈ থোকখিবা অরাবা কয়া অদু অয়াঙবা পুন্সি ঈচেন্দা অপনবা লৈতনা তাওথখুমাল্লে। হাংলবা আঙেয়াদা থরানমিচাক্কা মংনং ঙম্না মমিৎ থৎনবগুম্‌গে। ঐগী থম্মোয়সু অরাবা কয়া কোকখিদুনা অনোবা সুংঙাইবা অমুক ফাওরক্লে। মহাক্কা হংখিবা বাহংগা পাউথুম ওইনা অসুম্না ঐনা হায়খি। 'মক্তে নহাকপুদ ঈচল অমগুম সুংশিকে ' ইং ! হায়রক্লগা লাতা অমুক লুকখল্লে; ঐগী ওইদবা বাহৈশিনা কুপল্লে অমংবা নোংগুম থাজা মানবা মাগী থম্মোহদা ঐনা অমুকসু ফাগী ওই করি ওই মাগী মতৌ য়েংনিংলদুনা হায়খি 'সুংশি হায়রবতা শাওরত্রা করি হায়য়ুগে, হা ? অ লোনমনী হায়য়ুরা ?' নক্তে বাথল অদু লাল্লে, নচন অমদা অদুগুম্না বাহৈনা লংনবীগদবা নক্তে। ঐদি নংবু লোনমখিদে নহাক হবুংনি ! মহাক্কী বাহোবা পাউথুম্নি ! মহাক্কা ঐগী ইচল অমগুম সুংশি হায়বা বাহৈশি সুকতা তানিংদবগুম তৌই, ঙশেংবদি মদু ঐনা ফাগী তৌবান।

'ঐহাক অসে নাসনি ! অরাবা তারবা মীগী তেংবাংবা'

মহাকনা য়াম্না রানা নোককৎ তৌরদুনা হায়রকখি, ঐসু মাদুগী মতিকচাবা পাউথুম পিরি —

"ও ঐনা নংবু লাতা হায়বা বাহৈনা লাম্না লমজংথে, নংবু ইতোমতগী লাতানি থল্লুরে;

অসু: ঐগী অশা ···· ···· মাম্মী মং নার্সনি ”
‘মাম্মি হে'য় মতুম্ন, মরাইবক থিরবী লাভাদ: নার্সকী মমাল পিশনবতুনা ওৎলগনু।”
‘লাভা ভসিদগী নহাকপু ওৎলগোই, মহানমথৈ ওৎখিবা কয়াদো ইরাম্মি থননা ভাকপীযুকো।”
ঐহাকন থরাই য়ুম্ন সুংভাইতনা হায়খিবা বাহৈশি তাবদা মহাক ঐগী পাওগুম অমতা পিরমদনা অদুমক লুকওরদুনা মপাল থোকখরে।

কভাওনবরা থম্মোয়সে লোৎকম থঙখিদরে লাভাগী সুংশি শিৎয়েংতন লাংগোই চনশিনখে মীওইবগী থম্মোয়শি অরাবা: বাথলদা লুপলিত্তেদা, অরাবা ইথক অদুনা লাকহৎখিদুনা মপান-থোংগী মিৎয়েং লোংদা থোইন পুকনিং তারুদে, ককিগীদমক লাভাদা মহাক শমগা মাবু অরবা পিহিবা নত্তে মহাকনা ঐসবু কবম্ন শিক অমগী থাক্তা থম্মোকমগদগে ?” হে ভোম্নিদা' খুং মহাকনা কবিশুম্না তেকলমদতুনা লৈবমলবদি লাভাগী চিম্না কোংদোকপা ভমদ্রবা, ঐদি লরাইদা পোকপনি লাইবকনি তোম্রবন হায়ন থঙলমগদবনি। মসি ফোংদোক্রম্নবদি ঐগী অরাবা মৈচাক কোক্রুমগদবনিকো!
অমুম্ন সুমদাংগী পুং নিপাপ্রোম তাশিনখ্রে ভসিদি লাভা ঐগী নাক্তা চংলকখিদরে। অতোপ্পা নর্স অমম্ন চাক পুশিল্লদুনা চংলক্লে। ঐনা নাস ভুবু উবদা হায়খি।
‘নার্স চাক অদু ঐহাকীবা ?”
নার্স— ‘মাম্মি, চাথোকপিরো ?”
ঐনা নোকফেৎ তোরদুনা খুম্মী— ও নার্স, ভসিদি চাকরোই পুকসি ইথন থল্লে।’ চানিংদ্রবম্নু থরদি চাবিযু।

বাহৈ অসি হায়রয়গা নার্স অদু থুনা চাক থনয়গা থোকখ্রে। ঐদি মদু উহৌদ্রে। করিগীদমক্তনো লাতানা চংলকত্রিবা ? বাথন্দ অসি থম্মা ২ মৈ মুৎপৎলগা তুমথনবা কম্মা হোৎনরি। ঐ থম্মোয়গী মফম থুদিমক্তা লাতাগী লাক্তা ঙাক্তা ঙাইখ্রে। মিৎ হেক উইশিনবদা লাতানা য়েংলিবোইদা মনিংদুনা উইশিনবা ঙমখিদ্রে। কা অদু পুমঙান ঙানবগুম নিংখ্রে, মচি অমদা লাতানা নোক্লক্লে, মচি অমদনা স্রুসিনানা হিক ২ কপশিল্লকপগুম তাখ্রে। মসি পুম্নমক অসি ভাবনি খন্দুনা অমুক লাতাগী মুংশি ইবোনমুংদা লুপ্‌লকক্লে তাঙ্গাসিদা হোসপিতালোমদগী অয়ম্বা হায়রকপা তাখি ‘কৈদোয়বগে অস্তুক ঙললিবসিবু তুমলত্রা- ?’ ‘তাঃ রাজেন মৈ অমুক্তা চুথৎপিয়ু।’

ঐনা লাতানি খংলদুনা পাওথুম পীদনা লৈরি; মহাক্কা অমুকত্থু হায়রকই। ‘তা রাজেন তুম্মত্রা— ?’ ঐনা হন্দকী মতাং অসিদা থুমহৌরগে মতাংগুম হয়খি; ‘কৈদোয়বগে কনানো- ?’ অনম্বা অদুদা থুম্লকই. ‘ঐনি মৈ অমুক্তা থাঙ্গৎপীয়ু।’

‘থেংলবা অহিংসিদা কৈদোবা লাক্লবা, নহাক হুৱানবরা ?’

‘মৈদা থাঙ্গৎপায়ু— মাঙ্গী হুৱানবনি !’ মহাক্কী থম্মোয় শোকপা পাওথুম্ম। ঐনা সুই হাংদুনা মৈ থাজৎলে মহাক্কা থোঙ অদু অমুক থিংজিল্লয়গা ইনাক্তা চংলক্লে।

‘ও লাতা নহাক ওইরে ঐদি হুৱানবা চংলক্লবোই থল্লুরে।’

“খংজরে” মহাক্কা নোকখেং তোদুনা থুম্লক্লগা অমুক মথা ভারকই। “কৈদোবগে চাক চাদ্রবদি ?” “কৈস্থু তোদে চানিংত্রদুনা চাদ্রিবান। নহাক্কি চারত্রা ?” “চাদ্রি।” কদাইদা চৎলুরবগে ঙসিদি ?” ঐবু মহাক্কা লাক্তবগী বারোবা বাহং অসি তাবদা মহাক্কী মায়থোং অদু খজিক্তং মকা লামথো- রকতুনা থুমলক্কই। ‘অদুগীরা চাক চাদ্রিবসিবু ?”

"নত্তেদা চুমা চানিংদবননি, নংবু ঙসিসিবু চাক লামদত্রনে ?"

"কৈদোবগী লাংলোইদোরিবা ?"

"খঙদে"। ঐগী পাওদম অসিদা মহাকনা খিংবা ঙমদনা পংনোক্লা লোকলক্লে

"তা রজেন ঐদি ঙসিনা হেননা লামদে অদুদা ।"

"কৈদোরবা নংগী চাক খাকপিরবা ?"

"অদুগী নত্তে, নং চাত্রবদি ঐসু চাররাই ।" হন্দক্তি মহাক রাকৈ অসি হায়রমলগা ইকাই সুংশি য়াম্লনা লুকখত্রে. নংসু । ঐনা মাবু মুননা য়েংলদুনা পাওখুম পিখ 'ঐদ সুমৈং চনি চাবা হেল্লগনি রাশকখ্রে. হেনগত্রা ?" মহাক খুমলকই

"ইস; ঙমসু ঙমলোইদোদা, অদোম্বু ঙখীগনি খল্লবদি মদুদা ঐগী খশ্মোই খঙবিগনি।"

"শৈত্যা নংবু ঙমগত্রা ?'

"ক্লাগী তোরসু, নংগী শরুকসে ইবানিমক চানননরসি ।"

"ঐদি চানিংদ্রে নং চাজরো।" ঐগী ওহনব পাওখুম্ম ।

"নত্তে, ইবানিমক চামিননসি চানিংদ্রবসু খক্তকুং ।" মহাকী হরাও হরাও হায়জবা রাহৈস ভাবদা ঐনা মহাকপু লোক্লা ২ য়েংলদুনা হায়খি।

"করেনে অদুদি চারশি নহাক ঐনা ইনবা চাগত্রা ?"

মহাক্লা করিমতা চিংনবা লৈতনা লায়রকই — 'নহাক্লা ইনববু চাত্রবদি ঐনা চামিননসি হায়গত্রা ?" অদুগা মহাক্লা চাক অদু থাংথরম্মী, অদুদগী হায়রকই "নংনা হাননা চারগা ইল্লকো :" নত্তে লাতা ঐনা হায়বদি ইবানিনমক অমুক্তদা পুননা চামিন্নগদবনি, অদুগা।"

"তোহৈদেয়ে অদুদি ।"

"হোয় কনানা হায়রিবা ?"

"ঐনা হায়ভরিবসিনি, অদোম্না হান্না চাবা লোইরকান্দা ।"

"নো, অচুদি পুংশিবা হায়বসে ভৌহৈদে হায়দুনা লৈতবা ভাবেনে ? নংবু য়াগত্রবে ?' নংগী ৱাখল অদু লায়ে, নংগা পুন্না চাত্রবদি ঐ শুকচ' চাররোই, ইবানিমক ইমশি হায়বনি ।।'

"ভা য়াকেন মতু হোনদে, ঐনা হান্না ইবজগে, অদুগা এঙোন্দা কোম্না "

"করে অদুকাওবা ঙমত্রবনি ঐদি শুকচা চাররোই !"

মহাকনা ঙহাক ভুমিম্না লৈরুরবা মতুংদা তপনা ২ হায়রকই; "লাকও চারসি ."

ঐনা তপনা হোগৎতুনা মাগী মনাক্তা ফমথরম্মী । চাক অদূ মহাকনা পুনপনা হেনসাং অদুগা তোংশিন্নরে ঐনা মদু চমচনা কোৎলদূনা থাংগৎতুনা মাবু মুন্না য়েংলগা হায়খি 'নহানমথে মহাকনা ঐবু ইন্দুনা পিজখিবগী ওসিদি ঐনমুক নঙোন্দ " "মংসিম" ৱাহৈ অসি হায়রদুনা হরাও হরাও ঐগী থুত্তগী চাক অদু চারম্মী । হন্দক্তি মানমুক চথোম অমা থাংগৎতুনা ঐগী কাথৎতুমা ঙাইরিবা য়া অদু ইনশিল্লকই, ঐনা মাবু য়েংনা য়েংনা মাগী মথুৎ অদু তপনা উমশিল্লম্মী । মহাক নাশিন্নরদুনা —

"অয়োমা থুৎ কাওবা চারবা ?"

"উং নহাকশে মুংশিমনখিদুনা ।" ইবানিমক চাক শায়না ২ নোকমিন্নে ।

"লাভা হন্দক্তি ইম্নরঙমসি;"

'কৈদৌরগে —?' মহাকী চঙক্ৰবা পাওখুম্নি ।
'হুং কৈশু, ঐনা ইনবসে নহাক তুক্চল্রো- ?'
'অদুগুম্বা বা হায়গন্সু ঐদি ঙসাই মুংখিন্দগী শাওনিংলিবনি ।'
'ঐস্লু নংবু শাওরম্লিবনি ।'
'ফরে চাকসি চাখিসি অদুগা কোম্না- ।'

ইবাম্নিমক হরাও ২ য়েংন য়েংনদুনা চাক অদো চাথোক্লে । ঙা মতুম অমা থাংথবদা ভত্থাই য়েন্নদুনা হেক্ত চামিন্নে । মহাক চাবা লোইরদুনা চঙুম শেংনা ২ হায়রকই । "তা রাজেন হয়েংদি নোংমাইজিংনি মিলন য়েংউসিদো ?" মহাক্না বাহৈসি তাবদা খুদক্তা পাওখুম পিদ্রিভেদা খল্লকই কদায়দগী পৈশা লোকদুনা ঐ ইকাইবা পোকখি, অদুগা চিনবানথোংদা অসুম্না হায়খি "য়েংবু য়েংনিংদেদা !"

"করিগীনো য়াম্না মুংঙাই হায়য়ে-হয়েংদদি য়েংমিন্নক্‌সবা ইমান্নবা ময়াম হোনরমলবনি ।" মহাক্না য়াম্না য়েংনিংবগী মতাঙুম হায়রকপনি । ঐনা মমান্নবী ময়াম হায়রকপদুদা অমুক হেন্না বা ঙাংথোকপা ঙমখিদরে খুমকম খংদ্রদুনা অসুম্না হায়খি । 'টিকেট করুনবা পৈশা লৈভেদা ।" বাহৈ অদু তাবদা মহাক্না বারোবগুম হায়রকই । 'হৈমা ! অদোমবু টিকেট ককপায়ু য়েংউসি হায়রিব্রা ? চুম্না ঐনা হৌজবনি "

ঐনা মসিদা কোচি থাংবা ঙাংলুরবদি মহাক য়াম্না নিংঙমখুরোই অমসুং বায়োখুনি ।

'লাভা মং ওইবগী হায়বনি, করি ক্লান্তা করুনি ?'

মহাক্না নোককেৎ তৌরদুনা হায়রকই । 'চৎপবু শোয়ত্রবদি-ডেস সারকলদা শোয়দনা করুনি, শোয়দদি শোয়নগুম্‌সিকো ।'

'ঐবুদি শোয়বিরোই, অদুদা লাতা নং কোকহেক শোয়রবদি ঐস্থ শোয়রেকো !'

ঐগী নোক্লিংবা পাওখুম অসি তাবদা ইবান্নিমক ওনশিন্নদুনা নোকখিনৈ ।

'নত্তে লাতা নংবু মুংথিন্দা নযুমদা চৎলুব্রা শুকউ উনদববু ?'

'অদুবো চৎলুদে অঃ গুপী অমথক মচা পোকপা ওমদ্রে হায়দুনা মযুমদা চৎলুরিবা- !'

মহাক্না ইতিং তিংব পাওখুম্নি । ঐনা অমুকন্থ হংখি 'ও কদাইদা, করি লৈকাইদা ?'

'পোক্তি পোকহৌরব্রা- ?'

'হোয় !' ঐনা ইকাই হঙোইবা য়াওদনা হংখিবা বাহৈদা মহাক্না ইকাই মিনোক্না লোয়ননা খুম্নকপনি ।

'লাতা বা অমতঙ্গা হংগে — নঃ শেংনা তাকত্রা ?' ঐনা বাহৈ অসিদি হায়দোকত্রে, করি হংগদৌরিবা ?

মহাক্না পাওখুম পীরকই, 'করি বানো ?

'তশেংনা ঐনা হংগদৌরিবসে নং শাওনিংবস্থ য়াই, অদুবু— ।'

'শাওবিরোই হংউনে, ঐস্থ হংগদবা অমা লৈ ।'

'লাতা নহাক্না সুতিমকী ঐগীদমক্তা অহিং মুংথিল নাইদনা সেবা তৌরিবসে মী অমা শাওনিংলমোইদ্রা ?' ঐনা মহাক অসে মীগী মথা পোল্লবী অমরা হায়না চিংনবদগী হংখিবনি । মহাক্না মোমোন নোক্লদুনা পাওখুম পীরকই । 'কনানা শাওগদৌরিবা ?'

'নহাকী নপুরোইবা নত্রগা ... ?'

ও ব্রডর অদুগীদমক্তা ওইরেকো ঐদি য়াম্না নুবকাক ওইরবোই নিংলুরে, ঐহাক কনাগীম্থ মথা পোঙজত্রি !'

'লাতা থংদতুনা হংজবনি বাৱোগদুকে! !' ঐনা পুক্রিংদদি হরাওবা অমগ: লোয়ননা হায়খিবনি।

'নংনা হংগে হায়বদুমুক হংলো'

'ও ঐনা হংজনিংবা সন্দলা হায়বত্রবু কনানো— মহাক্না করিগী মমক্তা ... ' মহাকনা বা মথা তাখিল্রে।

'সুমিলা হায়বদু ইনাক কৈরাক পুনবা ইমুংগী মচোমচা পোকচবী মুজানি, অদুগা মহাকপু'

'থঙজরে থঙদতুনা হংজবনি!' মহাকী অর্থ লৈরবা বাহৈনি। লাতা মায়থোঙ অদো ... অমুক লুকথখে, ঐনা সন্দলাগী বাথক্সা লুপখ্রে। অচিকপা অদো লাতনা থুগাইদতুনা হায়রকই।

'তা বাজেন ঐদি মুংশিবা হায়বদো মশকতু থঙজদে, মতুং থংনিংলুরবগী ভঙ্গিবরা লৈরবা!' মহাকী ইমায় চোরবা খম্মোইগী বাহৈনি। 'হায়দে লৈরমগনি খাজদে'

'মুংশিবা হায়বদুবু মায় ... হায়বদাইদে— ?'

'উং মতুংগী বাৱী অদো ... ? মুংশিবা হায়বসে পাগ্নি!'

'লিউ তানিংই'

'নত্রে লাতা নহাকনা ঐগী অরাবা বাৱীসে তাবগা করি কায়গনি ঙম্বনে— ?'

মহাকনা করিমতা হন্নোইবা লৈতনা ঐগী কম্মুং অদুগী নাকল অমদা থিম্লদুনা থাম্বা চম্বা হায়রকই।

'লিপবা বাদে, লোৎতুনা থজগা মম্মা তারকখিগদ্রা? মহাকী বাৱীসো তারগা ঐগী নিংবা থুংবস্ যাই নত্তে লিরো—।' মহাকনা হয় ২ জকশিন্নরুবদা ঐনা ঐগী খোকখিবা খোলোকশিং অদো লিদুনা তাহল্লম্মী। মহাকী মায়থোং অসি উরগা নি-প--ত--ন--১ পুমচোং চোৎলম্মী। ঐগী বাৱী অদু তাবদা

খাঙমদ্রবী মহাক ঙদো নিত্রা লাইব্রেরীগী মতুং ইনখ্রাল্লে; মখিৎ অদু উইশিনখিরল্লে। ঐনা মাবু হৌদোকসিরা ইল্লম্মী অদুবু খুংঙাইবা ভূখণ্ড উবনা হৌদোকপা ঙমখিদরে। ঙহাক চপ লেপত্তুনা খল্লুরগা- ঐনা মাগী মথক্তা কৈজ্রুপ অদু ওইনা চিংখৎ-পিরম্মী। ঐস্থ মচি অদুদা অদুম হিপথরম্মী ॥

মথল মথলগী লৈশিংনা পরেং ২ কাংলুপ ২ নাইনা শাংলবা হেংসপিতালগী পিক্রবা লৈকোল মচানি। ফুগাইনা শংলবা লৈরাংশিংদা থোইমুশিংনা মবুক খল্লা লৈহি চুপনি লৈকোল অনিদা লাতাগা ঐগা লিগী চোংকি অমমমদা থম্লদুনা খুংশ রারী কয়া শাদুনা নোক-থেরি। লৈকোল অংসগী মনাক্তা লপ্পী মচা অমা লৈ। খুদী-খুপা অহল-লমন অচাং-খুবী হন্নং হন্দা চৎথোক চৎশিন তৌরি। তাল্লক অংসদা কনাগুম্বা শকহেনবী মুজা অমনা চল্লবা ফিজেৎনা লৈতেংলদুনা মথৃক্তা পোংথেংম মচা অমা পায়রদুনা মমিৎ মনা তপক তথক্তা চংলক্লু। মাবু উবদা ঐহাক খংপ্রেক খংবগুম থম্মোইগী মফম খুদিংমক্তা তংনক তনিকপা ইথক অমা হেংরক্লি! ঐ লাতাগী রাতৈংশং অদু তাখিত্রে, মাঙদা চংশিল্লক্লিবী মংঙান্দা মুল্লা য়েংদুনা লৈখ্রে। চংশিল্লকইবি শকহেনবা অংস অতৈ কনাম্বু নত্তে লাইবকচাউবী মুসিলানি। ঐনা মিংকুপতুদা খনখি, লুহোংখ্রবী মহাকনা মফম অসিদা করিগীদমক্তা লাক্লিবা— ? ঐনা মহাকপু কাওবা ঙম্লবা লাতাদা ওনশিন্দুনা বারী শাবা হৌরকই। তৌইঙম্নখুং মুসিলাদি ঐগী মতো অদু উবদা মশক খঙত্রমাল্লে মতাগুম তাইফেং তাইরবা মায়থোংদো নোকফেং তৌরদুনা চেনশিল্লকই। ঐনা মাবু হমফাওবা য়েংবিত্রে, লাতাদা ওনশিন্দুনা হায়রম্মী,

‘লাতা লাও চংলশি।’

অ'স হায়রদুনা ইবাম্মিমক চংবা হৌরকই। সু-সি-লা-দি মতৌ অদু উবদা সুগী মুত্তিগুম লেপতুনা পিরাংগা লোয়নবা য়ুম য়েংহৌরি। 'রাজেন ... .' হায়বা থোঙ্গেল অমা তাখি ঐনা হন্না য়েংথোরকপদা সুসিলা লৈরমগ্রে, য়াম্না লাপ্না চৎখিরক্লে অদুগা মহাক্না পুরকপা পোৎয়োম অদুদি মহাক্না লেপথমদুদা তাহৌরি। ঐনা লাত্না থাদোক্রম্লগা মদু থুনগদবগী চংলক্রী ঐনা মাদু থুনগংকে তৌবদা মদু পোৎয়োম ওংহমগ্রে, মতং মতং তৎলবা কুপ্তো পরেং ও-ই-র-ম-লে। ঐনা জ্ঞান য়াওদনা লেপ্লিদৈদা কুপ্তোশিং অদুবা অসুম্না হায়রকপগুন তৌখি। 'পাম্মুবা মহ'ক্না ভকশমদা হুক্কে থঙ্গবা ইথুংংখ্রু লেংজবা কুপ্তো পরেংনি, অদুবু হন্দক মপোকতা তন্নদ্র ঐহাকপু ব'রৌগনুকো।' ঐনা জ্ঞান তারকপদা লাওক মাংদা নোকফেং তৌরদুনা কুপ্তো পরেং অদু থুনগৎতুনা শমজিংগদবগী তৌরম্মী, ঐনা চকপগা সুংশিবগা য়ানমগদুনা মাবু কোনশিনগে হায়না তৌরকপদা লাত্তা লৈয়মগ্রে। ঐনা নিংকপ থংথোক থোক্লকপদা হননা য়েংবদা লাতাদি হৌগৎতুনা মপাল থোকখিরম্লে॥

* মিলন *　　　* খেংনবা *

কায়নবা

হো পোম্বী নংবু কৈদনো ?
লৈকম খঙনা উদবী !
খোংলি খঙনা তাদবী ।।
নহাকপু কায়নবগী লমদমদা লোৎপরা ?

HUMEN LIFE IS NOT A BAD OF ROSES !

অয়ুক্কী অহানবা শে' লোইরদুনা লাতাগা ঐগা পোৎয়োনবী অমগী মনাক্তা লেপতুনা অচা:পাৎ কয়া লৈদ্রুনা চারি। লাখ়ানা রদু শায়ন ২ বা অম' হায়নিং হায়নিংগুম লোম্না ২ য়ে'ড়ুনা থাগুলি । কবি বাবু হায়নিংবা নোকফেৎ মিৎয়েং উবদা তানিংলেনে নপাওপোল ।

'হায়রোবা লাতা ক'র বানো ?'

ইতোমতা থম্মোয়সুংদা হায়জরকই । মিলন উরুবদগী থরাই অসি ইমুং মুংঙাইত্রি ঐগী পুনসিগা নিলনগা' হায়কেৎ মার-বগুম তোই । ঙসিদি অমুক নোংহোন' মুসিলাবু নিংশিংলক্রে। মহাকপৃ অমুক্কং উম্নরব'দ ঐহাক্কী থম্মোয়দা ও ৎ ি ল ব । ফোংঙমদবা বাহৈ কয়া ফোংদোকতুনা পুনসিগী বিদায় লৌরবদি ঐগী থম্মোয়সে মুংঙাইখ্রুনিদা, মিলন্দা রাধানা গোপিগী থনবগুম মু-ি-স-ল-া-ম । ঐবু থনবিরমগদ্রা ? ঐনদি গোপীগুম থম্লে। হে মশক উঙমদ্রবা থম্মোয়, ঐহাক্না থংনিংলিবি থম্মোয় অদু মশক থঙবা ঙমদ্রবস্তু উহল্লবদি মুক্তাদুগী মায়থোং পেঙ্গগদবনি

কায়রবা থম্মোয়রসে ! ঐগী অসিগুম্লবা রাথলগী অচিকপবু থ্ংগাইদুনা লাতাগী পুক্লিংগী বাহৈ মোমোন মোকপী চিন্থালদুনা ফোংদোরকই। ''ত-রাজেন ! ঙসি'দ মুমীৎস্থু ঙল্লি ঐখোয়গী য়ুমদ; চৎলুসি, তনত্রা-হা-?'' 'কৈদৌকগনি ?'' ঐনা ঐগী ফিভমসি থল্লুবদা চৎনিংদনা হায়খিবনি। মহাক্না হরাও ২ হায়রকই —

'য়ুম থঙবা ওইনা চৎলুগদবনিদনা— ?'

মহাক্নী অওইবা ওইনা হায়জিল্লকপা বাহৈ অসি তাবদা ঐ থুমফম থঙথিদ্রে চঙক্লবা মিৎয়েংনা শোংবোকলোমদা ওন্থোক্লুনা লৈরে। 'কৈদৌবগে চৎলুসেবা ' ঐগী থম্মোয়দা কনানো অমনা হায়রকপগুম তৌখি। লাতানা অমুকস্থু হায়রকই। 'চৎলুসে হায়রবদি রিক্সো অমা ফাগে হা— ?'

'লাতা চৎতি চৎনিংই অদুদা।' ঐগী হায়রমদবা পাওখুম্মি।

'অদুদা কৈদৌরবগে— ?'

হন্দক্তি ঐ পাওখুম পীবা ঙমখিদ্রে মুঙগী মুত্তিগুম লেপ্লে। লাতাস্থু ইকাইরদুনা মায়থোং অদু কড়াং তঙাংলদুনা লুকখ্রে। ঐস্থু মাবু উবদা থম্মোয় অসি পুঙমখিদ্রে। চৎলসি হায়বা রাথলনা থৌনা কয়া হাপকৎলক্লে। ঐনা নোকক্নেৎ তৌনা হায়দোকখ্রে— 'লাকও লাতা চৎলুরসি।' মহাকনা নোকক্নেৎ তৌরদুনা ইতুং ইল্লক্লে। পোৎয়োনবী অদু ঐখোয় অনিবু য়েংহৌরি। তাঙ্গাদুদা মতাচাবগুম হোসপিতালগী জীব অমা লাকলম্মী। মদু উবদুদা লাতানা থাল্লমই। ডাইভর অদু লাতাগদি য়াম্না মুম্না থঙনরমলে; 'তা চন্দ্র' কদাইদা চৎলু-গদৌরিবনো— ?' ডাইভর অদুনা থুল্লকই। 'কৈশাং থোঙ-লোমদনি, নহাকপু সেমেম্না য়েংলমলিত্রা— ?'

'হোয়' লাভানা খুম্মী। 'নংবু য়ুমদা চৎকে হায়রিবে— ?' ড্রাইভর অদুনা হংলকই। লাভানা পাওখুমগা লোয়নবা থোঙ হাংদোকতুনা ইবাম্মিমক মনিং সিডা কাথৎতুনা কল্লমই। হরা গাড়ী থোবা হৌরক্লে !

এৈনা মঙোন্দা ওবশিন্দুনা হংলি— 'লাভা নং ওসাহ কপ্লিবা করিগীনো— ?'

লাভানা থঙশিন্নদবা শারদুনা খুম্লকই – 'ইঃ কদাইদা কপ্লিব ?'

"হোল মখুংদা।"

"কপাকে কৈস্থু।"

"কপ্লিরোইহে, নংদ থৈদোক্তুনা স্তুট ২ লৌখ্রবদুদি।" লোকুগা মাবু য়েংলদুনা হায়খি।

মহাক্কী মায়থোংদু অঙকপা মকৌ অমগা লোয়নবা অমুক্কং য়েংলক্লগা হায়রকই। "অদুবুরো মিলন্দা উরগা শুন থল্লুবদা অদুগা মান্নবা অমা নিংশিংলকতুনা কপ্লবনি, নহাক কোম্মা থংলকখিগনি" মহাক্কী আথ কৈরবা 'কোম্মা থংলকখগনি' হায়বা বাক্কদু ভাবদা চমম্নথে। এৈগী থম্মোয়না চম্মরিডেদা মহাক্না অমুকশু নোক্লা ২ হায়রকই। "বম্নদুবু শাওনিংলিব্র ?"

"কৈদোবগী শাওদোইনো লাভা ? নংনা কোম্মা থংলকনি হায়বদু করিনো অমুক্তা হায়য়ু।" "কৈস্থু নত্তেদা কংগী তৌবনি" মহাক্কী ওইদবা পাওথুম্নি। অদুগা মথা ভারকই "মিলনদুবু সুংশিব্রনে ?"

"এৈদি য়েংস্থু য়েংনিংদে-সুংস্থু সুংশিদে।"

"সুংশিব্রিরোই, য়েংনিংলিরোই লোম্মা ২ থম্মোয়দি কাংপোৎনি"

"অ মীগী অৱাববু য়েংলগা সুংভাইব্রনে ?" এৈনা মায়থোংদদি লোরগা থম্মোয়সুংদদি য়াম্না রানা হায়খ্রিবনি। ভংশেংনমক

লাতানা কপ্পদগী ঐনবু হেল্লমগনি। মহাক্না ঐগী ৱাহৈদ্রগী পাওখুম পিরকই" "ঐখোয়গুম্বীনি। মাদ্রা মিলনগী যমুনা?"

"হোয়নহে যমুনাদি ফনদুম পুকচেলদো ইচম চম্না মীপুংশি য়াম্না খংলমলিনে-ঐদি মানবু হেন্না পুংশিদো" মহাক্না হায়রকই "পুংশিরমগনিহে, হাৎতুম হাৎনিংলমগনি মাবুদি মহাকী মতোগুম্না ঐস্থ মীগী মতেং পাংবদা থবাই হেক্তা থাদোকনি।" মহাকী ৱাহৈসে তাবদা ঐনা হায়খি " নত্তে লাতা নংনা থবাই থাখবদি ঐহাক্তি কমদোবা?"

মহাক্না পাওখুম পিরক্তে, মীৎলুদা পীগাং ইহৌরক্লি। অসুম্না তুমিন্না লাকপনা লাতাখোয়গী থোঙ্গাল য়ৌখিবা খঙংৈদ্রে লাতানা পি অদু খংতৈ তৈথোকতুনা ঐতোন্দা কুমথরসি হায়রকখি। ইবানিমক কুমথরে অদুগা চেকপম্ন বাংনা কোইশিল্লবা য়োৎনা নিংথিনা শেমলবা কোম্প্লোং অমা হাদেক-তুনা চংলক্লি অদুদগী চেকী বিলডিং অমগী মথুংদা লাতানা ঐবু পুশিল্লি।

কা অদু মথল মথলগী লাইশিং অমদি কোটোশিং থেৎলি কা অদুদা তনান তনাল্লবা ফম্থুং অমগা টেবল চৌকিগস্থ থাম্লি। অদুগা লোয়ননা নৈংজেংগী পোৎ কয়াস্থ থম্লি কা অদুগী নৈজেং অদু অঙকপনি ঐদি লবাইদা পোকপনিনা অসিগুম্বা কা অসি অমুক্তা উথিদ্রি। কা অাসদা লাতানা ঐবু ফমহল্লি; অদুগা মহাক্না ফমলম্মু অমুক্তা ইমুংদা চংলুখিগে হায়দুনা চংথিরম্মী। চিক্লবা কা অদুদা ইথস্তা নৈহৌরি। মখোয়গী ইমুং অসে য়াম্না চিকই মী নৈংতবগা চপ মানৈ। ঐনা কাদু কোইয়েং য়েংলুরগা থল্লকই, মী হায়বসে চপতি

মায়ৈ অচুবু ৈ ল ফ ম ি দ ওস্নোক্না থিনঃ খেনমখ্রেদা । ঐনা মাথল কয়াসি খল্লিদ্রেদা থংনবা কাদগী ফক্লাং ঘড়ি অমনা পুং ২ ভাবগী কা·সি য়ৈরক্লি । ঐ কা অসিদা ইতোমতা চিক্না কমলগা খোইনা হেন্না মীপাইরক্লে ।

মিনিট ১০ মুক হোৎথ্রবা ফাওবা লাত্তা থোরকখিদরে । ঐনা মাম্না চিংনবগুম তৌরি । থংহোদনা ঐগী ও ই থ ং ব । পিশুমসে পংচোংতা চোংলি । ঐ পুক্লিংসে ইরাং লাংবা হৌরক্লে, লাত্তাবু শাওনিংবা পোক্লক্লে চৎলসিরা হায়বকাও খল্লবনি । অস্নুম্না. লাত্তাবু মাম্না থৌরাংনা য়েংলিদ্রেদা মকোক্তা হ ঙ া ম মপানগী থুদৈ মতেক অমনা থুমলবী ইমুংসিগী মৌ নত্রগা মীনাই সুপীগুম্বী অমথক্না প্লেট অমগী মথক্তা মক অমা থাংগৎ-লদুনা মাম্না তপ্না খোং থাংগুমদবগুম তৌনা থোরকপা উরম্মী । মহাকপু উবদা ঐ ঙকপা অমদি ইকাইবনা লুকথদুন লৈরম্মী । মহাক্না ইনাক হেক য়ৌশিল্লকপদা মহাক্না ঐবু শক থংবগী নত্রগা কিবগীম্না থংদে 'অস'' হায়রগা লেপথিবগুম তৌখি । ঐনা থংপ্রেক থঙনা থংয়েং য়েংথোকখিবদা মহাক্কী তাইফেৎ তাইরবী ১ দি বাথলতনা মকশিল্লবী মায়থোং অদুনা ঐত্তোম্দা অঙকপনা থল্লবা মীৎয়েংনা য়েংলম্বদে ঐগী অঙকপা মিৎয়েংগা লম্নুক্লখি অঙকপা অমদি অরাবনি ! থন্দুনঃ য়েংবীয়ু মহাক অসে লাইবক চাওবী লরাইদা পোকপী লবুক্তা চাউরকপী মুঙ. মুসিলানি ! ঐ ইপা পাখৎখ্রে. মতম থু'দংমক্তা নিংজবী মায়থোংনা থাশিগী অ'হিংগুম মমশিন্দুনা মুংগী মুক্তিগুম লেপ্লম্বা উবদা জ্ঞান তাখিদরে ঐ মহাকপু অমুক্তং পেন্না য়ে·নিংবগুম তৌখি . ঐগী অ ঙ ক প ন া থল্লবা মীৎয়েং অ দু দ া মাহাক্কী কায়রবা মায়থোংদা অ রো া ই ব া পি থরা শিন্থবা উথি ।

মথুত্তগী পোৎশিং অদু তাখিবা থংখিদরে। ইবানিমক্কী থম্মোয়দা মংগুম থোকখরে। বা-দান অমতা ভাংনদে, মামা চিকপত্রগী মথক্তা শররফাওবা হোনবা তাখিদরে। পি হায়বা সুংশিবগী লাইকলো মক্কম কদাইদা। তুং থবনো এগী মীৎলু অসিদা হৈরে কৈতেকগুম তোই। বা ভাংথোকপা হেমন্দ্রবি তবায়বি চিন্নালদো তাইক্লেৎ তানা কংশনখ্রে। মহাক্কী অন্তকপা মীয়ৎ অদু থংহৌদনা মাংখিদুনা হরাওবা অংগদ সুংশিবগী মিৎয়েং ওইনা উখ্রে। মাবু কৌগে হায়না হক্কপদি ঐ মথোয়গী থোক্তাল বংদা লৈরমলে অমুক্কা হেন্না জ্ঞান তাখিদরে হন্দক্কি থম্মোয়দা কয়গুম্বা অমতগী মংগল 'লাকনা হাসপটালগী মাংকৈ পাংথক্লে।

মংলানগী পুন্সদা লাক্লে ওসিদি বিদায় অহিং
কল্লবা নোংথি নোংমংলবা অহিংদা ভন্না নোংকৈদো
শরত পুনিমাগী 'অহিংদা॥
শি হুৎরে অরৎপা লৈতনা পিরাং
বসন্তগী কেন্নবা আশাগী মোংফমদা।
পুম্নমক মাংখরে ওসিদি পন্থুংফমদা—
শরৎকী পুনিমাগুম থোক্লরে; পুখ্রি মপালগী লৈকোল্লা
প্রেমগী বাশকী শাক্তিন্না মরু বাওদতুনা কংলম্নে।

* মোংফম *   * মোংফম *   * পন্থুংফম *

লাতা মহাক্কী কাদা চংলকপদদি মনম্মা সুংসনা লৈমায়থক্তা লোংনা তাদুনা লৈরম্মা থেংনরি। লাতানা পাথৎপগা লোয়ননা কন। অমতা থহন্দনা কম্মা লায়কননবা হোৎনরক্লে। সুসিলা মমৈথংদা জ্ঞান থর ২ তাবকতুনা মমিৎ তপ্পা পাংথোবকলে।

লাক্তা মতুদু উবদা মোমোন লোক্লাক্লে। সুসিলা পুম্নক অমত্তা জ্ঞান কংখ্রে, 'রাজেন!' হায়দুনা [illegible] চেংকপকী তোরকই। লাক্তানা মাপু ভং বোনশিল্ল সুসিল [illegible] অতুম্ব শোল্লকই 'রাজেন এগী ইদল [illegible]' [illegible] হায়রগা মশাদো লৈবথদ্রে লাক্না পাংকলতুন মনী যম্মুংদা পুন্সিন্দুনা হিপহ [illegible] সুসিলা [illegible] শোর অতু যাম্না [illegible] অমদি মরু [illegible] মবে মপাংগা [illegible] সুসিল [illegible] পাম্নবা হল্লকপা [illegible] মথৎ [illegible] হন্না ২ কৌবক্লে সুসিল [illegible] উপাক্তা শান্নরে ॥

লাক্তানা মরম পুম্নক [illegible] লোইন [illegible], অতুদু বা অমত্তা হায়দোকখ্রে। [illegible] হোংজিক [illegible] কৈথম থংখদ্রে সুসিলাদা চাংলবগুম য়েংদুনা [illegible] ভারে বল্লা লাইকক [illegible] সুসিলা পুন্সিদা [illegible] ওইন [illegible] পাংজোৎরক্তুনা কোইয়েং য়েংবা [illegible] অদুগ মপান্নাইব [illegible] সুংশি [illegible] ইকাই পল্লেন নমথাইদুনা পিরাং শিন্নুরক্লে। মতু উবদা সুসিলা তাইফেৎ তাইনবা চিন্নাকদা মোমোন লেংক্লে। মতম কুইনদগী অমুক্তংদা উ [illegible] মিনোক্লি ॥

ইকাই ইবি রাংমা [illegible] মপাংল্লোংগী ফজবা শক্তংবু রাথলনা মাঙহনববা লিনন মগুল চংলমখাইদ [illegible] তৌরক্লে। মহাকী খম্মাংদা কনা অমত্ত য়েরবা [illegible]

মতম কয়ানা ইকাইবা থওদবা মীপুংশি হৈতবা শাজৎ কয়ানা সুর্মলাবু ওৎহবা ভর্মদি মঙু পুববা লিলগী হুগুম মাগী থম্মোয়য়ুংদ চিকপা লেহরক্রে।

লাইবক চাউবা ওইবত্রবসু লৌজিক্কি লাইবক থীবানি, পেনগী চেক্লান খেতদা ঝিক্কুব থা রুবানি সুর্মিলা নোংমতা হিহ নোকতুনা চাবা থকপা লৈখিদ্রে মা লৈত্রগা কপতুনতা লেঞ্জখি। সুর্মলা মতম কয়াগী মমাংদ অকুগুম্বা থম্মোয় চেন্নবসু ভর্মিদি নিংজবা মঙাক্ক মায়থোংনা মাতুদা মুগুগী মুর্তিগুন লেপকনবদা মিৎকুপ অংগংগী ওইনা ভর্জত্তা থেংতুনা মোমোন নোকচবি। 'মিৎকুপ' এক্তুদা মিনাক অদু অমুক তুর্থক্রে লেহ ফুইনা লেপ্লক্রে— 'রাজেন', অকুম্বা লেপলগা তুমিনা মমিৎ কুপ্পনা লৈথোকলে ★ রাজেন কাহবা ব হৈদো হৌবদা ভর্জত তুচলকক্রে মায়থোং অদো ভগ্না লৈথোকলে। অতুগা সুর্মিলান ভর্জতনা ভানিংব্রবা বাহৈতুতা লোক্তবগা লৈহৎনাবগুম লেহরক্রে।

লাত — 'কনাগী মরামনো?' মথম্বা থগ্রকখি। হিক হ কহখনগী লেতাতুন মবুংবু অথাবা মিৎমংনা লেপলী।

ভর্জনগী মাপ চেন্নবা হকচাংনা মুংশ হৈত্রবা ভর্জতকী ওইরবসু— থরাংদন মখং মথা লম্লক্রে। রা-জে-ন' হায়রবা হাইতুনা হায় মপেক নমন মিৎকুপ নবা পেহবাকবা মুক ... [illegible] থ সংহমা. অতু লোম্ব নবা থে ... ওইরকই— সুমমাগী ... ওইনগী অংকু পল্লকখ্রে ... —

'পুরাংসম চাউরবা ইবুঙো নহাক্না এগী ইপুরোইবনি। নংগী নহা পেহবনে! ... ... ভর্মি এগী অবোইবা মিৎকুপ্পা ভিক্না অমত্ত নঙ্গরি, হাপ্পিরবদি মপোক হ খুদিংগী চোথিল কাওজরোই

নহাক্কী পেঁৎলানগা লোয়নবা রাজেনবু অমুক্তা উহনবীযুগবা !' বা'ইহ অদু ভাবদা ও'জেও মপাল্লোমদা থুন থোকখে ।। মতৌ অদু উবদা মফম অদুদা লৈরিবা পুন্দিংমক চণ্ডর্ক্লখি ।

লাডানা মনম্মদা বৎ' ২ হা'য়রকই 'ইনম্ম' নহাকপু কৈদৌরবগে — ?' সুন্দিলা'দ লাতাগী পাওখুম পীকবগী মতুত্তা পিরাংজনা থম্বা মিৎত অদুন 'নংঙমদন' য়েংবা নকুনা করি এইগনি খোংদোক্লংবদি কে'আয়'ন অদুবু লৈয়েং'না খৎপা খোকখিল্রে মাইবা ডক্তর খুদিংমরা 'ওজনা' অরোইবা মফমনা লৈখিবন হিদাক লাংথক কররমত্ত থাখিদ্রে । সুন্দিলা পুন্দিগী অরোইনা য়ুংহিপ ভাল্লমদাইদ মতৎ ২ ওইবা শোল্লাংনবা খোংজেলনা মান নিজব অদু শোল্লক্রে

* মহাকপু অংক্লং ঈজব ফংলবদি .. ঐনা ভুসফাওবা হিংজকপগী মহে য়াল্লগদব'নকো— অদুবু লাইবক থাবি মপোক ওইখিবনা ফং'নদ্রে ।

হন্দক্তি সু'নলা মোমোন তৌরক্লে

'লাতা' মহাকপু ! লাতাগী নাপদদি অসুম্ন তাখে 'লাতা মহ'দপু থা'দোকপা'স্তুকো '' লাতা'না মনম্মবু অমুকসু কেন্দ্রনা ও-খোংনা কপলক্লে ।

ইনম্ম' নচল্লু থাদোকপিবনস্রানে— ? বাঁদৌ বিগলুকো ইনম্ম '

শোর শাংনা হে হুত্তুং হায়রকই 'জাত' য়েংঙোই কনানো অম' ঐবু লোবা লাক্লে' অওকপা মীৎয়েংগা লে মননা হায়রকপনি । অদুগা লাতাগী মথুং অদু চেৎনা পায়'শল্লক্লে 'লাতা রাজেন লাকত্রে, সে থাদোক্লো মাবু ভাইবা ভমদ্রে চৎলগে— ! সুপা আসিনা ঐবু চৈরক্লে— লাতা ....

৭

সুসিলা রাহে অত শোল্লনগা লাকপগী খুত্তো তপ্লা থাদোকত্তুনা মমিৎ তপ্লা উইশনখ্রে। ও সুসিলা ঐরু উনিংবগী খোংনাংবনা হেনখ্রমাল্লেদো নিংহুমদনা চৎখ্রে সংসারগী লম্বী লাংথোকত্তুনা

ওঙতগা ঐগা হরা গাড়াদগী হেক কুমথরকপদা সুপাগী খোঞ্জেলনা 'হে সুসিলা' হায়বা মিকপ্পুনা মখোয়গী ইচেল অদো পুম্নন নিংখ্রে খোঞ্জেল অদু ঐবদা ঐহাক্কী মিৎ অনা মমশিনথিত্তুনা থড়াইখিনা ওঙতা ভাথখি। × × ×

সুসিলা চৎখ্রে, কায়নবগী অত্রাইবা মিৎকুপ বি-দ-া-ই লৌবা নংহৌদ্রে পেম্না অনুক্তং য়েংহৌগে মশাংশুম থরাই য়াওদ্রবা সুসিলাগী মায়থোংদে মিৎকম হেংদনা নুপ য়েংলে।

পুম্নমগী থাক্ত ওইদুনসু সুসিলাগী যজ্ঞগী মৈগুতনা মচি মচি থুম্নংদগী পাইশিনকত্তুনা পুমনমক মমশিনখ্রে। ভহাক্কী নম্বুদা অতিয়াদো কিন্থগাদোবগুম মমশিন্নকত্তুনা মা লে ম সে ভংনক ভনিক্লি।।

মিৎকুপ অদুদা সংসার অদো লোইশিনখ্রে।

খুংশি পাওজেল

নোংমদোল থকী পাক্তও পুবীথে ঐহাকী পাওজেলসে তম্বীরম্মু ওইনচাওবীদ্রুদা। কায়নরমদাই মতমদা খু-ং-শি পাওমেন্নখিত্রে বাহৌগসুকো ওইনংউবী। পাওজেনজখি নফমদা কায়রবা থম্মোইগী বাইগ থরা নোংমদোল থকী থাজদা ॥

হয়েংমুক্কী মপোক লাংঙোন্দা বাশকী রাংমা লানমিন্নসিংকা।
কায়নবা থুংনবা খুংশিবগীনি; ওইরমলে নং-ঐগী মফমদা
কায়নবনা পনথু ফম! হা সুম্বা শকাংহনবী!!

চাংলবা অতিয়াগী লম্বীদা পোম্বী নংবু শাথপ তোংয়রব্র— ?
লাইবক ফবী সুবাও ফাইরবা নৈযেংসিনা শোক্তখ্রি খুংশবী!
তারবোই খুংশি বহৈ, উররাই পাম্মু চেংলৌ!
অকংবা তেরা পান্বীদা তোংড়ুনা কু—কু খোংথবু
করি হায়না পাওমেল্লিবনো— ?

চৎলোকো খুংশিবী, পাইথ্রোকো লাপ্পা। নত্তং ইনাখি ইনওমদা ইনলরোই নৈঙওদরে, পোম্বী নংবু শাথপ তোম্মরোকো ।।


খোংলস্ত তাম্না—তাম!
সংসারগী রাংমদা নৈবনি শুক্রবা অচিকপা উমং,
শারুরো চিক্পা মফমদুদা খুংশি নহুম!

ঐসু নংবু কাওরগে নংসু ঐবু কাওরোকো। পীজখি ঐনা ওইনচাওবী নংঙোন্দা লৌশিনবিয়ুকো——————

কায়রব থম্মোয়গী লম্মুক্কনা থাইদোক্লো নবিয়ুই!

——নৈথৌবগীকো——

I have become tired of this worldly life, I have a yearing for spending a lonely life far away from my kith and kin!



লৌইরুবা

“বিদাঙ্গগী” চেংখা

মুৎথরো মুৎথরো থম্মোইমুংদা, ওয়তুনা থাংজমদনা চাক্রীথা
নিংজমক্রিবা মুংশি থংনবী মাগী মৈচাক্তো
ওম্মোকপনি শক্তমদি হোৎখ্রে -
অত্তু লৈহোরে নিংজমদবদি অরুম কাওজমদনা।
ওম্মোকপবি তোরবা ঐগী লাইবক ॥

মত্তে. প্রেমি -

মহাক্কী প্রেমগী ইচেলদগী তিলহনবিরে - ওত্তি_রা অত্তু কাওবনা মহাক্কী অথিবা বাহৈ? পংশিত্রে তাবদা, থাংবদা থম্মোই, ওইবি লাইমন। আঃ মহাকনে ওম্মোক্তা মীপুংশি হৈতে অত্তু মহাক্কী — বাহৈ তাথিগনি পুক্তিগে লোইরিকাওনা, হায়বকথোক অমুক্তগা - মত্তে হায়বকথো শাক্তী অমুক্তু তাদিংলি মহাক্কী অথিবা বাহৈ কয়া, ইকাই থংরবা থম্মোইগিদা ওইনখ্রিবী থক্তবি ॥

ঐনা থমকৈ অমুক্তদি তাথিগত্রা ঐগী বাহৈ অত্তু — ইমঃ মহাক্কী থম্মোই পুংনি! অরোইবদা কায়রবা থম্মোইনিংঃ হায়রদি নিংজমদবগী হায়রবনি, মসিবক্তা মহাক্কী থম্মোইহ্ন লেৎথিগনু। মহাকপু পাক্সম প্রেমগী ঈপাক্তা লমজিংখিরবগু বাথদবদি মহাকনে প্রেমি অমনি হায়না থক্তকই, থক্তরবা বাথক্তনা ওই-হন্নুবে মহাকপু কাইরবা থম্মোইগী পুক্তোলদা মথেম্রা বারো-থিগনুকো। মহাক্তা বারোরবপু শাথি-শাথৌ কমাগী থম্মোইনদি কাওথি প্রেমগী মৈচাক! মুৎলরোই ট ক দে ৗ মু ং মুথিং থানা তাক্তিমথৈ, কায়রবা থম্মোইগী বাথীদি।

মহাকপু নিংশিংহুনবা লৈরগদবা ককম,
অমদা মতোম্মা চৎকথিবা অমা।

[illegible]   [illegible]

[illegible]

[illegible]

"[illegible] সিক সি বোচি" [illegible] ১৯৯৯ ইং

[illegible] ১৯৯৮ ইং ফেব্রুয়ারী ১

[illegible] ১৯৯৯ জুলাই ৩

[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]

[illegible] —

[illegible]

[illegible] ।

[illegible]

[illegible]

[illegible]